www.sanaleibak.in

SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 13,881 | 22 Carat/g : ₹ 13,085 | 1 Kg Silver : ₹ 1,95,154 | 10 Gram Silver : ₹ 1,944 | WEATHER: Partly Sunny | Temperature 29/19°C | Sunrise: 05:16 AM Sunset : 04:41 PM | Petrol : ₹ 106.90 Diesel : ₹ 92.59 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 316 | IMPHAL, TUESDAY, OCTOBER 27, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪-২৫ | লৈবাকপোকপা, মেরাগী ১৬/১৭নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

ৱাখলগী চিঙ্গাক

কনাগুম্বা অমগী ৱাখল খঙগে হায়রবদি মহাক্কী ৱাঙাঙ তাও, থম্মোয় খঙগে হায়রবদি মহাক্কী থৌদৌ য়েংউ

বি জে পিনা মায় পাক্লবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ মথং চহী ২০২৭কী অঙনবদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখল অসিদা বি জে পিনা মায় পাক্লবগীদমক পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট নিতিন নবিননা চেয়র লৌদুনা ন্যু দিল্লিদা ইলেক্টোরেল ষ্ট্রেটেজিগী ওইবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর, উত্তর প্রদেশ, গোৱা, পঞ্জাব অমদি উত্তরখন্দদা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ষ্টেট মঙামত্তা ...মখা লমায় ৫দা...

লাইনিং নীংথিনা ঙাক্তুনা থমসিঃ সনাজাওবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ ফুরুপ মচা ওইবনা ঐখোয়না ঐখোয়গী চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোন নীংথিনা ঙাক্তুনা থম্বা মথৌ তাই হায়না নিংথৌ সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

অপোকপা মরুপ পুংদোংবম ময়াই লৈকাইনা শীন্দুনা চথরকপা ৯৭ শুবা মেরা থাবুম মীফম লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাফম অসি নিংথৌ ...মখা লমায় ৫দা...

শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ১৯দা খোংবাল সুনুলোক্তা শীং চনবা চৎপা খুঞ্জাশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথরকপা এটেক্তা লৈখিদ্রবা নোংসুমদগী মীওই ২ অমসুং উয়ুমপোক্তগী মীওই ১ লোয়ননা শোক্তুনা রাজ মেদিসিটিদা লায়েংলিবা অশোকপা ২গী মফমদা নেতাজি মেমোরিয়েল ক্লব খুরাই কোংপাল থৌবালদোংনা শেমখিবা খুল ঙাকপা অমদি লৈকাই ৪গী মৈরা ...মখা লমায় ৫দা...

লোইরেদনা

মাম্মগী হকচাং ঙমদে হায়বদুদা হংবা লাকচরিবনি

নুংশিদা, আই সি য়ুদা লৈবা কুমদুদি নোংতা লাকখিদে, ভোট ময়াদা দাইরিয়া তৌবগীদি চেল্লকইনে...

হেক্তা হায়জিনবা

য়াদে

মৈতে শিংহনবা য়াদে
মৈতে মহে হৈহনবা য়াদে
মহৈশঙ ছুটি থাদোক্তা য়াদে
শিংহল্লগা ঙাঙনবা য়াদে
মহৈ হৈহল্লগা লাক্লবা য়াদে
মৈতে পঙহল্লগা থমদবা য়াদে
মৈতে ৱাহন্দা য়াদে
শেম্লোক লম্বী লৈহনবা য়াদে
লল্লোল ইতিক তৌহনবা য়াদে
হায়ৱে থিংহন্দ য়াদে
পোৎচৈ তাঙহন্দ য়াদে
মৈতে নমশিল্লগা থমদবা য়াদে
মপান লমদগা শন্নহনবা য়াদে
হৈবোং মনুং তিল ওইহন্দবা য়াদে
মখোয় লিংজেল মান্নহনবা য়াদে
মৈতে শিংহনবা য়াদে

মেরা হৌ-চোংবগী থৌরম চীং-তম অনীগী মরক্তা পোৎ লান্নদুনা পাঙথোকখ্রে

মেরা হৌ চোংবা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাকপা ইন্টিগ্রিটি দে ওইনা লৌবা য়াইঃ চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা খুন্দারিবা চীং-তম অনীগী মরক্তা অথেনপোৎ লান্নদুনা চীংবুরোই-তম্বুরোই অনীগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা পান্দমদা চহী অসিগী মেরা হৌ চোংবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ফুরুপ ৩৬না অমত্তা ওইনা ঙাক্লম্বা ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবা মতমদগী পাঙথোকপা হৌরকখিবা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম অসি মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি ঙাকপগী থৌরম ওইনা লৌবা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট লেভেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওন মেরা হৌ চোংবা ২০২৬না শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথরকপা মেরা হৌ চোংবগী ঙসি সনা কোনুং অমসুং কংলাদা মপূং ওইবা থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা সনা কোনুংদা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, অঙোম নিংথৌ য়াওনা কোনুংগী ফম্নাইবশিং শরুক য়াদুনা লাইগী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকখি। লোয়ননা চীং অমসুং তমদগী লাকপা মীয়ামগা অমদি শগোল লান্মী কয়াগা লোয়ননা নিংথৌনা কংলা উত্রা ফাওবা শেনবুং য়ৈদুনা খোঙনা লাকখি। কংলা য়ৌরবা মতুং নিংথৌনা মেরা-মেন তোংবা অমসুং য়েনখোং তম্বগী থৌরম পাঙথোকখি।

নুংথিলগী মতমদা কংলাদা মেরা হৌ চোংবগী মপূং ওইবা থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদগী লাকপা খুঞ্জাশিং অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা নিংথৌ সনাজাওবা লৈশেম্বগা অচম্বা খুদোল পোৎশিং লান্নদুনা চীং অমসুং তমগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহনখিবগা লোয়ননা সোভিনিয়ার অমসু ফোঙখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়, ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবা মতমদগী চীংবুরোই-তম্বুরোই অনী পুন্না পাঙথোক্তুনা লাকপা ...মখা লমায় ৫দা...

সি এমনা নোংসুম ভিক্তিমগী ইমুংশিংগা উনখ্রে সটদাউনদি হন্দোকখ্রে, খোঙজংদি লাকখিদৌরি

সূ কেম্প লৌথোকপদা খুঞ্জাশিং হরাওনরেঃ ৱাই খেমচান্দ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ১৯দা নোংসুমদা থোকখিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই ৩গী ইমুং মনুংদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হকথেংননা চৎতুনা উনখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা ভিক্তিম ফেমিলি উনখ্রবনিনা জে এ সিনা কৌখিবা টোটেল সটদাউন খুদক্তা হন্দোকখ্রে। অদুবু অশিবা হকচাং লৌদনা খোঙজং মখা চত্থিগনি হায়না জে এ সিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা জে এ সিনা লাউথোকখিবা টোটেল সটদাউননা মরম ওইরগা মণিপুরগী মফম কয়াদা কৈথেলশিং হাংনখিদে। মতম অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচন্দনা ভিক্তিম ফেমিলি অমসুং জে এ সিগা উনখিবনি। উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংশিংগী অৱাবদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীরমখি। তুংদা মীশি ...মখা লমায় ৫দা...

সরপ্রাইজ রেইদ চত্থদুনা সূগী গ্রাউন্দ ঙাক্লিব্রা য়েংশিনগদবনিঃ কোকোমি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ)গী গ্রাউন্দ ঙাক্তবা, মীহাৎ-মীপুন চত্থবা সিনাই কেম্পতগী লোত্তুনা লৈখ্রবা কাদরশিং লৈঙাক্না নমদুনা ফাগদবনি। অথুবদা সরপ্রাইজ রেইদ চত্থদুনা সূদা লৈরিবা কেম্প খূদিংমক গ্রাউন্দ রুল ঙাক্লিব্রা হায়বদু য়েংশিনগদবনি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না ফোঙদোরক্লি।

কোকোমিগী আই পি আর সব-কম্মিটিগী কনভেনর ফিজম শ্যামচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সুগী গ্রাউন্দ রুল ঙাক্তবা, মীহাৎ মীপুন চত্থিবা সিনাই সু কেম্পতা লৈফম থোকপা কাদর মশিং শুদনা লৈরমদবগী লৈবাক পুম্বনা খঙনরবা লোৎতুনা লৈখ্রবা কাদরশিং লৈঙাক্না থিহুমদুনা নমদুনা ফাগদবনি। লোয়ননা সুগী লৈরিবা কেম্প খুদিংমক্তা গ্রাউন্দ রুল ঙাক্লিব্রা হায়বদু অথুবদা সরপ্রাইজ রেইদ চত্থদুনা য়েংশিনগদবনি। ...মখা লমায়

মৈতে /মীতৈনা মেজোরিটি ওইনা লৈবনা পূন্নমক কোনশিল্লগা তঙদু লৈতানা অমসুং নুংশি চান্ননা হীংমিন্ননবা হোৎনসিঃ সিএম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ মৈতে / মীতৈ ফুরুপ্পা মণিপুরগী খ্বাইদগী অচৌবা ফুরুপ অমা ওইনা লৈবনা মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকপদা পূন্নমক কোনশিল্লগা চৎপা মথৌ তাই হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

লংথবাল এ সিগী মনুং চনবা লিলোং চজিংদা লৈবা রিজনেল কোলেজকী নৌনা শাবা লোইরবা বিল্ডিং শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নবা অমসুং লংথবালদা নৌনা শাগদবা পি এচ সিগী উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা রিজনেল কোলেজগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা মপুং ওইবা থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা ...মখা লমায় ৫দা...

সূ লৌথোক্লগা মিলিটরি ক্রেকদাউন্দ তৌবা মতম ওইরেঃ সঞ্জয় অহন্থেম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ কুকি সূ গ্রুপশিংদা য়াওরিবা আর্মদ গ্রুপশিংগা ত্রাইপারতাইট এগ্রিমেন্টতা য়ান্নখিবা গ্রাউন্দ রুলশিং ঙাক্তবগী মতিক চাবা খুদম চাংদম লৈরবনিনা সূ এব্রোগেট তৌদুনা মখোয়গী মথক্তা মিলিটরি ক্রেকদাউন চত্থগদবনি হায়না সোসিয়েল ৱার্কর সঞ্জয় অহন্থেমনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, খোংবাল তাঙ্খুল থৌদোক্তা মরী লৈননা কম্বাইন্দ ফোর্সনা চত্থখিবা ওপরেসনগী মনুং চন্না চিফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ...মখা লমায় ৫দা...

ইরৈচাশিংগী শেন্মীৎলোন য়োকখৎপদা মতেং পাংবীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ লমদমসিগী ইরৈচাশিংগী শেন্মীৎলোন য়োকখৎপদা মীয়ান্না মতেং পাংবীয়ু। অৱা-চৈথেং মায়োক্লরিবা ইরৈচাশিংদা শেন্থোক লম্বী পীনবা পান্দমদা নবেম্বর ১৫ ফাওবা পেলেস কম্পাউন্দগী হপ্তা কাংজেবুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সপো অসিদা মীয়ান্না শৌগৎপীয়ু হায়না কোন্বীরৈ এগজিবিসন ফার্মগী জেনরেল সেক্রেটরী য়ুমখাম তোকেন্দ্রজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

হপ্তা কাংজেবুংদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা তোকেন্দ্রজিৎনা হায়, মপান লমগী ...মখা লমায় ৫দা...

সোসিয়েল ৱেলফেয়রনা অঙাং অমা কনবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ সোসিয়েল মেদিয়দা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা অহল অমগা পীক্লিবা নুপী মচা অমগা পোলোগ্রাউন্দ মনিংদা তুমদুনা লৈবগী ফোটো ভাইরেল ওইরকপদগী খুদক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা অঙাং নুপীমচা ...মখা লমায় ৫দা...

মীয়ামগী অপাম্বা ইথাই বেরেজ দিকম্মিসন তৌবা ঐহাক্কীসু অপাম্বনিঃ তোংব্রম রোবিন্দ্রো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ লোক্তাক কন্নবগীদমক ইথাই বেরেজ দিকম্মিসন তৌবিনবা লৈঙাক্না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল থাখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পাউখুম লাক্ত্রি। মীয়ামগী অপাম্বা ইথাই বেরেজ দিকম্মিসন তৌবা হায়বসি মহাক্কীসু অপাম্বনি হায়না থাঙ্গ এ সিগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

৩৭রক শুবা লোক্তাক নুমিৎ থৌরমগী ঙসি নীনি চনবা অরোইবা নুমিৎকী থৌরমদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা মখা তানা হায়খি, থাঙ্গগী মীয়ান্না অচঙবা পুথোক্তুনা লোক্তাক পাৎ কন্নবা ...মখা লমায় ৫দা...

রতন থিয়ামগী ‘ঐবু নুংশিবিয়ু হায়দে’ শৈরেং লাইরিক্তা মহাকবি অঙাংহল শৈরেং মনা লাম্হোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ থিয়েটরগী লমদা মশক নাইরবা লৈখিদ্রবা রতন থিয়ামনা ইরম্বা ‘ঐবু নুংশিবিয়ু হায়দে’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক্তা মহাকবি অঙাংহল শৈরেং মনা ২০২৬ লাম্হোক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব মণিপুরনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা নিত্যাইৎপাৎ চিথেক্তা লৈবা দিরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর)গী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুর শৈরেং নুমিৎকী থৌরমদা লৈখিদ্রবা রতন থিয়ামগী ইমুং মনুংদা মনা অসি লাম্হোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরসু ওইরম্বা ...মখা লমায় ৫দা...



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ঙসিগী রাষি ফল (২৭–১০–২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ চাওখৎপা ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা, শেল ফংবা, ইমুংদা ইংনা লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

বৃষঃ চেকশিন্না হোৎনজগনি। মিংচৎ হেনগৎপা, মরুপ্তুগী মতেং ফংবা, শাগৈনা চানবিবা নুমিৎনি। লুচিংবশিংনা নুং শিবিগনি। লমতু চৎপা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

মিথুনঃ চেকশিন্না হৈশিংনা হোৎনজগনি। কল্লকপা যাল্লগনি। শোক্তনবা হোৎনজগনি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। শাওদবা ফগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

কর্কটঃ ইংনা তপথনা হোৎনজগনি। শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, লুচিংবশিং, লমলানবশিংনা নুংশিবিবা ওইরগনি। লম চৎপদি হৈ শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

সিংহঃ পূক্লিং হকচাং নুংঙাইবা, থৌরম পাঙথোকপা, শেল ফংবা, মীয়াম্না নুংশিবিবা, কুইনদগী খঞ্জরকপা মায় পাকপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

কন্যাঃ হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলগনি। থবক অয়াম্বা মায় পাক্লগনি। অরাপ্পা চৎপা মী তিন্নবা কান্নগনি। মিংচৎ হেনগৎলগনি। শাগৈনা চানবিরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

তুলাঃ অশাওবা ৱারৌবা খৎননিংবা লোয়নরগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংগনি। য়েক্লবা চাওখৎলগনি। লমতু চৎপা চেকশিনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

বৃশ্চিকঃ পাঙথোক্লিংবা অরুবা খরা পাঙথোক্লগনি। তোখাই তাদনবা হোৎনজগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। য়েংশিনবা যাল্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখল চরাংনগনি।

ধনুঃ শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। য়েংশিনবা কল্লকপা মী মশীং যাল্লগনি। মতেং পীরুদবা ফগনি। চথোক চৎশিন দা হৈ শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – পূক্লিং চঙলোই।

মকরঃ চেকশিন্না হৈ শিংনা হোৎনদ্রবদি হন্নবা নাইবা লৈরগনি। তুং মাং য়েংলগা থবক তৌবনা ফগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

কুম্ভঃ অশাওবা হন্থবা, ইংনা তপথনা হোৎনবা মসিতনা অফবা ফল ফংলগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। শেল চৎলগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখল ফকচিনগনি।

মীনঃ চাওখৎপা ফগৎপা, পাঙথোকপদা লুনা থোকপা পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা পোৎ লৈবা য়াবা, শীংথাবীবদা য়াওবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.

Evil Sana Suduku-1120

5			6			1		3
	1	3			9		6	4
	6	7	5	3		2		9
7		4		6				5
9		5		7		3		6
1		6	3		5	7		
3		9		1	6		5	
	5	1		4		6		
	4		9	5			3	1

সনা-সুদোকু-১১২০গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

নুংশিনবা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন লৈরবা খক্তা ইং তপ্পা চাওখৎপা মণিপুর ওইবা ঙমগনিঃ টিঐচ রাধেশ্যাম এম এল এ

থৌবাল, ওক্টোর ২৬ (এসএনএস)ঃ নুংশিনবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন লৈরবা অমদি হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংদা ফত্তবা নেগেটিভ ওইবা ময়াম লাক্লিবা অসি থিংলবা মতমদা ইং তপ্পা চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইবা ঙমগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোইসু ওইরিবা হৈরোক এ সিগী এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট থ্রি ময়াই লৈকাইদা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ২০২৫-২৬কী মখাদা নৌনা শাবা পব্লিক কম্মুনিটি হোল শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ রাধেশ্যামনা মখা তানা হায়, মীওইবদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি নুংশিনবা অমদি থৌজাল হৈবা অসিনি। হৌজিক মতমগী অঙাংশিংদা নুংশিবা, থোৎ-নৌবা, থৌজাল হৈবা, মীগী অৱাবা উবা ঙম্বা কয়াগী ৱাখল্লোন ৱাৎপগী মমি তাই। মমা মপা ওইরিবশিংনসু ইমুংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা মীনুংশি চাওবা, অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অমদি মীয়ামগী কথোকপা ঙম্বগী থৌনা লৈহনফম থোকই। হৌজিক লম্বী সোরোক্তা মমা ওইবীশিংনা মচাশিংবু পল্লগা লগাও শান্নবা য়াওবা উরক্লে। মসি অফবা খুদম নত্তে। পীক্লিবা অঙাংদুনা মমাগী, মখুরাগী মমিং করিনো খঙদ্রিবা অদুদা মমিৎতা লগাও মরু উহনবা লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা ঐখোয়না অসুক কুইবা মতমদগী হোৎনরক্লিবা ঐখোয়গী কলচর, থকশি খাশি ঙাক্কদবনি হায়বদু করন্না ঙাকপা ঙমগনি হায়বগী ৱাফম থমখি।

মৈতৈ ঐখোয়গী চৎন-লোনচৎ অসি কনগনি হায়রগা কনগদৌরিবা চৎনলোন অদু তোপতোপ্না থন্নগা ফত্তবা খুন্নাইগী মাঙনিংঙাই ওইবা কয়া অমা পুশিল্লক্তুনা ঐখোয়গী য়েক্লবা ওইরি। ধর্ম্ম মান্নদবা, শাগৈ মান্নদবা, পোলিটিকেল পার্টি মান্নদে হায়দুনা হুন হুন্দুনা অমগা অমগা ঙাজনরি। অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন খনবগী মমি তাদে। মীনুংশি য়াওদবা, শাওগনবা, হাৎপা তুপ্পগী ৱাখল্লোন অসি মীওইবগী য়েক্লবনি। মসিনা মরম ওইরগা মচিন মনাও কৌনদবা, লম খরগীদমক ইমুং মনুং কৌনদবা য়াওনরি। মমাংঙৈদা লৈরম্বা অরৈ অরৈবা চামিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোন মমি শামখ্রে। ঐখোয়গী মমাংঙৈগী কথোকপা ঙক্নগী থৌনা, মীবু পীজনিংবা, মতেং পাংনিংবা, মীনুংশি চাওবগী ৱাখল্লোন অদু ঐখোয়দা হাপচিল্লকপা মথৌ তই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বি জে পি হৈরোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট চৌরজিৎ, থৌবাল জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্য খোইরোম সনাখোম্বা, হৈরোক জিল্লা পরিষদকী মেম্বর মোইরাংথেম রাজমোহোন, হৈরোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ার-পার্সন লাইশ্রম নুংশিস্না, হৈরোক পার্ট ৱান, টু অমদি থ্রিগী গ্রাম পঞ্চায়টকী চিয়ারপার্সনশিংসু মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

য়েক্লববু জয় তৌবা

সহরগী চিদাই অমদা নুপা অমনা পোৎচোই য়োনবা দুকান অমা ফম্লম্মী। মহাক্না মতম শাংনা ফমলকপগা পোৎ লৈবা লাকপা ময়াম অদু পেলহনবা হৈবগা মহাক্কী দুকান অদু পোৎ য়াম্না শিৎলম্মী। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা চাওরবা দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর অমা মহাক্কী দুকান অদুগী মমাঙমক্তদা শাগৎলক্লম্মী। করিগুম্বা দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর অসিনা মপুঙ ফানা চল্লাইরক্লবদি মহাক্কী করবার মুৎলগনি হায়না দুকান্দার অদুনা পাখৎলম্মী। মহাক্না হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্কী থাজজবা গুরু অমগী মনাক্তা চৎতুনা পাউতাক লৌরম্মী। গুরু অদুনা হায়রম্মী, "নহাক্না দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর অদুগী মপু অদুবু য়েক্লবদৌনা খল্লবদি নহাক্কী ৱাখল অদুনা নহাক লৈখা তারক্কনি।"

"অদুদি ঐনা করি তৌজৌ হায়বনো" দুকান্দার অদুনা হংলম্মী। "অয়ুক খূদিংগী নহাক্না দুকান চৎপা মতমদা নহাক্কী দুকান অদুদা ওনশিল্লগা হেন্না হেন্না চাউখৎচগে হায়দুনা খুরুম্মু। মথংদা দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর অদুদা ওনশিল্লগা হেন্না হেন্না মায় পাক্লা চাউখৎপা ওইয়ু হায়না বর পীবিয়ু।"

"করিগী ঐবু মাঙহনগদৌরিবা অদুদবু" "নহাক্না মঙোন্দা চাউখৎনবা বর পীরিবা মখে নঙোন্দা হঞ্জিল্লক্তুনা চাউখৎলক্কনি। মাঙনবা খল্লগনা নহাক্কী মাঙজবা ওইগনি।"

দুকান্দার অদুনা গুরুনা তাকপিবা মতুং ইন্না দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর অদু চাউখৎনবা বর নুংতিগী পীবিবদগী মখোয় অনী মরুপ ওইনা তিন্নরক্লম্মী অমসুং মতমগী মতুং ইন্না দুকান্দার অদু দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর অদুগী পার্টনর ওইরক্লম্মী। মহাক্তি হান্ননা দুকান ফম্বগী লৌশিং হেন্না লৈবা মরম্না দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর অদু য়াম্না নীংথিনা চল্লাইবা ঙম্লম্মী। মমৈথংদা দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর অদু হৌদোকচবা মপু অদু মহাক্কী সিয়ার দুকান্দার অদুদা য়োন্থোক্লম্মী। অসুম্না দুকান্দার অদুনা দিপার্টমেন্টেল ষ্টোর অদুগী মপু ওইহৌখি।

মালেমসিদা ঐখোয় অমতা তোঙান্না নাইতোম হিংদে। পূন্নমক মরী ইরে লৈনৈ। মসি সাইন্সনসু য়ারবা ৱাফম্নি। ঐখোয়না খনবা ৱাখল, তৌথোক্লকপা থবক পূন্নমক্কী ইহুল ঐখোয়গা লৈমিন্নরিবশিংদা ফাওরিবা ঙাক্তনি। ঐখোয়না অতোপ্পগী তৌবা অফবা থবক অদু মী অদুদা ফবতা নত্তনা ঐখোয়দসু মদুগী ফল মওং অমা নৎত্রগা অমদা লাক্কনি হায়বসি চুমদুনা লৈরবা ৱাফম অমনি।

রিজার্ভ ফোরেষ্টতা কাঙলোন কায়না শাজিল্লম্বা ষ্ট্রকচর শিদোকখ্রে, চীং লৈবাক পুরম্বা টাটা ফাগৎখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মনুংচনবা ককচিং ফোরেষ্ট রেঞ্জগী এরিয়াদা লৈরিবা খুনুদা লাইচিং প্রপোজ রিজার্ভ ফোরেষ্টকী বিজয়পুরদা কাঙলোন কায়না শাজিল্লম্বা ষ্ট্রকচরশিং ঙসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা শিদোকখ্রে।

রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা কাঙলোন কায়না ষ্ট্রকচরশিং শাজিনবগী মতাংদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চখুদুনা লাকপা ড্রাইভকী মনুং চন্না থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও ডাক্তর লৈশাংথেম জীসীলী (আই এফ এস) অমদি ককচিং রেঞ্জগী রেঞ্জ ওফিসার লাইশ্রম দিনেসকী মীৎয়েং মখাদা ড্রাইভ অদু চখুখিবনি হায়রি।

খুনুদা লাইচিং প্রপোজ রিজার্ভ ফোরেষ্টকী বিজয়পুরদা কাঙলোন কায়না কনাগুম্বা খরনা তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রকচরশিং শাজিল্লে হায়বগী পাউ ফংবগা পল্লেল বিট ওফিসকী ওফিসার বিক্রমজিৎনা লুচিংবা টিম অমনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা নৌনা শাগৎলম্লিবা ষ্ট্রকচরশিং অদু শিদোকখিবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চীং অমদি পাৎ শিংদা পেট্রোল্লিং চত্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নুমিদাং থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জকী টিম অমনা পেট্রোল্লিং চৎলিঙৈদা ৱাইথৌ প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদা কাঙলোন কায়না চীং লৈবাক কোত্তুনা পুরম্বা টাটা ট্রক অমসু ফাগৎখ্রে হায়রি।

রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমদি প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্টকী মফমশিংদা কনাগুম্বা অমত্তা চীং লৈবাক কোৎপা, উ য়াম্থৎপা অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রকচরশিং শাজিনবা তৌবিগনু হায়রদুনা ফাগৎলবশিং অসিগী মথক্তসু কেস লৌখৎলগনি হায়না থৌবাল দি এফ ও ডাক্তর লৈশাংথেম জীসীলীনা ফোঙদোরক্লি।

কোকোমিনা চঙশিনগদবা খোঙজংদা শরুক য়াগনিঃ চুরাচান্দপুর মৈতৈ সোসাইটি

মোইরাং, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ ঙসি ইরমদম মণিপুর কাংখোং চাইরিবা, মীশি মীনা, মীকপ মীরাওখোলতনা থল্লবা লমদম হায়বদুগা পাঙ্খক ওইরে। সেন্টর অমদি ষ্টেটতা বি জে পি লৈঙাক অসিনা কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংদা ফ্রি হেন্দ থাদুনা নাগা মীচম অমুক হাৎহল্লে, মৈতৈ মীচম অমুক হাৎহল্লগা লৈঙাক্লা কুন্দ্রে য়েংলিবরা হায়বসি মীয়ামগী ৱাহং ওইরক্লে হায়না মৈতৈ সোসাইটি চুরাচান্দপুরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী ইরোম অবুং মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কোকোমিনা থা অসিগী ৩১ দা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা মপূং ফানা শরুক য়াগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ঙসিদি ঐখোয়গী লমদম লৈঙাকপা হৈত্রবা লুচিংবশিংনা লৈঙাকপা লমগা পাঙ্খক ওইরে। ইং তপ্পা লৈরে, চৎনিংবা মফমদা চৎপা ঙল্লে, নেস্নেল হায়ৱে হাংলে হায়বদগী নোংসুমগী চমজরবা মীওই ৩ কুকি টেরোরিষ্টশিংগী এটেক্টতা থৱায় পীখন্নহনখিবা লূপ অসিনা তরাইনা লৌদে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, আই দি পি লিশিং ৬০ হেন্না রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদা নোংমগী মীওই অমদা লুপা ১০০ পীরগা হন্না য়েংবিদবা অদুগা মখোয় মশেল ভোট খোন্নরি, অমনা অমবু হুন্নরি। পেন্নদ্রবা আই দি পিশিংনা য়েংহৈদ্রবা ফিভমদা নোংমা নোংমগী পুন্সি মাঙলক্লিবা পূন্নমক খঙনবা ঙাক্তনি।

এল এম জিনা তেংবাং পোৎলম খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা লমদমসিগী কা হেন্না অৱা অনা তারবশিংদা লেপ্তুনা মতেং পাংলকপগী শরুক অমা ওইনা চৎলিবা থা অসিগী ১৯ দা নোংসুম মমাঙ চীংদা শীং য়ানবা চৎপদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা মীনুংশি লৈতনা পুন্সি পিখন্নহনখ্রবা নোংসুমগী মীওই অহুমগী ইমুংশিংদা ঙসি গ্রুপ অসিনা অচা অথক্কী তেঙবাং পোৎলমশিং খূৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না ইংনা চিক্লা পোখাজরুনবা মিনিট ১ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

এল এম জি মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী রাকেস নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তেঙবাং খোঙজং অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরী ওজিৎ সেরোখাইবম্না, কুমজা ২০২৩গী মে ৩ দগী চিন-কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা মৈতৈ ফুরুপচাশিংদা চথরক্লিবা লানগী চৈথেংনা মরম ওইরগা মীওই কয়া রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। লানগী চৈথেং ফংনা ফংনা হিংনবগীদমক চীংদা শীং য়ানবা চৎপদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা মীনুংশি লৈতনা তমথিনা পুন্সি পীখমনহনখিবা নোংসুমগী মীওই ৩গী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। পিক্লিবা মচাশিং, লোয়নবীশিং অসিনা ওইহৌগদবা ফিভমশিং অসি খল্লুবদা অৱাবগী মশক্লি। লাইরবা অৱাবা চৈথেং মায়োক্লরিবা ইমুংশিং অসিদা মপুরোইবা লৈখিদবগী অৱাবা অমুক নৌনা মায়োক্লরি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাত্ত-পাদবা লমদম অমা ওইনবা থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

মোইরাং, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ মোইরাং কংলৈরোলগী পুৱারীগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা অমদি মোইরাং কংলৈরোলগী শায়োন ৭ হায়না খঙনরিবা য়াম্না মরু ওইবা লোক্তাক ইমা লাইরেম্বীদা ঙসি মেরাগী থানিল নুমিৎনা লাকপদা ইরাৎ থৌনি পাঙথোক্তুনা মণিপুর অমদি মোইরাংবু ৱাৎতা পাদবা লমদম অমা ওইনবা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মোইরাং এ সিগী এম এল এ থোঙাম শান্তিনা হায়, ইং তপ্পা অমদি ৱাত্ত-পাদবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক থৌনি থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মোইরাং এ সিগী মনুং চনবা সেন্দ্র লম্বীদা লৈবা ইমা লোক্তাক লাইরেম্বীগী লাইশঙদা ইঙু ফম্নাইবা চৈরাপ লোয়শঙ অমসুং ইবুধৌ থাংজিং সেবা মন্দল মোইরাংনা শীন্দুনা লোক্তাক ইমা ইরাৎ থৌনি থৌরমগা লোয়ননা লোক্তাক পাৎতা চত্তুনা ফিরাল কৎখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ শান্তিনা হায়, চহী কয়াদগী হৌনা মেরাগী থানিল খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ইরাৎ থৌনি থৌরম অমনি। পুৱারীদগী হৌনা লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা হিংলিবা মীয়াম অসি লোক্তাক ইমানা ঙসি ফাওবা য়োকপিদুনা লাক্লি। মসি ঙসি ঙরাং খক্তগী নত্তে। পুৱারীদগী হৌনা লাক্লবনি। মরম অদুনা হৌজিক্কী মীরোলনসু লোক্তাক ইমাবু মীরাইবা য়াদে।

ঙসি পাঙথোক্লিবা লোক্তাক ইমা লাইরেম্বীগী থৌনি থৌরম অসিনা লমদম অসিদা চাবা থকপা ৱাৎতবা ইংনা চিক্লা পানবা লমদম অমা ওইহল্লক্লসনু হায়নসু থৌনিখি।

ঙসিগী থৌনি থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অমাইবা লোয়শঙ, অমাইবী লোয়শঙ অমদি পেনা লোয়শঙনা লাইগী থৌরম পরিং কায়দনা চখুখিবগা লোয়ননা লমদম অসিগী তুংদা লাক্কদবা ফিভম অদু চবান চফু কায়দুনা য়েংখি অমদি অৱা অনাদগী ঙাকথোক্লবা য়েহ্লিং থাদুনা থৌনিখি হায়রি।

নোংমগী লিটরেরি ফোরমগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জৈ লূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবম খুনৌনা সাহিত্য একাদেমিগা খূৎশন্নদুনা লিটরেরি ফোরম ওন লাইফ এন্দ ৱার্কস ওফ কেসো সিংহ ইরেংবা হায়না মিংথোনবা খোরিরোলগী থৌরম চৎলিবা থা অসিগী ৩১ থাংজ নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদা লিবরেল কোলেজ লুৱাংশংবমগী সেমিনার হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইমাখোলগী থৌবুরেল এল রিসিকান্ত অঙোমচানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমিগী মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দকী কনভেনর রাজেন তোইজাম্বা অমদি ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট শগোলশেম বিলাসিনিনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং অমসুং থৌরম মপু ওইগনি।

জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ মৈতৈ থৌরম তেঙবাং মরুপ ইম্ফালনা লিংখৎখিবগী ৫৫ রক শুবা কুমওন থৌরমগা লোয়ননা লূপ অসিগী জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাওবম মরক ইরোম লৈকাইদা লৈবা কম্ম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা লূপ অসিগী মপোক কুমওন থৌরম অদুদা লূপ অসিগী লুচিংপুরেল কোঞ্জেংবম শামকিশোর মীতৈ, পাওতাকলোই পোৎসংবম ইবোপিশক অমদি ওইনাম মন্ত্রি মৈতৈনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈশু কৎখিবগা লোয়ননা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লৈখিদ্রবা ফাউন্দর মেম্বরশিংগী ফোটোদসু লৈশু কত্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লূপ অসিগী লুচিংপুরেল কোঞ্জেংবম শামকিশোরগী মায়কৈদগী লূপ অসিনা হৌদোরকপগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম থমখি।

চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ রামা ফাউন্দেসন নাগামপালনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী হৌদুনা খাগেমপল্লিদা পাঙথোরকপা নুমিৎ নীনিগী ওইবা চেঙ্গুম থাবা অমদি মসিদা শীজিন্নরিবা টেক্নোলোজিগী মতাংদা চখরকপা ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা রিজনেল এচিভর এৱার্দি সোরাম রাজেন্দ্র কুমারনা রিছোর্স পার্সন ওইনা থৌদাং লৌখি। লোয়ননা সাইন্টিফিক কল্টিভেসন অমদি টেক্নিক, প্রেক্টিকেল ফিল্ড এক্সপোজরগী মতাংদা ট্রেনিং পীখি। ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবা পার্টিসিপেন্টশিংদা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু থবক শুবগী হৈনবী লৈহনবা, সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমদি ফার্মর ক্লবশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা মীপান তাংদবা, ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী লম্বী অমনি হায়না রামা ফাউন্দেসনগী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কে কে এলনা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ লমদমসিগী শক্নাইরবা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট, স্কোলার অমদি কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল)গী এদভাইজর লোংজম মুনিন্দ্রোনা ঙসি মশাগী ময়ুম থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকাইদা লৈখিদবদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

কে কে এলগী সেক্রেটরী জেনরেল লুৱাংচা য়ু ঙমখৈঙাকপনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মহাক্না লৈখিদবা অসি মীতৈগীদা নত্তনা কংলৈপাক অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবা মুহিন্দ্রোনা পামজরম্বশিং অদু কে কে এলনা থবক ওইনা ওন্থোক্কনি। লোয়ননা মহাক্কী মমিংদা লাইব্রেরী অমসু শেমগৎলগনি।

সাগৈ মিংথোল হৌরকফম মিংথোনবা লাইরিক ফোঙলগনি

ইম্ফল, ওক্টোর ২৬ (এসএনএস)ঃ ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জৈলূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবম খুনৌনা শীন্দুনা লাক্লিবা নবেম্বর ১ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবদা লম্লোংগৈ মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ইমাখোলগী শঙলেনদা লূপলোই জে এস কোন্সমনা খোমজিনবা সাগৈ মিংথোন হৌরকফম হায়না মিংথোনবা ৱারেং লাইরিক অমা ফোঙলগনি হায়রি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল আর্ট কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা য়ুম্নাম নবচন্দ্র, ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট শগোলশেম বিলাসিনি অমদি এম য়ু মণিপুরী দান্স দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. মোইরাংথেমমচা চাওরৈকনবনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি হায়না ইমাখোলগী থৌবুরেল রিসিকান্ত অঙোমচানা ফোঙদোরক্লি।

ন্যু বৃজা গাড়ী লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ মারুতি সুজুকি এরেনা ইষ্টর্ন মোটোরস চীংমৈরোংদা তর্বো বুষ্টর জেদ ওইবা ন্যু বৃজা গাড়ী লোঞ্চ তৌখ্রে। হায়রিবা ন্যু বৃজা অসি বেজ মোদেলদা লুপা ৭,৪৯,৮৫২ দগী হৌরি।

গাড়ী অসি ১.০ এল বুষ্টর জেদ অমদি ১.৫ এল দ্যুল জেদ স্মার্ট হায়ব্রিদ, ৬ এম টি অমদি এ টিদা ফংগনি। গাড়ী অসিগী ফিচরদা ইলেক্ট্রিক সনরুফ, ৩৬০ ভিউ কেমেরা, ঐচ য়ু দি, ৱায়ারলেস চার্জিং, বেন্টিলেট সিটনচিংবা য়াওরি। সেফটি ফিচরগী ওইনা এয়রবেগ ৬, ই এস পি, হিল হোল এসিস, রিভরস পার্কিং সেন্সর, সেফটি এক্সিট ৱার্নিং, ব্লাইন্দ স্পোট ৱার্নিং, রিয়র ক্রোস ট্রাফিক এলার্ট অমদি তয়ার প্রেসর মোনিটরিং সিষ্টেমনচিংবা য়াওরি।

আর এস এস প্রচারক লাইশ্রম যাত্রাদা কর্মযোগি এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) প্রচারক লাইশ্রম যাত্রা সিংহনা নেস্নেল সার্ভিসতা পুন্সি কখোক্তুনা তৌখিবা থবকপু শক খঙদুনা মাই হোম ইন্দিয়ানা ১৩ শুবা স্বামি বিবেকানন্দ সমৃতি কমাযোগি এৱার্দ ২০২৬ পীরগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

এৱার্দ অসি চৎলিবা থা অসিগী ৩১ দা ন্যু দিল্লিগী কন্সটিট্যুসন ক্লব ওফ ইন্দিয়াগী মবালংকা ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা লান্থোক্কনি হায়রি।

মাই হোম ইন্দিয়াগী নেস্নেল ইন-চার্জ ওফ নোর্থ ইষ্ট এক্টিভিটি সনোজ গুপ্তনা ফোঙদোরকখিবদি মণিপুরগী আর এস এস প্রচারক লাইশ্রম যাত্রা সিংহনা নেস্নেল বিল্ডিং অমসুং সোসিয়েল সার্ভিসদা পুন্সি কখোক্তুনা থবক কয়া তৌখিববু শক খঙদুনা এৱার্দ অসি পীগদৌরিবনি। কর্মযোগি এৱার্দ অসিদা সাইটেসন, স্বাল, মোমেন্টো, ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লাক্ষ অমা য়াওরি।

লাইশ্রম যাত্রা সিংহ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খাঙবোক খুল্লাকপম লৈকাইদা কুমজা ১৯৪৪ গী ওক্তোবর ১০ দা তাইবংদা খোঙদারকখি। মশাগী চহী ২২ শুবদা আর এস এস সখাদা শরুক য়াবা হৌরকখি। তুংদা বাস্কর রাও কুলকারনিনা সঙ্গ ওইনা পুথোকখি। মদুগী মতুংদা চহী অমরোম বৃস্তারক ওইনা থবক তৌরকখি। মখা তানা ফার্ষ্ট ইয়র সঙ্গ সিক্ষ্য ভাগ লোইশিনখি। মদুগী মতুংদা কুমজা ১৯৭১ দা প্রচারক ওইখি। মতম অদুদগী হৌনা চহী ৫৫ রোম অসি ওর্গনাইজেসন অমসুং লৈবাক অসিগীদমক্তা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌদুনা লাকখিবনি হায়রি।

ইবেমহল ভিসাল একাদেমিগী লিটরেরি মিট হৌদোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খোংজোম সাপমদা লৈবা বোসেম অমসুং কোহসেমদা এফিলিয়েট তৌবা ইবেমহল ভিসাল একাদেমিগী চহীগী লিটরেরি মিট অমসুং ফ্রেসর মিট ২০২৬ ঙসি স্কুল অসিগী কেম্পসতা মহৈরোইশিংনা পুথোকপা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ কয়াগা লোয়ননা হৌদোকখ্রে।

ওনৱার্দস টু নোলেজ এন্দ পার্ফেক্সন হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা এন্যুয়েল লিটেরেরি কম ফ্রেসরস মিট ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কোহসেমগী সেক্রেটরী কেঐচ অসিকুমার সিংহনা অথোইবা মীথুং, ইবেমহল ভিসাল একাদেমিগী প্রিন্সিপাল ডা. খোইস্নাম রনজিৎ সিংহনা থৌরম মপু অদুগা কোহসেমগী দিপ্যুটি সেক্রেটরী এন সাহেবনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। চৎলিবা থা অসিগী ৩০ লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবা চখুগদবা লিটরেরি মিট অসিদা শৈরেং থিবা, এক্স-টেম্পোর স্পিচ, মোনোলোক, জগোই-ঈশৈ, থাঙ-তা এগজিবিসন নচিংবা কয়াদা মহৈরোইশিংনা অথোই অহেন তান্নগনি।

মহৈরোইশিংবু ক্লাস রুমদা তাকপি তম্বিদুনা লৈবখক য়ারক্তবা, মখোয়গী পর্সোনেলিটি দিভলপমেন্ট লৈহন্নবা এক্সত্রা করিকুল্যলর এক্টিভিটিশিং পুথোকহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি স্কুল অসিদগী হৌখিবা নীট ২০২৬ তা মায় পাকখ্রবা মহৈরোই ২ তেকচম ময়াই লৈকাইদগী চিংথাম দেবেশ্বরি দেবী অপোকপা ওকেননা ১১৪ শুবা রেঙ্কতা অদুগা তেকচম লাইবুংদগী সোইবম নেপোলিনি দেবী অপোকপা ইনাওনা ১৫৭ শুবা রেঙ্কতা মায় পাকখিবদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা লেঙয়ান অমদি শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। অসিদসু নত্তনা স্কুল অসিগী তোঙান তোঙানবা ক্লাসতা থোইদোক হেন্দোক্লা অফবা মহৈরোইশিংদসু মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা কোহসেমগী সেক্রেটরী কেঐচ অসিকুমারনা ফোঙদোকখিবদি একাদেমি অসিগী মহৈরোইশিংদা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং অদু উথোকচনবা তঞ্জা অমা পীবসি য়াম্না থাগৎনিঙাইহিনি। মহৈরোইশিংনা উৎলিবা আর্ট অমসুং সাইন্সকী মোদেলশিং অসি য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

শৈরেংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ককচিং, ওক্টোবর ২৬ (এসএনএস)ঃ লাইরিক ফোঙবা তেঙবাং লূপ্না শীন্দুনা ঙসি মেরাগী থানিল নুমিৎতা মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

খা মণিপুর কোলেজ ককচিংগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা পুখ্রম্বম রঘুগী চুম্নাং লৈকাইদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মশা মশানা ইবা শৈরেং পাথোকখি। শৈরেং শৈদিন্নবা অদুদা জেদ ই ও ওইরম্বা নিমাই পুখ্রম্বম্না শৈদিন মপু ওইবগা লোয়ননা অহানবা ওইনা শৈরেং পাথোকখি হায়রি।

Space Coaching Centre
Kwakeithel Heinoukhongnembi Near RM school.
HURRY ADMISSION OPEN HURRY
REVISION COURSE FOR CLASS X
ALL SUBJECTS # RESDENTIAL MODE
STARTS ON 12TH NOVEMBER
HINDI TUITION CENTRE
SPOKEN HINDI COURSE 3 MONTHS
TUITION CLASS FOR ALL V-X
CONTACT -7005285138/9615455360

এডিটোরিয়েল
[illegible]

মেরাগী ১৬/১৭ নি পানবা লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ২৭, ২০২৬

[illegible]

[illegible]

মীৎকপ থোক্লসি

ঐখোয় পোনগী তেনৱা ওইররোইসি

তেনৱা উচেক ১০ রোম মী অমনা ফাজিল্লগা য়োৎকী খরা খজিক চাউবা পোন অমদা থল্লম্মী। য়োৎকী পোন অদুদা লৈরিবা তেনৱা ১০ মক অদুনা নোংম-নোংমগী য়োৎকী পোন অদুগী খারিবা য়োৎচৈশিংগী অশোনবা মফমদা চিকপদগী য়োৎচৈশিং অদু তৎকন্দবা খজিক খক্তা ঙাইশিল্লকই। মদু উবদা পোনগী মপু অদুনা তেনৱা ১০ অদু ৫-৫ নাকল-নাকলদা থল্লগাময়াইদা চোক্লা লাইন অমা চিংশিল্লি। মদুগী মতুংদা তেনৱা ৫-৫ গীদমক চানবা হাপ্পবা নাকল অমদা অশংবা মচুগী পাত্রা অদুগা নাকল অমদনা অঙাংবা মচুগী পাত্রা অমমমসু থমজিন্দুনা নোংমনা নাকল অমগী অশংবা মচুগী পাত্রদা চানবা পীক থন্না হাপ্পী অদুগা নাকল অমগী অঙাংবা পাত্রাদনা চানবা খরা খজিক খক হাপ্পি। অসুন্না নোংমনা নাকল অমদা য়ান্না হাপ্পা অদুগা নোংমনা নাকল অমদা খরা খজিক হাপ্পগী মপুগী থৌওং অদু উবদা তেনৱাশিং অদুনা চাকথুং চপ মান্নবা পীবিদে। নোংমনা নাকল অমদা য়ান্না অদুগা নোংমনা নাকল অমদা য়ান্না পীবা য়ারোই হায়না তেনৱা মশেন খৎনবগা লোয়ননা নাকল-নাকলগী ওইবা কমপ্লেন তৌনদুনা পোনগী য়োৎচৈশিং থদৎনবা হোৎনরম্বা তোকখিদুনা মনিংতম্না অহাংবা অতিয়াদা পায়নবগী ৱাখল্লোলশিং অদু মাঙখি। তেনৱা ১০ অদুগী মনুংদা খরা খজিক খন্থবা ঙম্বা তেনৱা অমনা ঐখোয় মশেল হান্না খৎনরম্বা নত্তে, লিংজেন মান্নবা পোনগী য়োৎচৈ অসি থদৎনবা পুন্না হোৎনরম্বনি। অদুবু ঙসিদি তেনৱা ঐখোয় মশেল খৎনরিবগী থৌওং লাল্লি হায়রুবদা তেনৱা ময়াম অদুনা নঙনা মীচঙ চঙলিবসি কনাগীনো অশংবা পাত্রা কাংবুগীরা নৎত্রগা অঙাংবা পাত্রা নাকলগীরা হায়না উংখৎনরক্তুনা নুংতি-নুমীৎ খুদিংগী চাকথুং কনানা হেন্না য়ান্না ফংই অমদি ফংদে হায়বগী ৱাখলদা মখোয়গী রাইট করিনো হায়বদু পূন্নমক কাউনখি।

তেনৱাশিং অদুগী মতৌ উবদা মপু অদুনা থম্মোয়নুংদা নোকফেৎ তৌরদুনা শেল লৈরবসু তৎকদৌরবা পোনগী য়োৎচৈ অদু শেমজিন্দ্রবসু য়ারগনি হায়না খনখি। অসুন্না ঐখোয়গী ঙসিগী খুন্নাই অসিদসু খায়বুং-খায়বুং তান্নহল্লগা মীচম মীয়ামগী চপচাবা রাইটশিং অদু তানবগী মহুৎতা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা উংখৎনহন্দুনা থন্নবা হোৎনরি হায়বসি কাউদুনা ঙসি মীচম মীয়াম ঐখোয়সু পোনগী তেনৱাশিং অদুগা পাঙ্খক ওইনা হিংলি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মণিপুরদা লৈরিবা মীচম মীয়াম অমদি লৈঙাক্কা চপ মান্নবা ৱাখল্লোল অমগী মখাদা থবক তৌমিন্নদুনা পুন্না চৎমিন্নরবদি ইরমদম মণিপুর শান্তি ফংদুনা চাওৎপগী লম্বীদা মাঙজিন থানা চৎপা ঙমগনি। লুরিবদি পূন্নমক অসি খঙনা-খঙনা ঙাইহাক্কী ওইবা খুদোংচাবা খরা অদুনা হেন্না লুম্না লৌনবদগী ঐখোয় ঙসি পুনশিনবা ঙমদনা লৈরিবনি। মীৎকপ থোকপা মতম ওইরে। ঐখোয় পোনগী অদুগুম্লবা তেনৱাশিং অদু ওইররোইসি। ঐখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং অদু চপচানা তান্দুনা তংদু লৈতানা হিংবা ঙম্নবা হোৎনরসি। ঙাইহাক্কি খুদোংচাবা খরা অদুনা তুংগী মীরোলশিংগী লাইবক লেপ্পা ঙম্লোই, হেন্না অৱাবা শোয়দনা তাগনি। ঐখোয় ৱিলপৱার অমসু লৈমিন্নবা চঙই। মণিপুরদগী মচেৎ তাদুনা তোঙান্না হিংবা পাম্বগী ৱাখল্লোল অদু ঙসিসু অহোংবা লাকপা লৈত্রি। মণিপুরীশিং মমা লৈবাকপু থৱায়দগী হেন্না নুংশিবা মীওইশিংনি, শুপ্নগী মীৎকপ থোক্তুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লগদবা অদু খক্তা ঙাইরবনি। লৌনম নমথাক তৌবা লুচিংবশিং মশক খঙদোক্তুনা অফবা লুচিংবশিংনা লৈঙাক পায়হনবা চুমগনি। অফবা লুচিংবদি ঐখোয়না শৌগৎফম থোকই। লুচিংবা অদুনা লৈবাক্কীদমক অফবা থবক তৌরকপদা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা য়েংদুনা য়ৈথৎনবা হোৎনবগী থৌওং লেপ্পসি। ফরগদি ফৈ অমদি ফৎত্রগনা ফৎতে হায়বগী থৌনা পাঙ্গল অদু ঐখোয়দা লৈরসি। ঙাইহাক্কী অনিংবা-অপাম্বা থুংবগা লৈবাক কায়বগা করম্বনা হেন্না ফৈ। নৎত্রগা ঙাইহাক্কী অনিংবা-অপাম্বশিং অদু থাদোক্লগা লৈবাক কলহৌবনা ফত্রা হায়বদুগী চপচাবা ফীরেপ লৌনবগী মতম অদু ঙসি ওইরবনি।

মেরা নিয়ম সেবা অমসুং অতৈ

অহিংবা মশিং থিঙমদনা লৈরিবা তাইবঙপানসিদা মী কৌবা অহিংবসিনা মচৎ অমসুং মগুণনা ৱাংখৎকে নত্রগা নেমথগে হায়বসি ঙম্মী, অতৈদি ঙমদে। ঐখোয় পূন্নমক হন্না হন্না পোকপা শিবগী থবক তৌই হায়বসি ইচম চম্না হেক্তা খঙবা য়াবা ৱাফমদি, 'ৱায় ৱায়' শিবগুম্মী' হায়বসি ফোঙদোক্লগনবা ৱাহৈশিং ওইবনিনা শিবা হায়বদু শোয়দনা খঙখ্রবনি। ৱাবগী ৱাহন্থোক্তি নমদুনা তৌহল্লি হায়বনি। চপ মান্নবা থবকসি নমদুনা তৌহনবগা ইশানা তৌনিংনা তৌবগা ৱাবগী ৱাখল ফাওবসি নমদুনা তৌহনবদনা হেন্দুনা অদুম লৈবনি। অৱাবদি কনাসু পাম্নদে, অদুগা ৱাদনদি নুংঙাইবা ফংদে। ৱারীবদু অশা অমগী মঙলান অমগী পান্দম অমগী নত্রগা পন্থুং অমগী ওইরবদি নুংঙাইনা লৌগনি। মদুদা মীনোক অমা ফংগনি মদুবু নুংঙাইবা মানবা অৱাবগী মীনোক নত্রগা অৱাবনা পীবা নুংঙাইবগী মীনোক কৌই। অসিগুম্বা মীনোকসি শৌগৎপিনবা ফংদ্রবা কনাগুম্বা লাইরবা ছাত্র-ছাত্রিনা অখন্নবা পরিক্ষা অমদা হেন্দোক্লা মায় পাকপা ফংবদা, অমুক্তংদি মীরক তিনবা ঙম্ব্রা য়েংগে হায়দুনা মচীনবানদা কাকফে চীকপা খঙদনা লৌবুক্তা ইঙ্খোলদা শুজ নোমজরিবশিংনা থাজবগী ৱাংমদা ফংলকপা মহয় উবদা অশিবা হায়বদু অসি ওইরে হায়না খল্লবা অচৌবা খুদোং থিবদগী অশোক অপন য়াওদনা নান্থোরকপা মতাংদা অমসুং অনিংবা অমগী হোংদবা ৱাখলদা পূন্নমক মায়োক্লরগা ফংলকপা পামজবা পান্দম ফংবদা শোয়দনা ফংই। মদু অরায়বা মীনোক নত্তে, অরোইবী থাদুনা হোৎনবগী পূন্সিবু পোন্থা থল্লগা শীঙন্দুনা ৱাজরকপগী মহয় য়ানবদা মশাদা মশানা পেঞ্জবগী লেমজরবা মীনোক্কি, হুমাং মরক্তা, অমোৎপা-অতৎপা ফি শেৎলগা, লৈখোম উফুলনা লৈতেংলবা মায়থোংদগী। মসি পূন্সিদা মায় পাকপা কৌই। ফিরেপ্তি ইশাগী ওইগনি, পাউতাক্তি অখঙবদগী লৌগনি, মতৌদি মশামক্লা হায়বদু তৌবা মীদগী তমগনি, মতুংদদি য়াম্লা লাকখ্রবা লুচিংবগী মহুত্তা খুৎ পায়দুনা চিংখৎপা ঙম্বা মফমদা মাঙ থাদুনা চৎপগী ইনগনি, ইমান্নবদগী ৱা তানবগী চানবা ওইগনি, মতেংদি হিংমিন্নগদবদগী লৌগনি। নিয়মসি কায়বদা পূন্সিদু কান্নবা ওইগন্দে, ইপাক্তা ইরোয়বা হৈতবনা ওইবা মতৌদু মায়োক্লবা তায়।

পূন্সি খুদিংমক মহয় য়ান্নিংই, মায় পাক্লিংই, অদুগা হোৎনবদি পামদে। মুল্লগা চাবা হৈনবশিংনা মবুক্তি থনবা য়াই, লৈতনা হিংবদি ওইথোক্তে। মীনল্লগা খুদোং চাবা লৌবশিংদি শোয়দনা মাবুসু মীনম্বীবা অমা মায়োক্লগনি। খুদোং থিবনা থল্লবা হিংবগী থৌ অসিদা কমদৌনা খুদোং থিবশিংদগী নান্থোক্কদগে হায়বদুনি অখঙ অহৈশিংনা মচা-মনাও, তুংইঞ্জবশিংদা অসি তৌ, অদু তৌগনু হায়না তাকপিরম্মী। মখোয়শিংদুগী মনুংদা মেরা থাগী নিয়ম সেবা অমসুং অতৈ থবকশিংসু মরুওইবা অমনি। নিয়ম সেবাসি হৌজিকসু তৌনরি অদুগা মহৌশাগুম্না তৌদবা য়াদে হায়বদুমদি খরা হন্থরব্রা খল্লি। অদুবু ৱানিঙাই ওইদে মরমদি মচী হৌরকপদা ঙায়বা ষণ লমচানা লৈপুং খুদিং ৱানিংবসি অনৌবা নত্তে। নোংচুপ্লোমগী সংস্কৃতি, মোগোল নিংথৌশিংগী ওৎ নৈবশিং য়ামখ্রবা চয়েৎনহনবা ময়ামসিনা মোৎহনখ্রবা ভারত মচাশিংগী ৱাখল্লোন মশানা চরাংনফম থোকপনি। বৃটিশকী সাসনদি লোয়খ্রে অদুগা মখোয়গী চৎনবীগী ৱায়েলদি অদুম লৌথোক্তনা লৈরি। মায়খুম হাংদোক্তনা মায় তাবগী কান্নবা লৈরোই। লৈবাকসিদা চৎনরম্বা চৎনরমদবা অমত্ত লৈত্রবনি। শিংজুদগী মোরোক খায়দোকপা অরায়বদি নত্তে অদুবু চারিবা মীদুনা খন্দোক খন্দোক্তনা চারবদি মোরোক্লা পীবা মৈশাদি ফংলরোই। অসুম্না শিংজু ওইরবা মতমগী চৎনবী ময়ামসিদগী কান্নগদবা মানবা খরদং লৌখৎনবা হোৎনবা তঙায় ফদবা ওইরকই। ভারত জাতিদা চহী চা কয়া বৌধ অমসুং জৈনগী কোক্কী লান থেংনখ্রবনি। শঙ্করাচার্য্যগুম্বা খরনা মায়থিবা পীবিখি। মোগোলশিংনা লাইশঙ থুগায়বনচিংবদা শাফু পীরগা চহী চা কয়া অমসু লান্দাখ্রবনি প্রজাশিংদা। মদুদসু অনৌবা লাইশঙ কয়া থোরক্লবা ওইখি। অরোয়বদা ফিরঙ্গিশিংনা সংস্কৃতিদা কুইনা লান্দখি। মখোয়গী লান্দগী ফংবা লায়নান কাঙলুপকী ইৱাং, মচীন মনাও খৎনবগী মরম হায়দুনা হিরমসিদা খুৎথাবা কয়ানা অমুক ঐখোয়দা তাকপিরি। মরম অসিনা ইশাগী পাঙ্গলগী মতুংইন্না মিয়াম অমসুং লন্নাইগী ওইবা থৌরম থৌদাংশিংসিগী মরম কান্নবা অমদি অতৈ মরী লৈনবশিংগী নুংদা লোৎলিবশিংদু করিনো হায়বা খঙনবা হোৎনবনা অফববু পামজবা, নুংশিনা হিংমিন্নববু খৌরাংবা অমদি লাইরৈপাক তান্থোকপা ঙল্লবদি হায়না অশা থমজবশিংনা মঙশিল্লক্লবা চৎনবী থৌরমশিং নৈনদুনা খঙমিন্ননবা হোৎনরি। পান্দম অদোমদনি চৎচরিবসি।

মেরা পূর্ণিমাদগী হিয়াঙ্গৈ পূর্ণিমা ফাওবগী মরক চাউরাক্লা নুমিৎ কুপ্পানিসি য়ুম্বানবশিংনা মাগী মাগী শুমাঙদা ৱা য়ুংলগা মদুদা থৌরি মচাগী মতেংনা থাউমৈ থানবগী চৎনবী চৎনরকখি। মসিবু মেরা থাউমৈ কৎপা, মেরাবোন য়ুংবা হায়বনচিংবা মমিং কয়া কৌনৈ। কেরোসিন ফংলবা মতুংদা লাটেন নত্রগা পোদোন অমদা থাউ হাপ্লগা য়াম্না পাবা ৱানা শেন্বা বোন। পোন অমদা থমদুনা থাউমৈ থান্নরম্মী। খুৎশা হৈবগী ফজবা ময়াম লৈ। হৌজিক মতমদা লাম্বীদসু য়ুমদসু থাউমৈ ঙাক্ত ঙায়রবনিনা থাউমৈ থানবগী কান্নবসি কাউথোক্লফম থোকই। ঙসিদগী চহী ৫০ / ৬০গী মমাঙদদি মসি ফংলমদে। মনিংদা ৱাপল মমাঙদা উজাও ইংখোলদা নাপী নত্রগা পাম্বী মচাশিংদা য়াম্না শোঙনা লৈনরম্মী। মতমদুদা মরু ওইনা মেরা-হিয়াঙ্গৈ থাসিদদি থা কয়া চাদ থক্তনা লৈনুংদা নত্রগা লৈকুৎ লৈরাইদা হিংগদবশিং, হঙোই, থরোই, লিন, ৱাহি, থরাই কোকপী অসিনচিংবা অপিকপা তীন কাঙ চারগা হিংজবা জীবশিংনা মখোয়না লেল্লুগদৌরিবা শাংলবা মতমদুগীদমক ঙম্মীবমখৈ চাশিন থকচিন্নবা হোৎনবদা মৈঙালদা পায়বা অপিকপা জীবশিং, মতমদুদদি ইমুং নত্তবদা মৈ থান্নদবনিনা ইমুংদা পায়শিল্লকপা,চঙশিল্লকপগী চাং য়াম্না ৱাং লম্মী। অসিদসু নত্তনা শাগৎলম্বদগী ইংথরকপা, ঋতু হোংলকপগী মতুংইন্না মীওইবগী হকচাংদা লাকপা য়াবা হৱা-নুংশিৎ ওনবনা থোকহনবা লায়না তীননা কয়াদগী ঙাকথোকচন্নবা ইশাবু নিয়ম চুম্না লৈনবা, চেকশিন্নবা, ৱাখল লৌশিং পীগদবা ৱারী লাইরিক তাদুনা লৈবগী চৎনবীদুবু মেরা নিয়ম লাইরিক তাবা হায়না চৎনরম্মী। মতমদুদদি ইবা পাবা ঙম্বা মী য়াম্না মরাং কায়রমদে, অদুনা লাইরিক লাইশু হৈবশিংনা ৱারী নত্রগা লাইরিক্তগী পাথোক্লগা মদুগী ৱাহন্থোক পীদুনা মীয়ামদা তম্বীবগী চাউরবা থৌদাং অমসু অখঙ অহৈশিংগী খুত্তা মীয়াম্না শিন্নবীরম্বনি। মদুগী হক অদু মতাং চানা ইংবসু নক্ত্রিবা শাবসু

আচার্য্য ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

নক্ত্রিবা মতমসিদা ৱাখল খনবা তম্বীনবা অখঙ অহৈশিংদুনা মীয়ামদা মখোয়গী লৌশিং ফংমিন্নরম্বনি। মদুবু নিয়ম লাইরিক তাবা কৌই। মদু মন্দবগুম্বা অমদা লেঙদনা তৌবগী নত্তে। য়ূম য়ূমদা চৎলগা ঙম্মীবমখৈ ময়ামদগী চখোকপা ঙমদবশিংদসু তাহন্নবা হোৎনবনি। অসুম্না ৱারী লাইরিক তাবসি ইংলম্বদগী শাগৎলকপা মতম শাজিবু কালেন্দসু লৈকাইগী মান্দব নত্রগা মফম চাবদা তৌনরম্মী। উখোংদা জুৱা শান্নবা, কদাইদনো অমা ফল্লগা ময়াই কাবা চাবা থকপা তৌখিগদৌবদগী কন্ননবা হোৎনবা মতৌসু ওইরম্বা য়াই। অওইবমক হৌজিক চহী ৬০ হেল্ললবশিংনা অদুগা নহাশিংনা চাক চাবদা ইরুজদবা অদুগা অশেং অমাং খঙদবা চৎনবী ওই। খেন্নবদি তৌরিবদু চুমদে হায়বদুমদি অহল ওইবশিংনা খঙদি খঙই। অদুগা অঙাংশিংনদি ফত্তবনি খঙদে। মদুগী অচৌবা মরমদি অহলশিংদুনা অঙাং ওইরিঙৌদা ৱারী লাইরিক তৌখিবদুগীননি। অঙাংশিংদদি খুদোং চাবসি পীদ্রবনি।

লাইরিক হৈবা হায়রগা এম এ, বি এ, আই এ এস, দোক্তরেট অসিনচিংববু খঙনৈ। মখোয় মখোয়গী হিরমশিংদুদি খঙলমগনি অদুগা মখোয়না ইথিক্স, মোরেল, বিহেব্যরনচিংবা সমাজগী নপশিন্নবা মচাকশিংদি তুংওইনদে হায়বা ঙমগনি থাজদে। ৱাখলসিদা হঞ্জিল্লক্ত্রবদি ভুত শান্নবা ভুতনা হাৎলি হায়বগুম মহয়দুনা হাৎপা শোয়দনা লাক্কদবনি। থবক ফংদবগী ঙাওচৎনবা য়াওরবদি মদু মানা তম্লুবা মহয়ননি হায়দবা য়ারোই। পতাঞ্জলি যোগদা নিয়ম হায়বসি মশাসু মবুক্লিংসু পূন্না ফহন্নিংবা মীশিংনা তৌগদবা থৌরম মঙা তাকপা অনীশুবা পন্দুপনি নত্রগা থাক্লি। পাঙথোক্কদবশিং অদুদি তরু তন্নানা শেংবা (শৌচ), পেন্থোকপা (সন্তোষ), তপ (খাঙ কনবা), নৈনবা (স্বধ্যায়) অমসুং অথোইবদুদা চঙজবা (ঈশ্বর প্রনিধান) অসিনি। তশেংনা হায়রবদি পতঞ্জলি ঋষিগী মতুং ইন্না মপানগী হকচাংদা অনা অয়েক লৈহন্দবতা নত্তনা পূক্লিং অমসুং নুংগী হচাংসু মশা ফনা থমগদবনি হায়বনি। চীঙফুকপা ঙম্বা হকচাংদু হায়ন তানবা য়াদ্রবদি খুদোংথিবা নত্তনা করিসু ফংনিংঙাই ওইদে। মরম অসিনা হকচাং ফবগা লোয়ননা পুক্লিং ফবা হায়বসিসু থোয়দোক্লা দরকার ওইরিবনি। নিয়ম কায়বা মীদি কুইনা হিংবগী হক ফংদে।

নিয়ম কায়বদি পূন্নমক্তা থবক লেপহল্লি। অদুনা নিয়ম ইনগদবনি। নিয়মগী অহানবা শৌচ হায়বদি তরু তনানবা হায়বসি মশা ফনবা পূক্লিং ফনবা, লৈমিন্নবা হিংমিন্নবদা অকায়বা, অপনবা থোকহন্দবনা মরমনি।

তরু তনান্দবদা তীনগী খোঙদাফম ওইদুনা তীন য়োকফম ওইহল্লি। ইকুই কুইদনা মীয়াম হাৎখিবা লায়চৎ অদুদা তরু তনানবগী মগুণ অমসুং তঙায় ফদবা মালেম খঙনা খঙনখ্রবনি। তরু তনান্নবগীদমক মাংই, তৌহৈদে, নামুংই হায়বনচিংবা থবক মতাগী মতুং ইন্না হায়নবা তানরিবনি। তরু তনানবসি মপানগী হকচাং অমসুং নুংগী হকচাং অনীমক্কীনি। পূক্লিং ফৎত্রবা, মোৎলবদি হকচাংদা লূ-নানবনা হেন্না খূদোংথিবা পী। অদুনা পূক্লিং লূবা তাই। পূক্লিং লু-নানবগী অহানবা উপায়দি ঐঙোন্দা তৌহন্নিংদবদু অতোপ্পদসু তৌদবা, অফবা ওইবা, অফবা তৌবা হায়বনচিংবা ময়াম লৈ। অনীশুবদা, পেন্থোকপনি। মসিদি পূক্লিংগীনি। মচা পল্লগা চাক চারিবী মমাগী তম্বাক্তা মচানা অমাং অশোই তৌবদি নাচুংদে, অথাপ্পদা লোক-তিন শীৎপগী মখোন তাবদদি চাক চানিংদে। মসি পূক্লিংগী থবক্লি। পেন্থোক্লবা উপায় অনীখক লৈ অমনা ঈশ্বরনা তম্বনি হায়না খনবা অদুগা অমনা নুংশিবা হৈবা। ঈশ্বর নৎত্রগা খ্বাইদগী হেনবুদদা তাইনরবদি ইশাদা পেন্দবা লৈরোই মরমদি পুমঙম ঙম্বদুদা করিমত্তা ঙমদবা মীনা কৈদৌরুনি। অদুগা নুংশিবা ঙল্লবদি লোয়না ফরে। নুংশিবা হায়বসি নীবদা পীদবনি, তারম্বদগী খুনবসু লৈতবনি। মাদি চীনগী, খূৎকী অদুগা পূক্লিংগী পোৎসু নত্তে। আত্মাগীনি। অত্মগী পোখোক নুংশিবসি অপাম্বদসু পীবা ঙমদে, পামদবদগীসু মুন্দুনা লৌশিনবা য়াদে। তৌবতদি মহাকপু য়াওখ্রবদি পেন্দবা অমত্তা লৈতবনি। ঈশ্বরনা তম্বনি হায়বনা খাঙফম ওইনবগী ৱানি, নুংশিবগী ওইরবদি মহূ চল্লবনি। খাঙবা খনবা হায়বসি অহুম শুবা নিয়মগী মচাক্লি। ঙায়বসি খাঙবা কনবগী খুদন্নি। ওইনিংবা ওইসনু ঙায়বননিবু হায়রবদি খাঙবা ঙমদবনি। খাঙবা কন্দবনা থবক মপুং ফানা পাঙথোক্কন্দে। মীনা পান্নবশিংগী মনুংদা ইকায় খুন্নরকপা হায়বসি অমনি। আশা তৌবা কনাগুম্বদগী ঈকাই খুন্নবা পীরক্তবা হায়বসি খাঙবা ঙন্নদে। চৈনিংই, ইগুন তাক্লিংই, শাগৎহল্লি। অদুবু পূন্নমক্তুস খাঙগনি। মরমদি মসিসু নীবদা পীরক্কদবা নত্তে, করিগুম্বা পীরল্লবসু হেন্না শাওনিংবা ওইবা য়াই। পূন্নমক খাঙগে হারবদি থকশি খাশি নাইবা, নাপল লৌথোকপা অমসুং মরম চানা পেন্থোকপা তাই। পূন্নমক লৌশিংগী মখা পোল্লি। থাঙ, তানচিংবা ফেঙবা মথৌ তাই, অদুগুন্না লৌশিংসু ফেঙদবা য়াদে। লৌশিং ফেংফমদি লৌশিং লৈবা মরক্তনি নৎত্রগা লৌশিং পৈফমদনি। অহানবগীসিনা অচুম্বা চৎপা অশিংবশিংগা তিন্ন তোৎনবদগী ফংই অদুগা অকোনবগীসিনা অফবা লাইরিক্তগী ওই। অদুমক, হন্না হন্না নৈনবদুমক শ্বধায় নৎত্রগা মথন্তা নৈনজবা হায়। তুরেল ঈচেলদা ঈরুপ্পদা অমোৎপা পূম্বা কোকপগুম ইশামক ঈশ্বরদা লুপচরগা অৱা অনাগী চৈথেংদগী নান্থোকপা য়াই। মঙাসি তম্বীবা অমসুং তম্ববু মেরা নিয়মগী পান্দমনি।

মেরা থাগী ২৮নি পানবদগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা ফাওবা, নুমিৎ মঙানি অসি যমরাজ (অশিবগী লাই)না তাইবঙ মীরক্তা লাকই হায়না থাজনৈ। ২৮নি পানববু ধনতেরস হায়নসু কৌই। নুমিৎসিদা সনা-লুপা লৈবদি য়াম্না কান্নৈ হায়না খন্নৈ। নুমিৎসিদা অমুবা মচুগী পোৎ, য়োৎ, এলুমিনিয়ম, প্লাষ্টিকনচিংবদি লৈনদে। নুমিৎসিদা লক্ষ্মী নৎত্রগা লনগী লাইরেম্বীনা মীওইবদা য়াইফ পীবিগে হায়বনি থাজনৈ। হৈপান্দগী অমুনবা কেনবদি হৌনশানি, অশংবনা কেনবদি নত্তে। মরম অসিনা নহা ওইবনা শিদনবা মেরা কুন্নিপান্নি পানবগী য়াচংবা মমাঙ নৎত্রগা মতুংদা থোঙ্গালদা চদুম অহুমদং ধুপ থাউমৈগা থাদোকপা চৎনৈ। মেরা কুমাপন্নি পানববু যমদ্বীপানিতা কৌনৈ। নুমিৎসিগী য়াচঙবদা নৎত্রগ মতুংদা শুমাঙ, থোঙ্গাল, তোর্বান, মঙ, ষণগোন, অমাংশঙ, ইমুং লময়াই, লাইশঙ মফম নিপান্দা থাউমৈ কৎনদুনা যমরাজদা ইকায় খুন্নবসু উৎনৈ। মসিনা ইমুংদুদা ভুৎ প্রেৎনচিংবা ফত্তবা শক্তি ঙাকথোকপদা তেঙবাংই হায়না থাজনৈ। মেরা থাশিদা মৈ থান্নৈ। শ্রীরামনা অযোদ্যাদা হল্লকপনি থাজনৈ। কালি পূজা, লক্ষ্মী পূজা, অলক্ষ্মীপূজা, পিতৃ নৎত্রগা যোরশীনচিংবা পাঙথোক্লৈ।

অসুম্না মেরা থাসিদা মরু ওইবা থৌরম ময়াম থম্বীদুনা অদুগা মরম তাকপীদুনা লৈবাক্কী প্রজাগী য়াইফনবা মাঙ থানা খঙখ্রবশিংনা থম্বীরম্মী। ইনবা ইন্দবদি ইশা ইশাগীনি। (ওঁ তৎসৎ)

শিক্ষাদা ধর্ম্মগী মফম

–ময়েংবম মণিহার সিংহ –

মহৈ তম্বা হায়বসিগী ফলদি জ্ঞান লৈবা হায়বসিনি। শিক্ষানা মীওইববু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপি। শিক্ষানা মীওইববু লৌশিংগী থোঙ হাঙদোকপীদুনা মশাবু মশক খঙজনবগী অশেংবা, অচুম্বা, নুংঙাইবগী লম্বেল ফঙহল্লি। মসিনা মীওইববু অফবা আত্মা জ্ঞান য়াকাইহন্দুনা নুংঙাইরবা পূন্সিগী লম্বেল অদু ফঙহনগদবনি।

শিক্ষানা মীওইববু ৱাখল, থম্মোয়, অমসুং পাঙ্গল চাওখৎহল্লি। পূক্লিং, হকচাং অমসুং আত্মাবু চাং চানা চাউখৎহনবা অসিতনা অশেংবা শিক্ষাগী পান্দম্নি। চম্না হিংবা অমসুং অৱাংবা ৱাখল খলহন্দুনা মীওইববু মতম মতমগী ওইবা সমাজগী ফিভমগা চাননা পূন্সিগী লানফমদা মায়পাক্লবা হোৎনবা হায়বসি মহৈ তম্বগী পান্দম্নি। অসিদা নৎতনা ছাত্রশিংদা জীবশিংবু নুংশিবা অমসুং ঈশ্বরবু মশক খঙহনবা পারা তম্বীগদবনি। অচুম্বগী পাঙ্গল, পুকচেল শেংবা, থৌজাল হৈবা অমসুং থৌনা ফবগী ৱাখল ফাওহনগদবনি।

অরোয়বা ওইনা শিক্ষাগী থাঙ্গৈশেংবা পান্দমদি, মীওইবগী মশাদা থুপ্তুনা লৈরিবা লাইগী ওইবা অশেংবা গুনশিং অদু য়াকাইহন্দুনা মহৈরোইশিংবু নুংঙাইরবা পুন্সি অমদা লেনহন্নবা হোৎনবা হায়বসিনি।

ঐখোয়না মৈ হৌবা লেকচর কয়া পীদুনসু ছাত্রশিংবু অশেংবা মী ওইহনবা ঙম্লোই। দরকার ওইরিবদি স্কুল অমদি কোলেজশিংদা অকনবা সাধনাগা লোয়ননা স্পিরিটচুয়েল দিসিপ্লিন পীবা অমসুং আত্মা জ্ঞান ফঙহন্নবা হায়বসিনি। হৌজিক্কী মতমগী মখল মখা কয়াগী শিক্ষাশিং অসিনা মীওইবগী মপুং ফাবা শিক্ষা ওইবা ঙম্লোই, অশেংবা আত্মা, জ্ঞান পীবা ঙম্লবত্তদা মপুং ফাবা শিক্ষা ওইগনি।

ওজা অমসুং ছাত্রগী মরী ঃ–

মমাঙঙৈগী ভারত্তা ওজা অমসুং ছাত্রগী মরক্তা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনরম্মে। মদুগী মরী অদু হৌজিক মাঙহন্দনা থম্নবা হোৎনগদবনি। ওজা অমসুং ছাত্রগী মরী অসি য়াম্না নুংশিন্নবা মপা অমসুং মচাগী মরী অদুগা চপ মান্নগদবনি। শেলনা শেন্বা হায়বদি শেল তান্নবগী, তলব ফংনবগীতা ওইবা মরী অদুনা ওইবা য়াদে। মখোয় অনীগী মরক্তা অৱাংবা থাক্কী ওইবা নুংগী মরীনা পুনগদবনি।

ওজানা ছাত্রশিংবু য়াম্না ব্যবহর লৈনা, হায়বা ইন্না চৎকন্দবনি। ছাত্রশিংনা নুংশিবা, লুনা তৌবা হায়বা ইনবা ওজা অমা ওইগে হায়বা অসিনা ওজা অমা ওইবগী অশেংবা গুননি। মতম অদুতন্দা মনা তম্বীবগী ফল তাগদবনি।

স্কুল অমসুং কোলেজগী ওজাশিং অমসুং প্রোফেসরশিংগী অমত্তা ঙাইবা মথৌদি ছাত্রশিংবু নিয়ম চুম্না তম্বীবা হায়বা অসিনি। মখোয়না মখোয়গী মশাবু হান্ননা অফবা লমচৎ, শাজৎ অমসুং অশেংবা পুন্সিগী মপু ওইনবা হোৎনগদবনি। হৌরক্লিবা নহারোল, ছাত্র-ছাত্রিশিংগীদমক্তা কখোল্লবা পুন্সিদা লেনগদবনি। মতম অদুতন্দা ছাত্রশিংবু অচুম্বা মওংদা লমজিংবা ঙমগনি। ওজা ওইবগী থবক্তা চঙগে হায়রবদি হান্না ওজা ওইবা হায়বসিগী অৱাংবা থাক্কী দায়ত্ব অদু মশক খঙগদবনি। চুম্নগী লাইরিক লাইশুগী ওইবা জ্ঞান খরা ফঙলুবা অদুতনা অফবা ওজা অমা ওইবগী মগুন অদু ফংবা ঙম্লোই।

ওজাশিংদি ধর্ম্ম চেনবা, ঈশ্বরবু থাজবা মীশক ওইগদবনি। অধ্যাত্মিক সাধনা অমসুং ধ্যান জপ্তা চাং নায়বা, ফিদম্নিঙাই ওইবা মীশক ওইগদবনি। ছাত্রশিংনা ওজাশিংগী পুন্সি ফিদম অদু লৌদুনা মখোয়গী পুন্সিবু শেমজবা তমগদবনি। তুংগী সমাজগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা নহারোলশিংবু অফবা মায়কৈদা লমজিংনবগী মরু ওইবা দায়ত্বা অসি ওজাশিংগী পুন্সি শান্তি ওইনা হিংহনবা য়ান্নবা অমসুং শেল থুমগী অৱাবা লৈহন্দনবা হোৎনবীগদবনি। স্কুল অমসুং কোলেজশিংগী হেডমাষ্টর অমসুং প্রিন্সিপালশিংবু যোগী অমসুং মুণি, ঋষিশিংগী ফজবা ৱাখল্লোননা লমজিং ওইগদবনি। অসিগুম্বা স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুণিভর্সিটিদগী থোক্লকপা অশেংবা শিক্ষা ফঙলবা নহারোলশিংতনা ভারতকী মীংচৎ পুরক্কনি অমসুং নুংঙাইরবা শান্তি যুগ অমা পুরক্কনি।

থায়নগী গুরুকুলগী ছাত্রশিং ঃ–

মমাংঙৈগী গুরুকুলদা পীবা শিক্ষাগা হৌজিক্কী মতমগী স্কুল কোলেজদা পীরিবা শিক্ষাগা অশুক্কী মতিক খেন্নখ্রে। হৌজিক্কী ধর্ম্মা য়াওদ্রবা শিক্ষানা মতম অদুগী গুরুশিংনা পীবা পাউতাক্কা খেন্নবা অদু য়েংসি। পুন্সিগী চঙগদবা নীতি নিয়মশিং থবক ইনখাং পূন্নমক তম্বীবা লোয়দুনা গুরুকুল থাদোক্তুনা ময়ূমদা হল্লমদাই মতমদা গুরু অদুনা মাগী শিষ্য অদুদা অরোয়বা পাউতাক পী– ' অচুম্বা ঙাংউ, নথৌ পাঙথোকউ, বেদ নৈনবা তোক্কনু, নশাগী নুংঙাই য়াইফনবা অমদি লৈরিবা লন থুমবু চেকশিল্লু। ঈশ্বরদা অমদি ইমা ইপাদা তৌগদবা অমদি চৎকন্দবা নথৌ কাউথোক্কনু। নঙবু পোকপা ইপা ঈশ্বরনি নঙবু পোকপী ইমা ঈশ্বরনি। অশেংবা অফবা থবক্তু তৌগদবনি। ফত্তবা থবকশিং থাদোক্কদবনি'।

গুরুকুলগী ছাত্র খুদিংমক প্রানায়ম, বেদ, মন্ত্র, যোগাসন, গীতা, রামায়ন, মহাভারত অমসুং উপনিষদশিংগী জ্ঞান লৈরম্মী। জ্ঞান খুদিংমক মীনুংশিং, হায়বা ইনবা, সেবাগী ৱাখল, নোল্লুকপা অমদি মশা কখোকপা অরোয়বদা আত্মা জ্ঞানগী অপাম্বা লৈরম্মী। মপুং ফাবা ধর্ম্মগী ওইবা অচার-বিচার তম্বা হায়বসিনা মমাংঙৈগী ছাত্রশিংগী মরুওইবা পান্দম্নি।

হৌজিক্কী মতমগী ছাত্রশিং ঃ–

হৌজিক্কী স্কুল কোলেজগী ছাত্রশিং অসিদি মথক্কী পনখ্রিবা গুনশিং অসি অমত্তসু য়াওদে। মশা ৱারকপা হায়বদু খঙখিদ্রে। অঙাং ওইরিঙৌদগী হৌনা অকে অমৌদা তাওবা, হায়বা ইন্দবা, লমহেনবা, মী উংশিতবা, লমচৎ য়াওদবা শাজৎত্তা হৈনবী ওইখ্রে। মমা মপাদা অমদি ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবা ইকায়নবী ওইখ্রে। ব্রক্ষ্মাচার্য অমদি মশা ৱারকপা খঙখিদ্রে। মখল মথেলগী ফিজেৎ লাকচেৎ, পামদ্রবা চিঞ্জাক, ফত্তবা শঙ্গ, সিনেমা, দ্রামা, নোংচুপলোমগী লমচৎ শাজৎ অসিনা মশাবু মীহৌলাংদা থুহল্লে। কোলেজ ছাত্র খুদিংমক মীতৌ তম্বগী লাংদা থুখ্রে। চুরুপ থকপা, ক্বা চাবা, নিশা শীজিন্নবা, শা চাবনা অহানবা হৈনবী ওইখ্রে। মথৌদা পূক্লিং চঙবা, চাং নায়বা, হোৎনবা কনবা, খাঙবা কনবনচিংবা অফবা গুনশিং মাঙখ্রে। ইনাক কৈরাক খুনবা অচৌ অশাংগী মচা মশুশিংনা অমুক্কা হেন্না শাথিখ্রে। ফত্তবা মকোলদা হৈনবা, নিশাদা জুৱারদা ঙাওবনা অফবা ওইরবোই নীংখ্রে। ধর্ম্মগী অমদি অফবা পাউতাকশিংবুনা তাবদা তুজুংবা পোৎ ওইনা লৌখ্রে। লমচৎ ফজবা, অফবা তৌবা ছাত্রশিংবু তুক্কৎচবা মীৎয়েংনা য়েংনখ্রে। কনাগুম্বা ছাত্রশিংদি মশাগীদমক ফাওবা চেকশিঞ্জবা ঙমজদ্রে। মফম খুদিং ছাত্রশিংগী মশা ফত্তে, নিশাদা লায়চুখ্রে। চাউখৎপগী পোৎ চৈশিংনা নহারোলগী মশা শোন্থহনখ্রে। ফেসনগী জগৎ ওইখ্রে অচম্বা ফিজোল শেৎচববু হঙ্গোয়বা পোক্লরে অৱাবনি।

শিক্ষাদা ধর্ম্মগী মফম ঃ–

মীওইবগী পুন্সি মরমদা নৈনবা হায়বসিনা মহৈ তম্বগী য়ূম্ফম ওইগদবনি। মী ওইনা পোক্লকপগী অর্থ করিনো ? পুন্সিগী অরোয়বা পান্দম করিনো হায়বা খঙহনবা ঙমদবা শিক্ষাগী পথাপ অদু কান্নদ্রবা অমসুং অরেম্বা শিক্ষানি। মোরেলগী দিসিপ্লিন য়াওদ্রবা লৌশিং তম্বীরিবা এডুকেসন অদু মীওইবগী মাঙনিঙাই ওইবা এডুকেসননি। অফবা লমচৎ য়াওদ্রবা লাইরিক হৈবশিং অসি মশাগী অমসুং সমাজগী খুদোং থীনিঙাই মশক্কি। মোরেল দিসিপ্লিন য়াওদবা পূক্লিং অমসুং হকচাংতগী মহৈ হৈবা হায়বা অসিনা মীওইবদা অকনবা অশেংবা , অফবা লমচৎ শাজৎকী মপু ওইহনগদবনি। হৌজিক্তী মতমগী শিক্ষাদা অফবা লমচৎ শেন্দ্রগী পরা য়াওদে।

নুপীমচা অমদি নুপামচা খুদিংমক অধ্যাত্মিক্ বিদ্যাগী খুৎলোয়বা নিয়মশিং তম্বীগদবনি। অধ্যাত্মিক্ বিদ্যা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা তৌদবা য়াদ্রবা তঙায় ফদবা বিদ্যা অমনি খঙহনগদবনি। অধ্যাত্মিক্ বিদ্যা য়াওদ্রবা সমাজ অসিদা কায়নথংদদি অচুম্বা হায়বা অদু মাঙখ্রগনি। ধর্ম্মগী মশক খঙন্নরক্লরোই। শান্তি হায়বদু থিবা ফঙল্লরোই। হৌজিক্কী স্কুল কোলেজশিংনা অসিগুম্বা মখলগী মরেক মহাও য়াওদ্রবা এডুকেসন অসি নহারোলশিংদা পীরি। ছাত্র ছাত্রশিংনা পুন্সিগী পান্দম খঙদনা লাইরিক তল্লিবনি হায়দুনা পংচৎত্তা চৎলি। লাইরিক হৈরগা তলব চাগনি। শেল ফঙগনি হায়বা ৱাখল অসিতনি মখোয়না খল্লিবা । ' ধর্ম্ম য়াওদবা শিক্ষানা অঙাংশিংবু দাকু ওইহল্লি ' খঙজিনগদবনি।

সেকুলার ষ্টেটকী অর্থ ঃ–

সেকুলার ষ্টেট হায়রগা ধর্ম্ম য়াওদবা হায়বদি অচুম্বা, নুংশিবা, কখোকপা, সেবা, থকশি-খাশি য়াওদবা, ঈশ্বরবু থাজদবা লৈবাক অমনি হায়না হেক্তা লৌগদবা নত্তে। কাঙলুপ নায়বা, মীগা মীগগী মরক্তা খেন্নবা থম্বা অখুবা মীৎয়েংগী ধর্ম্মগী ওইবা চৎনবীশিং অদু থাদোল্লগা পাক চাউরবা ধর্ম্মগী পাউতাকশিং অচুম্বা, অফবা, কখোকপা, মশা ৱারকপা, ইন্দ্রি খুদুম চনবা, ভক্তি ব্যবহার, মীনুংশি, দান অমদি অরোয়বদা মশাবু মশানা খঙজবা আত্ম জ্ঞান অমসুং ঈশ্বর নুংশিবা হায়বা অধ্যাত্মিক্ বিদ্যা অসি শোয়দনমক তম্বীগদবনি। মীওইবগী নুংদা লোৎতুনা লৈরিবা দিব্য গুনশিং অদু অদুতদা য়াকাইরক্কদবনি। মী খুদিংমক্কী থম্মোয়দা হায়রিবা লাইগী ওইবা গুনশিং অসিনা মপুং ফানা লৈন্নরবা মতম অদুতদা নুংঙাইবা লৈবাক অমা ওইগদবনি। অসিদি নৎতদুনা সেকুলার ষ্টেটনি খর্ম্মগা মরী লৈনবা য়াদে, ঈশ্বর পনবা য়াদে, প্রার্থনা য়াদে, আত্মা জ্ঞান খঙদে, নুংগী ৱা লৌদে, মপান ফজরগা লোয়রে হায়বা তম্বীবা অসিনদি অফবা মী শেন্বা ওইথোক্তে।

ভারত্তা চৎনরিবা শিক্ষাগী মওং অসি হৌজিক নিংখায়রে। ঐখোয়গী স্কুল কোলেজশিং অসি শেন্দোং তানবা দুকানগা চপ মান্নরে। পোৎ অশেংবা য়োনখিদরে। য়ানশিল্লবা পোৎ ঙাক্তা য়োনখ্রে। ঐখোয়গী গ্রেজুয়েটশিং অসি শেল অমসুং নুংঙাইবা থিবদা কোক ঙাওন্নরে। নহা ওইনা করপসনগী লম্বী থিনরে। শিক্ষাগী মগুন মাঙখ্রে। য়ুণিভর্সিটিশিংদা পীরিবা সাইন্সকী ইডুকেসন অসিনা প্রাফেক্ট এডুকেসন ওইবা য়াদ্রে। ' মাষ্টর ওফ আর্টস'গী অর্থ লৈত্রে। অদুনা এডুকেসন সিষ্টেম অসি অমুক শেমদোকপা দরকার ওইরে। তল্লিবা মহৈ অদুগী মেক্সিমম বেনিফিট অদু ফঙবা ঙম্লবা, মতমগা চান্নবা মওংদা শেমদোক্তুনা মমাঙঙৈগী গুরুকুল সিষ্টেমগী শিক্ষা অদু হৌদোকপা দরকার ওইরে।

এডুকেসননা সভ্যতাবু য়োকখৎলি নৎত্রগা মাঙহল্লি। য়ুণিভর্সিটিনা জাতি অদুগী সভ্যতা, সংস্কৃত্তি, ধর্ম্মবু ঙাকশেনবা, জাতি অদুগী নহারোলশিংবু অৱাংবা থাক্কী ৱাখল অমসুং জ্ঞান পীবিবা অশেংবা ৱার্কসোপ ওইগদবনি। নৎত্রবদি শেল তাল্লগা লোয়রে খনবা মখল মথেলগী পোৎ ভেন্দরগা পাঙখক ওইগনি।

এডুকেসননা মীওইববু মশা মতোম্মতা লেপচবা ঙম্নবা জ্ঞান পীবিগদবনি মপালগী পোৎ চৈশিংগী মতেংনা হিংহনবা লৌশিং তম্বীবনদি মপুং ফাবা এডুকেসন ওইবা য়ারোই।

আর্টিষ্টশিংনা নোংসুমগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা হকথেংননা শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংনা নোংসুমগী লাইবক থিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা হকথেংননা চত্তুনা শরুক য়াখ্রে।

ফিল্ম ফোরম মণিপুর, অপুনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (আম্মিক), মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল অমদি ওল মণিপুর পার্ফোর্মিং আর্টিষ্ট কম্যুনিটিগী মেম্বরশিংনা থা অসিগী ১৯দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা হাৎতোকপীখ্রবা নোংসুমগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই অহুমগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা হকথেংননা চত্তুনা শরুক য়াখিবনি।

অৱাবদা শরুক য়াবগী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চেয়রমেন সমজেৎশাবম মঙ্গোলজাওনা হায়, আর্টিষ্টশিংগী লূপশিং অসিনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমদা লৌখিবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিংগী মনুংদা নোংসুমগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী য়ূমদা চত্তুনা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ানবা ৱারেপসু লৌখিবনি।

ঙসিগী খোঙচৎ অসিদা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংনা ওইরল্লিবা ফিভম অসি উবদা অদুক্কী মতিক থম্মোয় কায়নিংঙাই ওই। লৈঙাক্লা ইং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়খিবা অদুগী মতুং ইন্না খুঞ্জাশিং অসিদি মহৌশাগুম শীন্থা পাংবা চৎলুবনি হায়না লৌই। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা মথৌ তাবা থৌশিল চপ চানা পায়খৎপীয়ু হায়খি।

খোঙচৎ অদু শরুক য়াখিবা আম্মিক্কী প্রসিদেন্ট শামুরাইলাৎপম নবচন্দ্র শর্ম্মানা হায়, লৈখিদবগী হংবা লাকপা হায়বসি হরাও নুংঙাইবা খোঙচৎ অমা নত্তে। লান্না মরম ওইরগা অৱা চৈথেং পীরিবা অসি লৈত-লায়র অমদি নোংমগী চারা তাল্লিবা মীওইশিংদনি। মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক লমদমসিগী চীংখোঙ চীং য়াদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অসিদা ঐখোয় পুন্নমক্না অওন্বা মতেং পাংফম থোকই হায়খি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা শুমাঙ লীলাগী শক্লাইরবা লীলারোই সৌগ্রাকপম হেমন্তনসু লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংনা ওইরল্লবা ফিভম অদু থেংনবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু হায়বা আপিলসু তৌখি।

সূ লৌথোক্লগা মিলিটরি ক্রেকদাউন্দ তৌবা মতম...

লমায় ১গী মখা...

ঙরাং সিনাই কেম্পতা মশামক চৎতুনা য়েংশিনখিবা অদুদা সুগী গ্রাউন্দ রুল থুগায়রে হায়বদু ময়েক শেংনা উরবনিনা জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপনা রিকম্মেন্দেসন রিপোর্ট অমা থাগৎলগা সূ এব্রোগেট তৌবা য়ারে। এগ্রিমেন্ট অদুগী প্রিএম্বলদা মণিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্তিগ্রিটি ঙাক্তুনা থমগনি হায়না য়াওরবসু মদুগী মায়োক্তা মণিপুরদা কুকিশিং তগী ওইবা সেপরেট এদমিনিস্ট্রেসন নৎত্রগা লেজিসলেটিভ পৱার য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা তাল্লকপা অসিনসু গ্রাউন্দ রুল ঙাক্লা চৎত্রে, গ্রাউন্দ রুল ভাইওলেট তৌরে হায়বগী ময়েক শেংবা খুদমনি।

সিনাই কেম্পতগী ফাখিবা সূদা য়াওদবা মীওই ১৭ অমদি মখোয়দগী ফাখিবা অফবা মখলগী খুৎলায়শিং, কেম্প অদুদা কেদর ১ খক নত্তনা অতোপ্পা লৈফম থোকপা কেদরশিং লৈরমদবা অমদি কেদরশিংনা মনিং তম্না টেরোরিজমগী থবকশিং চথুদুনা মীহাৎ মীপুন অমসুং হায়ৱেশিংদা লুট পাৎ তৌবা ময়াম অসিনা মতম কুইনদগী সূ গ্রুপশিংনা গ্রাউন্দ রুল ভাইওলেট তৌরে হায়না লাওনরক্লিবা অদু হৌজিক্তি চিফ মিনিষ্টর মশাসু মমিৎনা উরবনিনা গ্রাউন্দ রুল ভাইওলেট তৌরে হায়বসি ময়েক শেংনা মতিক চাবা খুদম কয়াগা লোয়ননা সূ এব্রোগেট তৌফম থোকই। মখোয়গী মথক্তা অকনবা মিলিটরি ক্রেকদাউন চথগদবনি।

১২ শুবা এসেমব্লি টার্মসু লোয়শিল্লক্কদৌরবনিনা চিফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিগী তুং কোয়বা, তঙদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহৌনবা টেরোরিজম ফ্রী ষ্টেট অমা পুরকপা ঙম্নবা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসননা ষ্টেট অমদা পীরিবা ফেদরেল পৱার অদুমক নুপা থোক্লা শিজিন্নদুনা আর্টিকল ২৪৬ কী মখাদা ৭ শুবা সেদ্যুলনা পীরিবা ষ্টেট লিষ্টকী এন্ট্রি ১ এন্দ ২ শিজিন্নদুনা লমদম অসিদা অকনবা এন্তি টেরোরিষ্ট এক্ট অমা লিংলগদি পুৱারীদা চিফ মিনিষ্টরগী মিংচৎ সনাগী কালিনা ইদুনা লৈহৌরগনি হায়খি।

অমরোমদা ঙসি মেরাগী থানিল চীংবুরোয় তম্বুরোয় মচিল মনাওনি, মৈহৌরোলদগী নুংশি চান্নানা লৈমিন্নরকই হায়বা নীংশিংনবা লাইওইখ্রবা চীং তম ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা মেরা হৌ চোংবা নুমিৎকী য়াইফ পাউজেল পীজরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা চীং তমগী য়েলহৌ ফুরুপ পুন্নমক্না খেন্নবা ৱাখল থাদোক্তুনা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্নানা লৈমিন্নদুনা লমদম অসিবু তঙদু লৈতাবা অমদি হেন্না চাওখৎপা নুংঙাইবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়না পুন্না ৱারেপ লৌমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইৰৈচাশিংগী শেন্মীৎলোন য়োকখৎপদা মতেং...

*লমায় ১গী মখা...*মীতোপশিং য়াওহন্দনা লমদম অসিগী ইৰৈচাশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং য়াওনা নিঙোল চাক্লৌবা কুম্মৈনা লাকপদা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন য়োকখৎনবা পান্দমদা থা অসিগী ২৬তগীনা নবেম্বর ১৫ ফাওবা এক্সপো অসি পাঙথোক্কদবনি। ইৰৈচাশিংদা শেন্থোক লম্বী পীনবা পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সপো অসিদা লৈবাক মীয়ান্না য়ারোইদবা গেমব্লিং অমদি কা হেনবা হরাও কুম্মৈনচিংবা মখল অমত্তা য়াওরোই। মরুওইনা ইরাংগী চৈথেং মায়োক্লুরবা লমদম অসিগী মীয়ামদা খজিক্তং ওইরবসু শেন্মীৎলোনগী মতেং পাংবা ঙন্নবা হায়দুনা এক্সপো অসি পাঙথোকপনি। এক্সপো অসিদা ইন্টরনেলি দিসপ্লেস পার্সন্স (আই দি পি)শিংগী ষ্টোল য়াওরগা পুন্না ষ্টোল ১৫০ রোমনা শরুক য়াগনি। মসিদা লমদম অসিগী হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টকী পোথোকশিং য়াওনা মীয়ামদা কান্নবা পীগদবা পোৎলম কয়া অমসু এক্সপো অসিদা পুথোক্তুনা উৎকনি। অদুম ওইনমক লৈবাক্কী ইরাং লাক্লবদি এক্সপো অসি লেপ্তুনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক পাঙথোক্কনি। অদুবু অৱাবনা খম থেংলবা লমদম অসিগী মীয়ামদা খজিক্তং ওইরবসু কান্নবা পীনবা পাঙথোক্লিবা এক্সপো অসিদসু মীয়ান্না শৌগৎপীয়ু হায়খি।

অমরোমদা পাউমীশিংগা উনবা অদু শরুক য়ারদুনা এক্সপো অসিদা ষ্টোল হাংলিবশিংগী মহুৎ শীল্লদুনা পেম্মা সনবমনা হায়, শুফম নোম্ফম খঙদবনা বিজিনেস অপিকপা তৌরিবা মীয়াম অদুক্কী মতিক খূদোং চাদবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা ইৰৈচাশিংগী এক্সপো অমা শীল্লকপা অসিমক অফবা খোঙথাংনি হায়না লৌই। নিঙোল চাক্লৌবগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা এক্সপো অসিদা লৈবাক মীয়ান্নসু শৌগৎপীয়ু হায়নসু মখা তাখি।

মৈতৈ / মীতৈনা মেজোরিটি ওইনা লৈবনা...

লমায় ১গী মখা...

চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা মখা তানা হায়, হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা লাক্লবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মহাক্লা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হকথেংননা উনবা মতমদা মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিলহনবা অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা ইশু ওইনা ৱারি শান্নখি। মদুদসু নত্তনা নেসনেল হায়ৱেশিং হাংদোক্লগা মীচম মীয়ামগী পুন্সি মহিং অমসুং চখোক চৎশিনদা লায়থোকহন্নবা লৈঙাক অসিনা কন্না হোৎনরি হায়খি।

মহাক্লা হায়, থা অসিগী ১৯দা খোংবাল তাঞ্জুলদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক্লা মরী লৈননা চথখিবা ওপরেসনদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরম্বা সিনাই সূ কেম্প হৌজিক সি আর পি এফশিংনা লৈশিনখ্রে। মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লক্তনবা লৈঙাক্লা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা তঙদু লৈতাবা পুন্সি মহিং অমা হিংবা পামহৌই। মদুমক বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা পীনবা হোৎনরি। পুন্নমক অসি ওইহনবদা মৈতৈ ফুরুপ্পা মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ফুরুপ অমা ওইনা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং কোনশিল্লগা পুন্না চৎমিন্নবা অমসুং নুংশি চান্নবা পূরক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা লংথবাল এ সিগী এম এম এ করাম শ্যাম অমসুং অতৈ মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

সরপ্রাইজ রেইদ চথদুনা সূগী গ্রাউন্দ ঙাক্লিব্রা...

লমায় ১গী মখা... চহী ৩ হেন্না থোক্লকখিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি হৌবদগী হৌনা মীয়াম্না সুদা লৈবা কেদরশিং লাকশিল্লবা মতম খক্তদা তংদু লৈতাবা পুরক্কনি হায়বসি লাওদুনা লাকখিবনি। শুনুরোক্কী থোকখিবা থৌদোক্কী মতুংদা লৈঙাক্লা থেংলবসু থেংনা সিনাই কেম্প হায়না খঙনবা সুদা লৈরিবা কেদরশিং গ্রাউন্দ রুল ঙাক্লিব্রা হায়না চেক তৌরুবদা কেদর মশিং শুদনা লৈরম্বা থেংনরকখিবদগী থোক্লিবা চরাংনবা ফিভম অসি সুগী কেদরশিংনা থোকহনবনি হায়বসিগী ময়েক লারবা খুদম ফংলে। মরম অসিনা লৈঙাক অসিনা মীয়াম্না মতম শাংনা লাওদুনা লাকখিবা খোল্লাও, চপ চাবা খুদম চাংদম ফংদ্রি, থিজিল্লি হায়না এক্সন লৌখৎলু য়াদনা লৈরম্বদু ঙসিদি খুদম চাংদম লোয়না ফংলবনিনা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি। লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা মথৌ তৌদ্রবদি তুংদসু সুদা লৈরিবা কেদরশিংনা টেরোরিষ্টকী ওইবা থৌওংশিং তৌরক্লোই হায়বগী থাজবা মীয়ামদা লৈরোই। লৈঙাক অসিনা চিন্দা তংদু লৈতাবা হঞ্জিন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না কয়ারক হন্না ফোঙদোক্তুনা লাক্লবসু চিনগা খুৎকা মান্নদনা মতম শাংনা লাকপদগী ঙসি চহী ৩ হেনবসি মীয়াম্না অৱা অনা, তাহে উহৈদ্রবা কয়া অসি থেংনদুনা লাকখিবনি।

লমহেন তুহেনবা কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিং অসিগী মথক্তা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা প্রোক্সি ফোর্সশিংনসু য়াওশিন্দুনা ময়োল লৈঙাক্লা তৌনিং তৌনিংবা তৌহল্লিবা ক্রোস বোর্দর টেরোরিজম অসিসু খুদক্তগী লেপকদবনি। মশামক্কী সিটিজনশিংদা মীরমগী মীতোপ পুশিন্দুনা প্রোক্সি ফোর্স ওইনা শেমগৎলগা লান্দাহনবা অসিগুম্বা লৈবাক মালেমগী মফম অমত্তদা লৈতে। মরৌ চাওবা মশাগী সিটিজনবু সিটিজন ওইনা উবা ঙমদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সেক্যুরিটি পোলিসি অসি অথুবদা হোংদোক্তু না মীয়ামগী অশেংবা খোল্লাও অসি তাগদবনি হায়না চেরোল অসিনি অরোইবদা হায়রক্লি।

'আই সি আই সি আই লাইফকী অনৌবা পেন্সন প্লাননা রিটায়র্দমেন্ট সোল্যুসন পোর্টফোলিওগী ফীভম ফগৎলগনি'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ ইনকম অমদি মার্কেট লিঙ্ক গ্রোথকী গরেন্টি য়াওরবা আই সি আই সি আই লাইফনা লোঞ্চ তৌরিবা পেন্সন প্লান অসিনা রিটায়র্দমেন্ট সোল্যুসন পোর্টফোলিওগী ফীভম অমুক্কা হেন্না ফগৎহল্লগনি হায়না আই সি আই সি আই লাইফ ইন্সুরেন্সকী চীফ প্রদক্ট ওফিসর ৱিকাস গুপ্তনা ফোঙদোরক্লি।

আই সি আই সি আই লাইফ গরেন্টেদ ইন্দেক্স পেন্সন স্কিম লোঞ্চ তৌখিবগা মরি লৈননা ৱিকাস গুপ্তনা মখা তানা হায়, স্কিম অসি রিটায়র্দ ইনকমগী পুন্সি চুপ্পা ফংলগদবা গরেন্টেদ ইনকমগা লোয়ননা নিফটি ৫০ টোটেল রিটর্ন ইন্দেক্সকী খুত্থাংদা মার্কেট লিঙ্ক গ্রোথকী খুদোংচাবসু লৈগনি। প্রদক্ট অসিদা কষ্টমরশিংনা চাদা ৬০ দগীনা চাম্মদা চাম্মা ফাওবগী গরেন্টেদ এন্ন্যুটি কম্পোনেন্ট খন্নবগী ওপসনসু লৈগনি। অতৈ অতোপ্পা শরুকশিংসু ইন্দেক্সকা অদুমক শন্নগনি। মসিনা মরম ওইরগা রিটায়র্দমেন্ট ইনকমদা গ্রোথ হেনগৎলকপগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈগনি। মসিনা মতমগী মতুংইন্না পোৎচৈ তাংখৎলকপগী থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদা অচৌবা মতেং অমা ওইগনি।

প্রদক্ট অসিদা এন্ন্যুটি এদভান্সকী খুদোংচাবা ফংদুনা কষ্টমরশিংনা চহী ৫ ফাওবগী গরেন্টেদ এন্ন্যুটিগী চাদা ৯৯ ফাওবগী অচৌবা শেনফম অমা মাঙজৌননা ফংবসু য়াই। মসিদা পেআউটসনা থাগী, ক্বাটরলি, হাল্ফ ইয়রলি অমদি এন্ন্যুএলি তৌবসু য়াগনি। মসিগী মথক্তা ৱেলনেস অমদি হেল্থ মেনেজমেন্টকী সার্ভিসশিংগী কান্নবসু লৌবা য়াগনি হায়নসু মখা তারক্লি।

এমৱে ইন্দিয়ানা রিটেল ফুটপ্রিন্ট এক্সপান্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুর য়াওনা মল্টি ইয়ার গ্রোথ ষ্ট্রেটেজিগী মনুংচন্না এমৱে ইন্দিয়ানা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রিটেল ফুটপ্রিন্ট এক্সপান্দ তৌখ্রে হায়রি।

থৌরাং অসিগী মনুংচন্না ইম্ফালদসু এমৱেগী ষ্টোর কয়া অপগ্রেট তৌখ্রে। লোয়ননা গুরুগ্রামদসু অনৌবা এক্সপরিয়েন্স সেন্টর অমসু হাংদোকখ্রে। এক্সপান্সনগী থবক থৌরম অসি লুপা ক্রোর ১০০ রোমগী ইনভেষ্টমেন্টগী শরুক অমনি। থৌরাং অসি এমৱে গ্লোবেল প্রসিদেন্ট অমদি সি ই ও মাইকেল নেলসনগী মমাংদা লাউথোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুং চন্না পায়খৎলকপনি। থৌরাংশিং অসি পায়খৎপগী পান্দমদি কম্পনি অসিগী ফিজিকেল প্রজেন্স হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবনি হায়রি।

এভৱে ইন্দিয়ানা লাক্কদৌরিবা চহী অহুম-মরি অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টোর কয়া হাংদোক্লবগী পান দমসু থল্লি। কম্পনি অসি হৌজিক হৌজিক নেসন ৱাইদতা পুন্না ষ্টোর ৮৫ রোম চলাইরি। মসিগী মথক্তা অপগ্রেদ তৌদুনা পুনে, কোলকাটা, সিলিগুরি, ইম্ফাল, ভগলপুর, অনান্দ, অহমদবাদ, বোঙ্গাইগাউ, অগ্রা অমদি নান্দেদনচিংবা মফমশিংদসু আউটলেট ১৪ হেন্না হাংদোকখ্রে হায়রি।

এমৱে ইন্দিয়াগী মেনেজিং দাইরেক্টর রজনিস চোপ্রানা ফোঙদোরকখিবদা, হন্দক অপগ্রেদ তৌখিবশিং অদু এঙ্গেজমেন্ট হবকী দিজাইনদা তৌখিবনি। মসিনা কষ্টমরশিংগী অনিংবা-অপাম্বগী মতুংইন্না সার্ভিস ফংহনবা ঙম্লগনি। লোয়ননা কম্পনি অসিগী থবক থৌরমশিংদসু হেন্না পাকথোক চাউথোক্তুনা দিষ্ট্রিব্যুটরশিংগসু হেন্না অফবা মরি থমদুনা বিজিনেস বিল্ড অপ তৌনবগী পান্দমদা পায়খৎলকপা থৌরাংশিংনি হায়রি।

'কোম ফুরুপকী বরকাপ রেজু ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী য়েলহৌমী অমা ওইরিবা কোম ফুরুপকী নাৎকী কুম্মৈ বরকাপ – রাইজু কলচরেল ফেষ্টিভেল থা অসিগী ৩০দা পাঙথোক্লগনি। কুম্মৈ অসি মপুং ফানবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মীপুম খূদিংমক্তা মতেং পাংবীয়ু হায়না কোম য়ুনিয়ন মণিপুর (কে য়ু এফ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা য়ুনিয়ন অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন সেক্রেটরী দেবিদ কোমনা হায়, লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা কোম ফুরুপকী মরুওইবা নাৎকী কুম্মৈ অমা ওইরিবা বরকাপ রাইজু কলচরেল ফেষ্টিভেল লাক্লিবা ওক্তোবর ৩০দা পাঙথোক্লগনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা থৌরম অসি হৌদোক্কনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা অমত্তা তৌবীগনু। লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংনসু কোম ফুরুপকী কুম্মৈ অসি মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অওন্বা মতেং পাংবীয়ু। য়েলহৌমী পুন্নমক্না থৌরম অসি শরুক য়াবীয়ু। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা ইং-তপ্পা অমদি অপুনবগী থৌনা শাগৎপদা খুমাঙ চাউশিন্নবা পান দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কুম্মৈ অসিদা লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, মহৈরোই লূপশিং য়াওনা মীপুম খূদিংমক্লা মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়খি।

সোসিয়েল ৱেলফেয়রনা অঙাং অমা ...

*লমায় ১গী মখা...*অদু কনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মমাসু মশক খঙবা ঙমখ্রে হায়রি।

সোসিয়েল ৱেলফেয়রগী দাইরেক্টরনা খূদক্তা চঙশিন্দুনা অনকপদা লৈবা ৱান ষ্টোপ সেন্টর অমদা মমা মচা উনহল্লবা মতুংদা মখা তাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা, সপোর্ট তৌনবগীদমক শক্তি সদন্দা থমখ্রে। লোয়ননা পুন্না লাকমিন্নখিবা অহল অদুনা ন্যু লাইভ ফাউন্দেসন রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থন্বীখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা সোসিয়েল ৱেলফেয়রগী দাইরেক্টরনা ফোঙদোরকখি, দিপার্টমেন্ট অসিনা অৱাবা তারবা মীওইশিং মতম চানা প্রোটেক্ট তৌনবা হোৎনবা অমদি মতেং পাঙনবা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগী লিদরসিপ মখাদা চথুরকখিবনি। থৌরাং অসিগী মনুং চন্না অৱাবা তারবা তেংবাঙবগী তঙাইফদবা লৈরবা মীওইশিংদা লেপ্পা লৈতনা সপোর্ট তৌদুনা লাকখিবনি। লৈবাক মীয়ান্না করিগুম্বা অৱাবা অনা তারবা অমদি খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা ফিভমদা চহী নৌরিবা অঙাং, নুপী অমদি অহল ওইরবা মীওইশিং থেংনরবদি সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টতা পাউ পীবিয়ু। লোয়ননা পাউ পীবিরকপা মতমদা দিপার্টমেন্ট অসিনা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপা ঙন্নবগীদমক চপ চাবা মফম হায়বিবগা লোয়ননা সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী লৈরিবা চাইল্ড হেল্পলাইন ১০৯৮, ৱুমেন হেল্পলাইন ১৮১ অমদি এলদরলাইন (সেনিয়র সিটিজেন্স)গী নম্বর ১৪৫৬৭নচিংবা টোল ফ্রী হেল্প লাইন নম্বরশিংদা পাউ পীবরকউ। মসিনা দিপার্টমেন্ট অসিনা খূদক্তা থবক পায়খৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়নসু মখা তারক্লি।

লাইনিং নীংথিনা ঙাক্তুনা থমসি ...

*লমায় ১গী মখা...*সনাজাওবনা ফোঙদোকখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, লম্লাই এ সিগী এম এল এ খোঙবানতাবম ইবোমচা, পুংদোংবম জি পিগী চেয়ারপার্সন ইরুংবম প্রেম, তেল্লৌ চানা শৈজাং জেদ পি মেম্বর অমোম জামিনি, তেল্লৌ চানা শৈজাং জি পিগী চেয়ারপার্সন দব্লীউ ধনঞ্জয়নচিংবসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ খোঙবানতাবম ইবোমচানা পুংদোংবম অৱাং লৈকাইদা নৌনা শাবা অপোকপা মরুপকী ফম্বাল ফম্লেল শঙ্গাখি।

লোয়ননা অহল লমনশিংদা লাইনিং পৱে চেৎনবা, হোৎনবা কনবা, পুকচেল শেংনা লৈনবা পীরম্বা পাউতাকশিং অদু ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

সি এমনা নোংসুম ভিক্তিমগী ইমুংশিং ...

লমায় ১গী মখা...

অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সিগা চীফ মিনিষ্টরগা হকথেংননা উনখি। উনবা অদুদা পোইন্ট ১২ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা জে এ সিনা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখি।

খোঙচৎ অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবগী ইমুংশিংগা উনদুনা হন্দক সিনাই কেম্প লৌশিন্দুনা আর্মিশিং লৈহনবা অদুদা কুকিগী খুঞ্জাশিং শাওরক্তদ্রা হায়না খল্লুবদু কুকিগী খুঞ্জাশিংসু হরাওহৌই। সূগী কেম্পতা লৈরম্বা গুন্দাশিং অদুনা খুঞ্জাশিংদা কিহন খঙহনবা অমসুং লুৎ পাৎ চথুরম্বা ওইরমগনি। মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীরমখি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা খোংবান তাঞ্জুল থৌদোক্কী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সিনা সি এমনা লৈখিদ্রবশিংগী য়ুমদা লাক্তবগী মায়োক্তা কৌখিবা বন্দ ঙসি অয়ুক সি এম লাক্লম্বদগী খুদক্তগী হন্দোক্লে হায়না কে কনভেনর তোইজম সোমোর্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংসুমদা লৈবা ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবা লাইবুংদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা সোমোর্জিৎনা মখা তানা হায়, চীফ মিনিষ্টরনা অশিবা হংবা লাকপদা জে এ সিগী দিমান্দ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। দিমান্দশিং অদুগা মরী লৈননা য়াশিন্নবা অমত্তা লৈতবনা খোঙজং মখা তাখিগনি। মখা তাবা খোঙজংগীদমক তোঙান-তোঙানবা সি এস ওশিংগা ফম্মিন্নদুনা লেপকনি হায়খি।

মেরা হৌ চোংবা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম...

লমায় ১গী মখা...

মেরা হৌ চোংবা অসিনা চীংমী তম্মী অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা লমদম অসিদা ঐখোয় অসি ইচিল ইনাওনি হায়বা অদু উৎলি। হায়রিবা নুমিৎ অসি ষ্টেট অসিগী ইন্টিগ্রিটি দে হায়না ফাও মশক খঙবা য়ারবা নুমিৎ অমনি। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ ৩৬ অসি তোঙান-তোঙানবা থৌদোক ৱাথোক অমদি লানফম কয়াদা পুন্না থেংনমিন্নদুনা মণিপুর অসি ঙাক্তুনা লাকখিবা অদু নুমিৎ অসিদা ঐখোয় পুন্না নীংশিংমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরম অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা তোঙান-তোঙানবা চীং অমসুং তম্পাক্কী ফুরুপকী ওইবা কলচরগী ঈশৈ অমদি জগোই কয়াসু উৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নিংথৌ সনাজাওবা লৈশেম্বা, হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর খুরাইজম লোকেন, তোঙান-তোঙানবা এ সিশিংগী এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরি রজিব সিংহ থাকুর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা চীংগী লম কয়াদগী লাকপা খুল্লাকপা কয়ানা থৌরমগী মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এম এম পি এস এনা মীয়ামদা মেরা হৌ চোংবগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (এম পি এস এ) মেরা হৌ চোংবনা লাকপদা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী তখেল্লম্বম তরুন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মৈত্রবাক মণিপুরদা অঙনবা মতমদা নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী পাঙথোক্লকপা লৈবাক নিংথৌনা সনা কোনুংদা পাঙথোক্লম্বা থৌরমশিংগী মনুংদা মেরাগী থানিল নুমিত্তা পাঙথোকপা মেরা হৌ চোংবা কুম্মৈ অসিসু অমনি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা চীংবুরোই তম্বুরোই অনীনা মচিন মনাও পুন্না অমত্তা ওইবগী নক্লবা মরী থমদুনা য়াম্না চান-চুননা লৈমিন্নরকখিবা অদু মণিপুর খুনাইদা ঙসি ফাওবদা তৎপা থাদোক্লবা য়াওদনা লৈমিন্নরি।

মেরা থাদা পাঙথোকপা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম অসি মরু ওইনা ইপা ইপু হাক্তগী মচিন মনাও ওইরিবা চীংদা লৈখিবা ময়াম্বা অমসুং তমদা লৈরিবা মনাওনুপা অনীগী অমত্তা ওইবগী অচেৎপা থাদোক্লবা য়াদ্রবা চীংবুরোই তম্বুরোই অনীনা অৱৈবা পোৎ-চৈ লান্নদুনা অচৌবা চাক্লেন লাংদুনা পুন্না চামিন্নবগী থৌরম অমনি।

চীংগী খুল্লাকপনা লুচিংদুনা চীংগী ইচিল ইনাও পুন্নমক সনা কোনুংদা কৌদুনা অচৌবা চাক্লেনগা লোয়ননা হরাও তয়াম্বগী কুম্মৈ হায়বদি জগোই, ঈশৈ নোংমাইনচিংবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা পুন্না শরুক য়ামিন্নবা থৌরমনি। ঙসিগী মীরোলনা থৌরম অসি পাঙথোক্লিবগী মরমদি ইমা অমত্তগী মচা ওইরিবা চীংমী তম্মীনা মচিন মনাও ওইবগী মরী তৎনবা য়াদে, তুংগী মীরোল কয়া কয়া লান্না মরী অসি তৎনদনা লৈহৌনবা পাঙথোক্লিবনি।

মীরোল অসিনা থৌরম অসিগী নুংগী ইচেল ঙাক্লা চৎপা ঙম্লবা খক্তদা ইমাগী ফিজি কনবা ঙমগবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

'মনকি বাত তোক্তুনা অৱাবদা তেংবাঙউ'

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি)ঃ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ট্রার্গেট তৌরদুনা কোংগ্রেসকী সেনিয়র লিদর জয়রাম রামেসনা মনকি বাত তোক্তুনা লৈবাক মীয়াম্না ৱারিবা অসিদা মীৎয়েং চঙদুনা মতেং পাঙনবা থবক তৌ হায়খ্রে।

লৈবাক অসিগী অচৌবা ফেষ্টিভেল অমা ওইরিবা দিৱারি ময়া নকশিল্লকপা অসিদা পোৎ চৈগী মমল খম থেংনা ৱাংখৎলকখ্রে। অদুবু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা খঙদনা মনকি বাত তৌদুনা লৈরে। নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী মনকি বাত নাকল অমরোমদা থমদুনা লৈবাক মীয়ান্না নংলিবা অৱাবশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনবা চুমগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা থা খরা অসিদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৈবাক মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎলে হায়দুনা মরাল শীদুনা লাকখিবনি। অদুবু মোদিগী লৈঙাক অসিনা কোংগ্রেসনা শীরক্লিবা মরালশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়দুনা জি দি পিগী দেটা য়েংনবা কোংগ্রেসতা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

মীয়ামগী অপাম্বা ইথাই বেরেজগী ...

লমায় ১গী মখা...

পান্দমদা পাঙথোক্লম্বা লোক্তাক নুমিৎ থৌরম ঙসিদি লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা অচৌবা থৌদাং লৌবিদুনা লোক্তাক পাৎ কনবা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাংনি হায়বা ৱাখল্লোলদা পাৎ অসিবু কনগনি হায়রবদি লৈঙাক অসিনা সপোর্ট তৌগনি হায়দুনা ষ্টেট ফেষ্টিভেল ওইনা লাউথোকখিবনি। লোক্তাক পাৎ কনবা হায়বসি চীংমী তম্মী খায়দনা মণিপুরদা খুন্দারিবা ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাংনি খন্দুনা মেরাগী থানিল নুমিৎ খক্তদা পাঙথোক্লম্বা লোক্তাক নুমিৎ অসি হন্দক চহীদগী হৌরগা ষ্টেটকী থাক্তা নুমিৎ নীনি পাঙথোকপা হৌরে। লোক্তাক পাৎ অসি এন এচ পি সি লাকপদগী ইথাই বেরেজনা অদুক্কী মতিক ফিভম শোকহল্লে হায়বা লৈঙাক অসিনা খঙবগা লোয়ননা মীয়ামগী খোল্লাউ ওইরিবা ইথাই বেরেজ দিকম্মিসন তৌনবা হোৎনরকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা হান্নগী মিনিষ্টর হৈস্নাম সনায়াইমা, থাঙ্গ এ সিগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রো, এস দি ও মোইরাংসু ওইরিবা এ দি এম বিষ্ণুপুর চিরোম সোমোরেন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

বি জে পিনা মায় পাক্লবা মীফম...

লমায় ১গী মখা...

বি জে পিনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোলদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ য়াওনা বি জে পিগী মেদিয়া সেল, আই টি ৱিং অমদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা বি জে পিগী লুচিংবশিং য়াওনা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

মীফম অদুদা মপুং ওইনা পঞ্জাব অমদি মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা বি জে পিনা মায় পাক্লবগীদমক করি করম্বা থৌরাং থৌশিল পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌজিক কোংগ্রেসনা লুচিংদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা ইলেক্সন কম্মিস্নার গ্যানেশ কুমার অমদি স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর)গী মায়োক্তা অকনবা মওংদা ইহৌ হৌরিবনি। লোয়ননা ইহৌ অসিগী মনুং চন্না ইন্দিয়া ব্লোক্লা নভেম্বর ১দা ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়া ব্লোক্লা অচৌবা রেল্লি অমা চৎকখি হায়না লাউথোরকখিবা অদুগী মতাংদসু খন্নখি। মীফম অদুদা বি জে পিনা লৈবাক শীনবা থুংনা নভেম্বর ১০দগী নভেম্বর ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌবি সেভ দেমোক্রেসি, রিমুভ অনার্কি হায়বা কেম্পেইন অদুগী মতাংদসু খন্নখি। কেম্পেইন অসি রিভিজন ওফ ইলেক্টোরেল রোলস, ভোটর লিষ্ট একুরেসি অমদি কন্সটিট্যুস্নেল প্রোসেসকী মতাংদা লৈবাক মীয়ামদা এৱেয়ারনেস পীনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। কেম্পেইন অসিদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা মীওই লিশিং ১০দগী তাদনা শরুক তাদনা পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়রি।

রতন থিয়ামগী 'ঐবু নুংশিবিয়ু য়দে'...

*লমায় ১গী মখা...*খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরনা অথোইবা মীথুং, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনটিজগী হান্নগী দীন প্রো. চুংখাম য়শোবন্তনা অখন্নবা মীথুং অমদি ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থৌদাম নেত্রজিৎনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

লোয়ননা থৌরম অদুগী মনুং চন্না তাহির সাজবমগী 'হিথাংফম অমসুং ঈথক মচাশিং' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমদি লেনিন খুমনচাগী 'থম্মোয়গী মীহুৎথোঙ' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিকশিং অসিসু ফোঙখি। মণিপুরী শৈরেং নুমিৎ থৌরম অদুগা মরী লৈননা উমা ময়েংবম অমসুং চা খোমৈনা রতন থিয়ামনা ইরম্বা অখন্নবা শৈরেংশিংসু মীয়ামদা পাথোক্তুনা তাহনখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনি, শরতচান্দ থিয়াম, ইমোজিৎ নিংঙোম্বমনা শৈদিন মপু ওইদুনা তাঙ্কক অহুম থোক্লা শৈরেং শৈদিন্নবসু পাঙথোকখি।

শেলগী মতেং পাঙখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...*পায়বী লুপনা ঙসি অওন্বা চানবা থক্লবা পোৎলমশিং অমদি শেলগী মতেং পাঙখিবনি। নিংথৌবুং লৈকাই, লাইশ্রম লৈকাই, সাজোর লৈকাই অমদি চীংঙাঙবম লৈকাইগী মীয়ান্না পীরকপা অওন্বা পোৎলম অমদি শেলগী মতেংশিং অদু মৈরা অমদি খুল ঙাকলুপকী মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং অমদি অশোকপশিংগী মফমদা খূৎশিন্নখি।

খোঙচৎ অদুদা নেতাজি মেমোরিয়েল ক্লবকী প্রসিদেন্ট রমানন্দ সাইরেমচা, লৈকাই ৪গী মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এস লৈরাংতোন, লৈকাইগী মৈরা পায়বী অমদি ক্লবকী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

মতেং পাঙবগী খোঙচৎ অদুগী মতাংদা খুল ঙাকলুপকী কনভেনর কে দিলিপ মৈতৈনা হায়, লৈখিদ্রবা খুঞ্জা ৩ অমদি রাজ মেদিসিটিদা লায়েংদুনা লৈরিবা অশোকপা অনীগী মফমদা চানা থক্লবা পোৎলমশিং অমদি অওন্বা শেলগী মতেং খরা পাংবনি।

লৈখিদবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা লৈহৌরিবা ফিভম অদু উবদা থম্মোয় শোকই। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মতম চানা থৌদাং লৌবিরগা মখা তানা অসিগুম্বা থম্মোয় কায়নিংঙাই ওইবা থৌদোক অসি মখা তানা থোকহনবীগনু। নোংসুমগী থৌদোক অসিনা অরোইবা ওইহনবীয়ু।

কোংগ্রেস পার্টিনা বেঙ্কনা পীবা খুদোংচাবশিং শক্তি পায়বা মীওইশিংদা পীদুনা লাকখি: মোদি

ভুবনেশ্বর, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি): বি জে পিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাকনা হৌখিবা চহী ২০১৪দা লৈবাক সাসন পায়দ্রিঙৈ মমাঙদা পাল্লম্বা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা নেসনেল বেঙ্কশিংনা পীরিবা খুদোংচাবশিং মপাঙ্গল কনবা, শক্তি লৈবা মীওইশিং খক্তদা কান্নবা পীদুনা লাকখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোংগ্রেস পার্টিবু মরাল শীখ্রে।

রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)গী অনৌবা দাটা সেন্টর অমসুং সাইবর সেক্যুরিটি ট্রেনিং ইনষ্টিট্যুট অমা জাতনিগী ইনফোভেলি-২দা শঙ্গাদুনা লৈবাক মীয়ামদা শিন্নবগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, ফোন বেঙ্কিংগী খূৎথাংদা য়াল্লবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম বেঙ্ক লোন ওইনা কোংগ্রেস পার্টিগী লিদর নৎত্রগা পার্টি অসিগা নক্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা পীদুনা লাল্লম্মি। লাইরবা অমসুং মিদ্দল ক্লাসকী ইমুং মনুংশিংনা মথৌতাবগী মতুং ইন্না বেঙ্ককী লোন লৌনবা হোৎনবদা মরীলৈনবা গেরেন্টর অদুগী বেঙ্ক একাউন্দ হাংবা মথৌ তারম্মি। অদুবু কোংগ্রেস পার্টিনা ফোন বেঙ্কিংগী খূৎথাংদা য়াল্লবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম বেঙ্ক লোন ওইনা মতম অমদা হেক্তদা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংদা পীদুনা লাকখি।

কোংগ্রেস পার্টিনা চখখিবা অরানবা থৌওং অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কিং সিষ্টেম অসিদা এন পি এগী য়াল্লা চাওনা চৈথেং অমা মায়োক্লহনখি। লাইরবশিংদা মতেং পাংনবগী মীং দা কোংগ্রেস পার্টিনা হৌখিবা চহী ১৯৬০দগী হৌরগা ১৯৭০ ফাওবদা বেঙ্ক কয়া নেসনেলাইজ বেঙ্ক ওইনা ওন্থোকখি। অদুবু কোংগ্রেস পার্টিনা শাংলবা চহী কয়া লৈবাক অসিগী লৈঙাক পায়দুনা লাক্লবসু ২০১৪ ফাওবদা লৈবাক অসিগী লাইরবা মশিং য়াল্লবা মীওই কয়াবু বেঙ্ককী লৈরিবা ইকোসিষ্টেম অসিদা হকথেংননা শরুক য়াবা ফংহন্দনা লাকখি।

লাইরবা লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা বেঙ্কনা পীরিবা লোনশিং অসিগী কান্নবা লৌবা য়াই হায়বা ফাওবা মখোয়গী ৱাখল্লোনদগী য়াল্লা লাপ্লা লৈখি।

অদুবু বি জে পিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌখিবা চহী ২০১৪দগী হৌদুনা পায়খৎলকখিবা বেঙ্ককা মরী লৈনবা চাওখৎ থৌরাংশিং অসিনা মরম ওইরগা লাইরবা মীয়ামদা বেঙ্ককী একাউন্ট কয়া হাংহন্দুনা লৈঙাক্লা পীরিবা ফাইনান্সিয়েল বিনিফিদশিং মাগী মাগী একাউন্দদা দাইরেক ট্রান্সফর তৌদুনা খুদোংচবা কয়া ফংহন্দুনা লাক্লি।

মুদ্রা, পি এম এস ভি এ নিধি অমসুং পি এম ভিশ্বকর্মনচিংবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া হাংদোক্তুনা অপীকপা এন্ট্রেপ্রেনোর, ষ্ট্রীট ভেন্দর অমসুং ট্রেদিসিনেল আর্টিসিয়ানশিং দা ফাইনান্সিয়েলগী ওইবা খুদোংচাবা কয়া পীদুনা লাক্লি। লৈবাক অসিদা ঙসি লৈরিবা দিজিটেল বেঙ্কিং সিষ্টেম অসিনা মরম ওইরগা পুং ২৪ চুপ্পা বেঙ্ককী লৈরিবা সার্ভিসশিং মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাক্লি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সি ই সি জ্ঞানেস কুমারবু কন্দুনা থন্নবা নরেন্দ্র মোদিনা মখল কয়াগী পান্থে কয়া শিজিন্নরি: খর্গে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নার (সি ই সি) জ্ঞানেস কুমারবু কন্দুনা থন্নবগীদমক নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখল খুদিংগী পান্থে কয়া শিজিন্নদুনা লৈরে হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট মল্লিকঅর্জুন খর্গেনা ফোঙদোকখ্রে।

মাল্লিকআর্জুন খর্গেনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ইলেক্টোরেল রোলগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা চথরিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) দা শিজিন্নরিবা সোফৱ্যার অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়ামদা খঙহন্নবা রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) থারবসু সি ই সি জ্ঞানেস কুমারনা পাউখুম অমত্তা পীদনা লৈরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা জ্ঞানেস কুমারনা সি ই সিগী ফম থাদোক্কদবনি হায়নসু তকশিল্লক্লি।

লৈবাক অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ভোট হুরানবগী থৌওং চথরে হায়না মরাল শীরদুনা ইন্দিয়া ব্লোকনা শিন্দুনা লাক্লিবা নবেম্বর ১দা ন্যু দিল্লিগী রাম লিলা মৈদানদা পব্লিক রেল্লি অমা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা অসিবু লৈবাক মীয়ান্না শরুক য়ানবা আপিল তৌরদুনা মলিক আর্জনু খর্গেনা হায়, নবেম্বর ১দা লৈঙাক্কী মথক্তা ইন্দিয়া ব্লোকনা শিন্দুনা চংশিনগদৌরিবা 'দিল্লি চলো' হায়বা খোঙজং অসি ইচম চম্বা খোঙজং অমা নৎতে। খোঙজং অসি মীয়ামগী লৈরিবা ভোটিং রাইট অসিবু ঙাক শেন্দুনা থন্নবা হোৎনদুনা লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসিবু কায়হন্দনা থন্নবা মরীলৈনবা ওথোরিটিগী মথক্তা দিমান্দ তৌদুনা চংশিনগদবা খোঙজং অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা উত্তর প্রদেশতা চথখিবা এস আই আরগী প্রোসেসতা অরান-অহুই কয়া য়াওই হায়না ফোঙদোক্লদুনা মল্লিকঅর্জুন খরগেনা হায়, মশিং য়াল্লবা মীওই লাক্ষ ১৬.১৮না ফোর্ম নম্বর ৬কী খূৎথাংদা পীশিল্লকখিবা এপ্লিকেসনশিংগী দিটেলশিং ঙসিসু লৈবাক মীয়ামদা খঙহনবা লৈত্রি।

পিলিভিদতা ভোটর ১০,৪৭০গী রেকোর্দ কয়াদসু অরানবা কয়া য়াওরম্বা থেংনরে। ফোর্ম নম্বর ৬ অমসুং ৭গা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ৮দা ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা অচুম চুমদা থিদোক্লবা মরীলৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদা তকশিনখিবসু লৈখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস পার্টিনা লুচিংবা ইন্দিয়া ব্লোকনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা অকনবা খোঙজং চংশিন্দুনা তাল্লিবা দিমান্দশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মল্লিকঅর্জুন খরগেনা হায়, লৈবাক অসিগী চীফ ইলেক্সন কমিস্নারবু লিগেল প্রোটেক্সন পীরিবা ২০২৩গী লো অসি রিপিল তৌবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা চথরিবা এস আই আরগী এক্সরসাইজ অসি খুদক্তা লেপকদবনি।

নিয়ম লান্না ইলেক্টোরেল রোলদগী এস আই আর পাঙথোক্লবা মতুং লৌথোকখ্রবা হান্নগী ভোটরশিংবু অমুক হন্না ইলেক্টোরেল রোলদা হাপ্পগা লোয়ননা ভেলোট পেপরগী খূৎথাংদা লৈবাক অসিদা মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকতুনা সি ই সি জ্ঞানেস কুমারবু রিজাইনেসন তৌহনগদবনি হায়না তকশিল্লক্লি।

নাকল অমরোমদা মাল্লিঅর্জুন খরগেনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাদোরকপা অতোপ্পা ভিদিও মেসেজ অমদা বি জে পিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক অসি শুন্নতগী ভোট হুরানবগী থবক খক্তদা হৈবা লৈঙাক্লি। ইনফ্লেসননচিংবা তোঙান তোঙানবা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা ইসুশিংগী মতাংদা হৌজিক পাল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মথৌতাবা থবক পায়খৎতুনা কোকহন্নবগী থৌরাং পায়খৎপা লৈতে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাকপু মখা তানা মরাল শীরক্লি।

সিয়াং দাম প্রোটেষ্টে: দাম শাবগী মায়োক্তা লৈবা লুচিংবা ৩ পুলিসনা ফাখ্রে, ইরাং কনখৎলকপা য়ানা লৈরি

পাসিঘাত, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশতা ১১,২০০-মেগাৱাদ পৱার পুথোকপা ঙমগনি হায়রিবা সিয়াং অপ্পর মল্টিপরপস প্রোজেক্ট (এস য়ু এম পি) শেম শাবগী থবক অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মশিং য়াল্লবা মীয়ান্না পাসিঘাততা লৈবা নেসনেল হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক পৱার কোর্পোরেসন (এন ঐচ পি সি)গী ওফিস মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহনখিবা অমসুং পোলিটিকেল লিদর কয়াগী য়ূম কয়া থুগাই য়ৈখায়খিবা হিংশা য়াওবা খোঙজং অদুগা মরী লৈননা অরুনাচল প্রদেশকী পুলিসনা দাম অসিবু শাবগী মায়োক্তা লৈবা হ্যুমেন রাইট লোয়র ওইবতা নৎতনা এক্টিভিস্ট অমসু ওইরিবা ইবো মিলি, য়ুথ লিদর ওতুল জিরাং অমসুং টাজোং টালোম ফাজিনখ্রে।

এক্টিভিষ্ট অমসুং য়ুথ লিদর অনি য়াওনা পূন্না মীওই ৩ পুলিসনা নৌনা ফাজিনখিবগী থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা মেগা দাম প্রোজেক্ট শেম শাবগী থবক চথরিবা মফমগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা নৌনা ইরাং কনখৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈরে।

মিলি অমসুং জিরাং পাসিঘাত পুলিস ষ্টেসনদা মশানা লাক্তুনা সরেন্দর তৌখিবনি। অদুগা তলোমনা সিয়াং দাম প্রোজেক্ট শেম শাবগী থবক অসিগী মায়োক্তা ন্যু দিল্লিদা চৎতুনা নেসনেল মেদিয়াশিংদা ব্রিফিং পীনবগীদমক থৌরাং তৌরিঙৈ অসামদগী ফাখিবনি।

হিংশা য়াওবা খোঙজংগা মরী লৈননা ফারবা মীওই ৩ অদুগী মথক্তা অরুনাচল পুলিসনা বি এন এসকী মখাদা তোঙান তোঙানবা প্রোভিজন অমসুং প্রিভেন্সন ওফ দেমেজ টু পব্লিক প্রোপর্টি এক্টকী মখাদা বুক তৌদুনা এফ আই আর লৌখৎখ্রে।

পনবা য়াবদি এন ঐচ বি সিগী ওফিস মৈ থাবতা নৎতনা পসিঘাত পুলিস ষ্টেসনগী গাড়ী কয়া মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহনখিবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রবনি।

‘পার্লিয়ামেন্টনা থাজনবগী মরী শেমদুনা মুক্নরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা নক্নবগী মরী থম্বা য়াই’

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি): পার্লিয়ামেন্টনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মরক্তা থাজনবগী মরী শেম্বদা য়ামনা চাওবা থৌদাং লৌদুনা মুক্নরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা নক্নবগী মরী অমা নৌনা শেম্বা য়াই হায়না লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলানা ফোঙদোকখ্রে।

সম্বিধান সদনগী সেন্টর হোলদা পাঙথোকখিবা ১২শুবা ব্রিক্স পার্লিয়ামেন্টরি ফোরম হৌদোকপগী থৌরমদা স্পিকর ওম বিরলানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা স্পিকর ওম বিরলানা হায়, মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা থোক্লিবা মফম অদুগী কনফ্লীক, ৱার, ইকোনোমিক ইনষ্টেবিলিটি, ট্রেদকী টেন্সন, টেরোরিজম অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জগী চৈথেং অদু হায়রিবা লৈবাকশিং অদুগী ঙমখৈ মনুং খক্তদা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিং নৎতে। হায়রিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অদুনা মরম ওইরগা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পাক্তক্না শন্দারকপদগী তঙাইফদনা দাইলোগ, দিপ্লোমেসি অমসুং কোওপরেসন পীনবগী খোঙথাংশিং অসি লাকপনি।

মরম অদুনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টশিংনা অখন্নবা থৌদাং লৌদুনা অমগা অমগগী মরক্তা থাজনবগী মরী হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা লৈবাকশিংগী মরক্তা থোক্লিবা মুক্নবগী থৌদোকশিং অদু লেপহন্দুনা নক্নবগী মরী অমা নৌনা শেমদুনা মালেম অসিবু ঈং-তপ্পা, নুংশি চান্নবা, ৱাৎতা-পাদবা অমা ওইনবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়না ব্রিক্স লৈবাকশিংগী তোঙান তোঙানবা মকোকথোংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি ফোরম অদুদা স্পিকর ওম বিরলানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চোপ্পর লৈনবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর ২০,০০০ কায়থোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি): ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং এয়ার ফোর্সনা মতম কয়াদগী শিজিন্নদুনা লাক্লবা চিতাহ / চেতক চেপ্পর অসিগী মহুৎ মতমগা চুনবা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা মায় পাক্লা ওপরেসন চথবা ঙম্বা অনৌবা মখলগী চোপ্পর ২০০ লৈনবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী লুপা ক্রোর ২০,০০০ কায়থোকখ্রে।

ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং এয়ার ফোর্সনা মতম কয়াদগী শিজিন্নদুনা লাক্লবা হান্নগী চোপ্পরশিং অদুগী মহুৎ মতমগা চুন্নবা মখলগী অনৌবা চোপ্পর লৈনবগীদমক পীরকখিবা প্রোপোজেল অদু ঙসি পাঙথোকখিবা দিফেন্স এক্যুসিসন কাউন্সিলগী মীফমনা পুন্না লুপা ক্রোর ২০,০০০গী শেনফম কায়থোকপদা অয়াবা পীখিবনি।

দিফেন্স সোর্সকী মতুং ইন্না ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা নৌনা লৈগদৌরিবা চোপ্পরশিং শেম শাবগী থবক অদু টাটা অমসুং এয়ারবস অমদি অদানি গ্রুপ অমসুং ইটালিগী কম্পেনিগা খূৎশন্নদুনা পায়খৎকন্দবনি হায়রি।

অমরোমদা মতম কয়াদগী ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা শিজিন্নদুনা লাক্লবা চিতা অমসুং চেতক চোপ্পর ৪০০ লাক্লিবা চহী খরা অসিদা রিটয়ার তৌরবা য়াই হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারক্লি।

কোর্টনা রাহুল গান্ধীবু মরাল লৈতে হায়না লাওথোকখ্রে

লক্ষ্ণৌ, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি): হৌখিবা চহী ২০১৮দা মতম অদুগী বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমিত শাহগী মথক্তা য়ূমফম য়াওদবা ৱাফম কয়া মীয়াম তিনবা মীফমদা ফোঙদোকখি হায়না মরাল শীদুনা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস মায়োক্লন্দুনা লাকখিবা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা ওইবতা নৎতনা হৌজিক হৌজিক লোক সভাগী ওপোজিসন লিদরসু ওইরিবা রাহুল গান্ধীবু উত্তর প্রদেশকী সুলতানপুরদা লৈবা অখন্নবা এম পি-এন এল এ কোর্ট অমনা মরাল লৈতে হায়না লাওথোকখ্রে।

২০১৮দা অমিত শাহগী মথক্তা চৈ থাংদুনা ৱা ঙাংখিবা অদুগা মরী লৈননা তাঙ্কক কয়ারক্তা হিয়ারিং চথদুনা লাকখ্রবা মতুং ঙসি এদিসনেল সিভিল জজ সুভান বর্মাগী কোর্ট অমনা ভর্দিক পীবগী মতম অদুদা রাহুল গান্ধীসু কোর্ট অদুদা লৈখি। রাহুল গান্ধীগী দিফেন্স কাউন্সেল ওইনা লেপ্লিবা কাসি প্রশাদ সুক্লনা রাহুল গান্ধীবু কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না লাওথোকখ্রে হায়বগী ৱাফম পাউমীশিংদা খঙহল্লকখিবনি।

কোর্টনা ঙসি অরোইবা ওইনা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস অসিগা মরী লৈননা ভর্দিক পীবা অসিদা হকথেংননা শরুক য়ানবগীদমক অকনবা সেক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টগা লোয়ননা রাহুল গান্ধী ঙসি অয়ুক লক্ষ্ণৌদা থুংলখিবনি।

পনবা য়াবদি ২০১৮দা পাঙথোকপা কর্নাতকাগী এসেম্ব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল রল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা রাহুল গান্দীনা অমিত শাহবু মী হাৎপগী কেস মায়োক্লরিবা মীওই অমনি। মী হাৎপগী কেস মায়োক্লরিবা অমিত শাহনা লুচিংবা বি জে পিনা কদাই ফাওবা মপুকচেল শেংনা পোলিটিক্স তৌগদৌরিবনো হায়না রেল্লি অদুদা শরুক য়াবা মশিং য়াম্বা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবনি।

মিজোরাম পুলিসনা লুপা ক্রোর ৭৭ রোমগী দ্রগ ফারে

আইজোল, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি): মালেমগী কৈথেলদা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৭৭ রোমগী ওইগদবা দ্রগকা কোন্ননা ম্যান্মার নেসনেল ৬ য়াওনা পূন্না মীওই ২৯ ফারে হায়না ম্যান্মার পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ম্যান্মার পুলিসকী মায়কৈদগী থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৬২.৯৯ রোমগী ওইগদবা মেথামফেতামাইন কেজি ৭৮.৭৫, ক্রোর ৮.১১ রোমগী ওইগদবা মোরফিন কেজি ৮.১১ অমদি চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৫.৮৪ রোমগী ওইগদবা হেরোইন কেজি ২.৯২ ফাগৎপা ঙম্লে।

দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওইশিংগী মরক্তা মণিপুর অমসুং ম্যান্মারদা লৈবা মীওই কয়াসু য়াওরি হায়না ম্যান্মার পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থবক হাপ্পীগনি হায়না শেল লৌথোক্লম্বী নুপী অমা ফাখ্রে

হমিরপুর, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি): থবক ফংদ্রিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোল অমবু লৈঙাক্কী থবক হাপ্পীগনি হায়না লান্না লমজিংদুনা য়াল্লবা লুপা লাক্ষ কয়াগী শেনফম লৌথোল্লম্বী বেঙ্ককী এমপ্লোয়ী অমা পুলিসনা ফাখ্রে।

পুলিসনা ফারবা নুপী অদু হামিরপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বেঙ্ক অমদা পিওন ওইনা থবক তৌবী নুপী অমনি হায়রি। মহাক্কী মথক্তা সদর পুলিস ষ্টেসননা ফ্রোট কেস অমা লৌখৎতুনা ৱাহং পাউহং চথবা হৌখ্রে হায়রি।

সনা-সুদোকু-১১২০ সোল্যুসন

5	9	8	6	2	4	1	7	3
2	1	3	7	8	9	5	6	4
4	6	7	5	3	1	2	8	9
7	3	4	1	6	8	9	2	5
9	8	5	4	7	2	3	1	6
1	2	6	3	9	5	7	4	8
3	7	9	8	1	6	4	5	2
8	5	1	2	4	3	6	9	7
6	4	2	9	5	7	8	3	1

Crossword # 1179



Across
1. Address word
5. Small pie
9. Idolize
14. Poet ____ Pound
15. Butter substitute
16. Lassoed
17. Weaving machine
18. Limited
20. Prisoner
22. Links gadgets
23. Calculating
24. Desist
25. Make unhappy
27. Prepared to propose
29. Expresses scorn
33. Raises
36. Ice pellets
38. Way out
39. Ultimate
41. Daily grind (2 wds.)
44. Pennsylvania port
45. Investigate
47. Kitty sound
48. Retitle
51. Wide-awake
53. Go off the tracks
55. Scorches
59. Savings plan (abbr.)
62. Cut of meat
63. In the sky
64. What a priest hears
67. Border
68. Comedian ____ Murphy
69. Fasting season
70. Poppy or sesame
71. Takes five
72. Ages
73. Tallies

Down
1. Antique
2. Atmosphere layer
3. Perfume
4. Heavy linen
5. Ripped
6. Pub order
7. Paraphrase
8. Carried
9. Gotten up
10. Trumpeter ____ Severinsen
11. Chooses
12. Rod's companion
13. Circular current
19. Cincinnati baseballers
21. Edgy
25. Slumber
26. Poetic contraction
28. Stately tree
30. Checkup
31. Wedding confetti
32. Fret
33. Customer
34. Undiluted
35. Twirl
37. Online troublemaker
40. ____ between the lines
42. Honest ____ Lincoln
43. Concise
46. Mount ____ (Seattle view)
49. Free-for-alls
50. Greek Cupid
52. Calcutta's Mother ____
54. Theater walkway
56. Assisted
57. Expressed anger
58. Toboggans
59. Cake decorator
60. Took a bus
61. Connecting words
63. Picnic nuisances
65. Tantrum
66. Stop ____ dime (2 wds.)

পাউখুম লমায় ৭ তা ...

ছতিসগড়: পিকঅপ ভেহিকল অমদা লুপা ক্রোর ৪ কেস ওইনা হাপ্তুনা পুরম্বা থেংনখ্রে

দুর্গ, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি): ছতিসগড়গী খুরসিপার পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মফম অমদা পুলিসনা লম্বীদা থৌরিবা গাড়ীশিং খামদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা লুপা ক্রোর ৪গী শেনফম কেস ওইনা পিকঅপ ভেহিকল অমদা হাপ্তুনা পুরম্বা থেংনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ছতিসগড় পুলিসকী এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস সোবরাজ অগরৱালনা হায়, য়াল্লবা শেনফম কয়া অঙৌবা মচুগী পিকঅপ ট্রক অমদা হাপ্তুনা ট্রান্সপোর্টেসন তৌরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী খুরসিপার পুলিস ষ্টেসনগী পার্সোন্নেলশিংনা ছতিসগড়গী দুর্গদা অচৎ অওকশিং খামদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথরিঙৈ অঙৌবা মচুগী পিকঅপ ট্রক অমা লাকপা উবদগী খামদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা লুপা ক্রোর ৪গী শেনফম কেস ওইনা য়াওরম্বা থেংনবদগী পুলিসনা সিজ তৌবগা লোয়ননা গাড়ী অদুবু থৌরক্লিবা দ্রাইভর অমদি অতোপ্পা মীওই অমগা ফাগৎতুনা ৱাহং পাউহং চথবা হৌরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা পাউ পীদুনা লোগী ওইবা মথৌতাবা এক্সন লৌখৎনবসু খঙহনখ্রে হায়না অগরৱালনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক অসি হৌবতা ঙাইহরি। মরম অদুনা য়াল্লবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম অদু কদাইদগী মতৌ করম্না পুরকপনো অমসুং কদাইদা পুগদৌরিবনো হায়বা অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা হায়বা ঙমদ্রি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াবু দ্রগ-ফ্রী অমা ওইনবা থল্লিবা পান্দম অসিদা বি জে পিনা মপুং ফানা শৌগৎকনি

২০২৬কী থৌরমদা মরুওইবা

সিরোহি, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লাক্লিবা ২০২৯ ফাওবদা লৈবাক অসিবু দ্রগ-ফ্রী লৈবাক অমা ওইনবা পান্দম থমদুনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংদা বি জে পিগী মায়কৈদগী মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবিননা ফোঙদোকখ্রে।

রাজস্থানগী সিরোহি দিষ্ট্রিক্টকী সান্তিভান কেম্পসতা পাঙথোকপা ব্রহ্মকুমারি গ্লোবেল সম্মিট মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট নিতিন নবিনবা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা নিতিন নবিননা হায়, লৈবাক অসিবু চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিনবা অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা থবক পীবা হায়বা অসি লৈবাক অসিদা চথরিবা এন্টি-এদিক্সন দ্রাইব অসিগা য়ান্না মরী লৈনৈ। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা দ্রগ-ফ্রী ইন্দিয়া হায়না মিংথোন্দুনা লৈবাক অসিদগী দ্রগকপু মরুফংনা মুখৎনবা চংশিল্লিবা দ্রাইব অসি মায়পাক্লবা মতম খক্তদা লৈবাক অসিনা চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিন্দুনা, ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা থবক পীবা ঙমগনি। মরম অদুনা ২০২৯ ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা দ্রগ-ফ্রী ইন্দিয়া অমা ওইনবা পান্দম থমদুনা চংশিল্লিবা খোঙজংশিং অসিদা বি জে পিগী মায়কৈদগী মথৌতাবা পূন্নমক মতেং পাংদুনা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা দ্রগতগী লাপ্লা লৈদুনা মশা-মউ ফনা থম্বা হায়বা অসি শুন্নতগী মখোয়গী পুন্সি অদু য়াইফবতা নৎতনা লৈবাক অসিগী ওইনসু য়াইফবা অমনি।

নহারোলশিংনা মশা-মউ ফনা থম্বা অসিনা মখোয়গী ইমুং মনুংগী মঙলান ঙাক শেন্দুনা থম্বতা নৎতনা লৈবাক অসিবু খূৎকন-পাঙ্গনবা লৈবাক অমা ওইগদেরিবনি হায়নসু নিতিন নবিননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মেটেলৱার্কর, প্রিজনর, প্রসিদেন্ট: লুলানা ব্রাজিলদা পুৱারি ওইনা ৪রক শুবা টার্ম মায় পাকখ্রে

ব্রাসিলিয়া, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি):

লুইজ ইনাসিও লুলা দ সিলভা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্টনা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা অমা ওইনা ওফিসতা ৪রক শুবা টার্ম অমা মায় পাকখ্রে।

ব্রাজিলদা অহানবা রাউন্দ অদু মায়থিখিবা মতুং প্রসিদেন্সিয়েল রনওফ অমা মায়পাকপদা অহানবা মীওই অদু ওইদুনা পোলিটিকেল লেফ্টকী টিটান অদুনা পুৱারি শেমখ্রে।

মহাক্কী অঙকপা মায় পাকপা অসি মেটলৱার্করশিংগী ট্রেদ য়ুনিয়ন অমদগী হৌরগা জেলদা লৈরকখিবা ফাওবা য়াওবা শাংলবা মীয়াম্না ৱারী তৌনখিবা পোলিটিকেল কেরিয়ার অমগী মতুংদনি।

ফ্লেমিয়োও বোলসোনারোগী মখুৎতা থা অসিগী অঙনবদা মহাক্না অনিশুবা তাহৌখিবাঅদুগী মতুংদা লুলানা ইচং থৌবা রনওফ কেম্পেন অমা চথরকখি।

অরোইবা পুংজাদা সেলফি ভিদিওশিং থাগৎতুনা অমসুং অহানবা ওইনা সেলফোন অমা লৈদুনা মহাক্না মাগী সোসিয়েল মেদিয়া গেম হেনগৎলকখি।

অহানবা ওইনা মহাক খনখিবা চহী ১৪ মতুং মহাক্কী মায় পাকপা অসিনা লেটিন আমেরিকাগী খ্বাইদগী চাওবা লৈবাকপু লেফটিষ্ট স্ট্রোংহোল অমা ওইনা থম্বা ঙমখ্রে।

চহী ৪০ হেন্না ব্রাজিলগী পোলিটিক্সতা শিংথানিঙাই ওইবা লুচিংবা অমা ওইরকখ্রবা লুলানা পোভরটিদগী প্রসিদেন্সিদা য়ৌরকখি। চহী ৪গী মমাঙদা মহাক্না অমুক হন্না পৱারদা হল্লকখিবা মতম অদু ফাওবদা পোলিটিকেলগী খমথেংনা অৱাবদগী অমুক হন্না হৌগৎলক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক জেলদা ফাওবা লৈখি।

অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেট পেরনামবুকোদা লাইরিক লাইশু হৈতবা লৌমীশিংগী ইমুং অমদা অঙাং ৮গী ৭শুবা অদু ওইনা প্রসিদেন্ট অসিনা য়াম্না লারনা হৌরকখি। মহাক্না মেটেলৱার্কর অমসুং ট্রেদ য়ুনিয়ানিষ্ট অমা ওইরক্ত্রিঙৈগী মমাঙ খোঙউপ কাপ থাবা নুপা মচা অমা অমসুং পিনত ভেন্দর অমা ওইনা থবক তৌরমখি।

মহাক্না ১৯৬০গী চহীশিংদা থবক শুফমদা থোকখিবা এক্সদেন্ট অমদা খুদোম্বি অমা তৎখি। প্রসিদেন্সিয়েল মীখল ৩ মায়থিরবা তুংদা লুলানা অরোইবদা ২০০৩দা ব্রাসিলিয়াদা প্রসিদেন্সিয়েল পেলেস অদুদা চংলকখি অমসুং ২০০৬তা অমুক হন্না খনখি।

মী মিল্লিয়ন ৩০কী লাইরবা কোকহনবদা মতেং পাংখিবা কম্মোদিটি–বেজ ইকোনোমিক বুম অমা প্রিসাইদ তৌদুনা মহাক্না ব্লু–কোলার হেরো অমা ওইনা ২০১০দা ওফিস থাদোকখি।

পাক শনবা করপসন স্কেন্দলশিংনা লুলা অমসুং মহাক্কী পার্টিবু মঙলাকনহনখি। মদুনা মরম ওইদুনা ২০১৮দা প্রসিদেন্সিদা জাইর বোলসোনারে চংহল্লকখিবা মীয়াম্না য়ান্নদবগী ৱেব অমা থোকহনখি।

প্রোসিদিওরেল গ্রাউন্দসতা মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরালশিং চৎনহনখিদবা অমসুং কেস অদুগী লুচিংবা জজ অদু মপুকচেল শেপ্পা ওইরমখিবা অদু ফাওবদা ইলেক্সন অদুগী মমাঙ লুলাবু জেলদা থল্লমখি।

অদুম ওইনমক স্কেন্দল অদু ব্রাজিলদা মতম কুইনা পোলরাইজেসন তৌরকখিবা অদুদগী ওইরমখি। বোলসোনারোগী প্রসিদেন্সিনা হেন্না নাকপাক তাবা পুরকখি অমসুং ২০২২ ইলেক্সনদা য়াম্না পীকপা মার্জিন অমদা লুলানা অঙকপা মওংদা অমুক হল্লকখি।

মহাক্কী ৩শুবা টার্মদা অমাজোন রেন ফোরেষ্ট মাঙ তাকহনবা লাকশিনদুনা, অমসুং ব্রাজিলগী দেমোক্রেসিবু হেন্না চেৎপা য়ূমফম অমদা অমুক হঞ্জিনহন্দুনা মহাক্কী মমাঙদা লৈরম্বা অদুনা লৈখা তাহল্লমখিবা সোসিয়েল প্রোগ্রামশিং অমুক হঞ্জিনহনবা অদু মহাক্কনি হায়না থাগৎনখি।

ৱেষ্ট এসিয়াদা নৌহৌনা খূৎ থোক্লরকপা য়াবগী ফিভমগী মতাংদা ইরানদা দিলিগেসনশিং পুনখ্রে

কায়রো, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি):

ইজরেল অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ইরানগগী মরক্তা নৌহৌননা খূৎ থোক্লরকপা থিংনবা হোৎনদুনা সাউদি অরাবিয়া, পাকিস্থান অমসুং টর্কিদগী অৱাংবা থাক্কী দিলিগেসনশিংনা ইরানিয়ান ওথোরিটিজগা মীফমশিং পাঙথোক্লবগীদমক ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা টেহরানদা পুনখ্রে হায়না রিজনেল ওফিসিয়েল অনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱারী শান্নবশিং অদু ইজরেলি অমসুং আমেরিকান লুচিংবশিংনা লৈবাক অনিমক অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলশিং অদুগী মাঙওইননা হেন্ন হেন্না কিহল্লকখিবা অদুগা নাকন অমরোমদসু ইরানগী লুচিংবশিংনা মায়োক্লনবা মুক্তুনা লৈখিবগা ইরানগী মনুংদা মীওই কয়ানা মপুং ফাবা লানদা অমুক হল্লকপা য়াবগী ওইথোক্লিঙাই অদুগীদমক থৌরাং তৌখিবগনি।

সাউদি দিফেন্স মিনিষ্টর খালিদ বিন সলমান, পাকিস্থান আর্মি চীফ ফিল্ড মার্সেল অসিম মুনির অমসুং টর্কিগী ইন্টিলিজেন্স সার্ভিসকী মকোক অদুগা টেহরান অমসুং ৱাসিংটনগী মরক্তা দিল অমগীদমক তকশিন্নবা ইরানগী মকোকথোংবা সেক্যুরিটি ওফিসিয়েলশিং অমসুং নেগোসিয়েটরশিংগা উন্নগদৌরি।

খন্নগদৌরিবা অসিগী মনুংদা য়েমেনদা থোক্লিবা ৱার অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী মথক্তা ইরাননা ঙাক্লৈপীবা হৌথি রিবেলশিংগী এটেকশিংসু য়াওরি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংনবগী মখোয় ওথোরাইজ তৌদবা মরমদগী মশাগী মশক মমিং ফোঙদোক্তনা হায়খি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংনবগী মহাকসু ওথোরাইজ তৌদবা মরমনা মশক মমিং ফোঙদোক্তনা ৱা ঙাংদুনা ইরানগী ওফিসিয়েল অমসনু ওফিসিয়েলশিং অদু থুংলখ্রে হায়খি।

সাউদি অরাবিয়ানা ষ্টেটমেন্ট অমদা দিলিগেসনশিং অদুনা উংখৎনবশিং নমথহন্নবা, রিজনেল সেক্যুরিটি কনখৎহন্নবা অমসুং তংদু লৈতাবা পুরক্লবা লম্বীশিং পুথোক্লবা আশা তৌরি হায়খি।

হয়েঙ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইজরেলগী মীখল অমসুং য়ু এসকী নবেম্বর ৩গী মিদটার্ম ইলেক্সন মাঙওইননা নৌহৌনা খূৎথোক্লবা হৌবগী মতাংদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই ইস্মাইল বাঘেনা চয়োল লোইবা নুমিৎতা দিপ্লোমেসিগী ৱিন্দো অদু টেহরাননা থিংজিনখ্রে হায়খি অমসুং ইন্টরমেদিয়ারিশিংগী খূৎথাংদা য়ু এসতা মেসেজশিং থাখ্রে হায়খি।

লান অমুক হৌবনা মখোয়গী ফিরেপশিংদা অহোংবা লৈরোই হায়না ইরাননা হায়রি। নেগোসিয়েসনশিং মতম শাংনা লেপ্তুনা লৈখিবগা লোয়ননা বঘৈনা য়ু এসনা মখোয়গী নাকল নামতগী দিমান্দশিংদা শিখাং খাংদুনা লৈবগুম তৌরি অমসুং ট্রম্প অমসুং য়ু এস ওফিসিয়েলশিংনা ‘কমপ্লিট সেরেন্দর’ হায়বা ৱাহৈ অদু হন্না হন্না শিজিন্নৈ হায়খি। অদুবু মদু ইরাননা শুকয়া য়ারোই হায়না বঘৈনা হায়খি।

মরকসিদা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুনা ইন্টিলিজেন্সকী ৱারোল পল্লদুনা ভোট অদু থুগাইনবা অকনবা লম্বা থেংনবগী মীফমশিং অদুগী মাঙওইননা ইরান নৎত্রগা মসিগী প্রোক্সিশিংনা এটেক তৌরকপা য়াই হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা মহাক্কী ৱার্নিং অমুক হন্না তৌখি।

ষ্টেটকী পাউ

১৯শুবা সেলসিকোন অমসুং ২৯শুবা এসিমানিকোন ২০২৬ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ

সোইটি ওফ এন্দোস্কোপিক এন্দ লেপারোস্কোপিং সর্জন ওই ইন্দিয়া (সেলসিকোন ২০২৬)কী ১৯শুবা এনুৱেয়ল কনফরেন্স অমসুং এসোসিয়েসন্স ওফ সর্জন্স ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট চেপটর (এসিমনিকোন ২০২৬) কী ২৯শুবা থৌরম হৌখিবা ওক্টোবর ২৪দা সিটি কনভেন্সন সেন্টর ইম্ফালদা হৌদোকখ্রে।

কার্কিনোজ মণিপুর কেন্সর কেয়র ইন্সটিট্যুট এন্দ রিছার্স সেন্টরনা সেলসি ইন্দিয়া অমসুং এ এস আই ষ্টেট মণিপুরনা পূন্না শীনমিন্নবা থৌরম অদু মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা চীফ গেষ্ট ওইনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী হোম অমসুং য়ুথ এফিয়ার্স স্পোর্টক মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, নেসনেল প্রসিদেন্ট এ এস আই প্রোফেসর দি মরুথু পনথিয়ান অমসুং সেলসিগী প্রসিদেন্ট কে সিন্ধি কুমার লোয়ননা এস এস আই মণিপুর চেপটর প্রোফেসর এন সোমোরজিৎ সিংহনা মথং শীৎনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ হুন্নিগী ওইবা সর্জিকেল কনক্লেব অদুদা পূন্না মপানগী দেলিগেট ৭০ য়াওনা পূন্না ফেকলরি অমসুং দেলিগেট ৪০০না শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সর্জিকেল এন্দ গাইনোকোলোজি ওপরেটিব দেমোনষ্ট্রেসন, কম্প্রিহেন্সিপ সাইন্টিফিক প্রোগ্রাম দেমোনষ্ট্রেসন তৌবগা লোয়ননা য়ুং সর্জন অমসুং পোষ্ট গ্রেজুয়েট ট্রেনিশিংদা তোঙান–তোঙানবা প্রজেন্টেসনশিংসু উৎখি।

সরবিয়াগী মহৈরোইশিংগী ঈহৌনা পার্লিয়ামেন্ট মীখলদা চহী ১৪ পৱার পায়রকখিবা লুচিংবা তাম্থোকখ্রে

বেলগ্রেট, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি):

সরবিয়াগী মহৈরোই লুচিংবা অমনা আলেকজেন্দর ব্যুসিককী রাইট–ৱিং পোপুলিষ্ট পার্টিনা চহী ১৫গী পৱার পায়রকখিবা অদু লোইশিন্দুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদা মায়পাক্লে লাউথোকখ্রে।

মায় পাকপা অসি মীওই ১৬ শিখিবা নোবি সাদ রেলৱে ষ্টেসনদা ২০২৪দা কেনোপি অমা নিংখায়বদগী হৌরকখিবা এন্টি–গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগী চহী ২ রোমগী মতুংদা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলনি।

দিজাষ্টর অদু করপসননি হায়না পাক শন্না মরাল শীখি অমসুং ২০০০দা ষ্ট্রোংমেন স্লোমোদান মিলোসেবিন লৈখায় তাখির্দিঙৈগী মতুং সর্বিয়াগী খ্বাইদগীচাওবা প্রোটেষ্টশিংগী খরা থোকহনখি।

অহানবা ফংবা ফলশিংদা পোলিং ষ্টেসন পূন্নমক্তা মহৈরোইশিংনা মাঙজিন থারে হায়না ষ্টুদেন্টস লিষ্টকীদমক মীরেপ অমা ওইরিবা রাদোমির শৈসিদনা মুভমেন্ট অদুগী ইলেক্সন ঐচকিয়ুদা ৱা ঙাংবদা হায়খি।

মহৈরোইশিংনা মায় পাক্লা অমসুং মেখায়গা লোয়ননা সরবিয়ানা জষ্টিস, ফ্রীদম অমসুং দিগ্নিটিগী লৈবাক অমা ওইবা ঙল্লগনি হায়বগী আশা অমসু লৈরে।

চহী ৩০ হেনবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ভোটর মশিং য়াম্না থোক্লক্তুনা শরুক য়াখিবা পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনসগী রেকোর্দকা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিৎতা ভোটরশিংনা ভোটরশিংনা হুপ্তুনা থোক্লক্তুনা ভোট থাদনখি।

মায় পাকপগী হরাওবা ফোঙদোক্লবা মীওইলিশিং কয়ানা কোনুং অদুগী ষ্ট্রীটশিংদা থোক্লরকখি। কারশিংনা হেরোন হৌনা হৌনা খোঙখি। মীয়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা লাওনখি, বম্বুলা থাবগী মৈঙাননা অতিয়া অদু ঙানখি। লৈবাক অসিগী ইলেক্সন ওফিসার অদুগী মতুং ইন্না লৈবাকসিগী রেজিষ্টার ভোটর মিল্লিয়ন ৬.৪গী চাদা ৬৫ লোমনা ভোট থাদবা লোইশিন্দ্রিঙৈগী পুং ২গী মাঙওইননা নুংথিল ৬.০০ ফাওবা ভোট থাদনখি।

মশিং অসিনা চাদা ৬১ খরা হেন্না ভোট থাদখিবা ১৯৯৩ পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদগী হেনখ্রে।

শৌগৎপশিংনা পীবা মহাক্কী ৱারোলদা আলেকজেন্দর ব্যুসিকনা অহানবা ফংলিবা মশিংশিং অসিনা মহৈরোই মুভমেন্টনা সিট ১৩৫তগী হেন্না ফংলগনি। মদু ওইরবদি ২৫০ সিট লৈবা পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি অমা চপ চানা থেংনগনি।

মহাক্না থবক পুখিবা মতম পূম্বদা রসিয়াগা নক্লবা মরী থমখিবা মশাগী চহী ৫৬ শুরবা ষ্ট্রীটসমেন অদুনা ফল অসিগীদমক ফোরেন পৱারশিংদা মরাল শীখি। চহী ২ রোম মহৈরোইশিংনা হকথেংননা ভোটরশিং য়ৌনবা অমসুং ব্যুসিককী সর্ভিয়ান প্রোগ্রেসিব পার্টিগী মেদিয়া মেসিনগী মায়োক্লনবা বলকান লৈবাক অদুগী মফম পূন্নমক্তা রেল্লিশিং চৎখি অমসুং খোঙচৎশিং পাঙথোকখি।

মখোয়গী প্রোটেষ্টশিংদা য়াল্লবা মীয়াম চিংশিনখি, ইন্দিপেন্দেন্ট প্রোটেষ্ট মোনিটর অমগী মতুং ইন্না, শগোলশেল নুমিৎতা বেলগ্রেটতা মীখল মমাঙগী অরোইবা রেল্লি অমদা মীওই ১৫০,০০০ রোম শরুক য়াখি।

ই ইয়ু চীফ ৱুলসুলাবোর্ন দের লেয়েন অমসুং হঙ্গেরিয়ান প্রাইম মিনিষ্টর পিটর মাগিয়ারনা ষ্টুদেন্টস লিষ্টতা মখোয়গী মায় পাকপা অদুদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

ভিয়ুসিকী মায়থিবা অসি মহাক্কী নক্লবা এলাই অমসুং মাগিয়ারগী রাইট–ৱিং প্রিদিসেসর ভিক্টর ওরবানসু মীখলদা মায়থিখিবা অদুগী থা খরগী মতুংদনি।

চহী ২ মঙলকখিবা মঙ অমা অশেংবা ওইনা মঙফাওনরে হায়না ষ্টুদেন্টস লিষ্টকী মীরেপ অমা ওইরিবা মিরজানা নিকোলিকনা মীখলগী ফল অদু হেক লাউথোকখিবা মতুং হায়খি। ষ্টুদেন্ট লিষ্টকী মীরেপ ২৫০গী অয়াম্বদি পোলিটিকেলগী এক্সপরিয়েন্স থোইনা লৈত্রিবা একাদেমিয়া অমসুং আর্টস য়াওনা ফিল্ডশিংদগী এক্সপার্টশিংনি।

লাইনিংহল ফুল্লো অমদি মীতৈ মরুপকী লুচিংবশিংগী মীতমগী মাইখুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ

তুংগী মীরোলনা খঙহৌনবা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুল্লো অমদি মীতৈ ফুরুপকী লুচিংবশিংগী নীংশিং শক্তম শাদুনা মাইখুম হাংদোকপগী থৌরম অমা ঙসি মীতৈ মরুপ মীতৈ লৈবাকনা শিন্দুনা মীতৈ শঙলেন ৱাঙ্খৈ থম্বালখোংদা পাঙথোকখ্রে।

নীংশিং খুভম অসিদা মীতৈবু নৌহৌননা মীৎকপ থোকহনবিরম্বা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুল্লো অমদি মীতৈ মরুপকী লুচিংবা ৩ হায়বদি পুখ্রম্বম সুরচান্দ, পুখ্রম্বম ইবোমচা, তখেল্লম্বম বোকুল অমসুং নিংথৌনা শোক্লু শম্নবা য়াদে হায়দুনা ইন্থোক্তুনা থম্বীরল্লবা অহল ৩৫ অমদি হৌরকপদগী ৱাজরক্লবা মীতৈ অহলশিংগী নীংশিং শকফম শাদুনা অমদি নুংবীদা মমিং মথা হক্তুনা তুংগী মীরোলদা খঙহৌনবা থল্লি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ফম্লেন–ফম্বাল লীংদুনা ইরাৎ ইশোন তৌখি অমসুং মৈরা চেং হৈবগী থৌরমসু পাঙথোকপা য়াওনা লুচিংবশিংগী মীতমগী মাইখুম হাংদোক্তুনা হৈকৎ লৈকৎ তমখি। থৌরম অদুদা ৱাংখৈ এসিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমার থাংজম অরুনকুমার, কৈরাও এসিগী এমএলএ শৈখ নুরুল হাসন, মীতৈ মরুপ মীতৈ লৈবাক থৌবুরেল তোংব্রম গুলামজাৎসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা হায়, মশাগী মরোল, ময়েক, লাইনিং লাইশোল, চৎন লোনচৎ লৈত্রবা ফুরুপতি অশিবগা পাঙ্খক্লি। মীতৈ কনগে হায়রবদি ঐখোয়গী শক্তম ওইরিবা ইরোল ইয়েক, লাইনিং লাইশোল, চৎন পথাপশিং ঙাক্তুনা থম্বা মথৌ তাই। অসিগুম্বা ঐখোয়গী শক্তম ওইরিবা তাংলবা লনশিং অসিবু ঙাক্তুনা থমদবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা মীতৈ মরুপ লিংখৎতুনা ফুরুপ অসিবু কন্নবা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুল্লো অমদি মীতৈ অহলশিংনা হোৎনরমখিবনি। ইশানা ইশাবু মশক খঙজবা অমসুং ইশাগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি মপাল কনবা ফুররুপ অমগী মচৎ ওইবনা মীতৈবু অমুক হন্না হিংগৎপিনবা হোৎনবিরম্বা লুচিংবশিংবু নীংশিংবা অমসুং মখোয়বু হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা খঙহন্নবা অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোক্লিবা অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়খি।

চীংমীশিংনা লোক্তাক পাৎকী ফজবা য়েংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফালদা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম য়াওবা লাকখিবা চীংমীশিংনা লোক্তাক পাৎকী ফজবা য়েংখ্রে।

থুমহি চেন্দবা পাৎ অসি উবদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা পাৎ অসিবু কন্নবা হোৎনহন্নিংবগী অপাম্বা চীংমীশিংনা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা মেরা হৌ চোংবা লাকপদা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরক্লবা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নসি হায়খ্রে।

মশিং য়াম্লবা চীংমীশিং অদু ইম্ফালদগী লোক্তাক পাৎতা লাক্তুনা মফম অসিদা লোক্তাক ডেগী থৌরমসু য়াওখিবনি। লোয়ননা বোট তোংদুনা পাৎ অসিগী ফজবা কয়াসু য়েংখি।

রিজনেল কোলেজগী নৌনা শাবা ব্লোক শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লিলোং চজিংদা লৈবা রিজনেল কোলেজগী নৌনা শাবা বিল্ডিং ব্লোক ঙসি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা শঙ্গাখ্রে। মখা তানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথবাল কুঞ্জদা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর শাননবা উরেপ–উয়ুং তমখ্রে।

রিজনেল কোলেজগী ইন্দোর ষ্টিদিয়মদা পাঙথোকপা শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিলহন্নবা থম্মোয় শেংনা হোৎনরি। লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংসু পায়খৎলি। লমদম অসিদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনবা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা মমাঙদা উনখিবদা মহাক্লসু মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিলহনবা হায়বসিদা অহেনবা মীৎয়েং থম্ননবা খঙহল্লকখি।

লোয়ননা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রকখিবগা লোয়ননা ঙসিদি মণিপুরদা তপ্না তপ্না তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিল্লক্লি। নেসনেল হায়ৱেশিং অমুক হন্না হাংদোক্তুনা চথোক চৎশিন য়ারে। হন্দক লাইবক থিবা থৌদোক অমদা মীওই অহুমগী পূন্সি মাঙখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা হৌজিক উংখৎনবগী চাং ৱাংনা লৈরি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি লৈঙাক্লা হকচিন্না লৌই হায়রি।

‘নো স্কুল বেগ ডেদা নোর্মেল ক্লাস তৌবা য়াহনবীয়ু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ (এস এন এস)ঃ

থোক্লিবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা থৌদোক কয়ানা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় কয়ানা মানা–মানা তমগদবা লাইরিকশিংগী মতম ফংদবনা চাউনা মাঙজবা অমা ওইরে। মরম অদুনা মহৈরোয়শিংগী তুংগী খল্লগা নো স্কুল বেগ ডে (সেটরদে)গী প্রোগ্রাম অসি হন্দক্কী সেসন অসিদগী লেপহন্দুনা নোর্মেল ক্লাস তৌবা য়াহনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মথৌ তারবদি স্কুলশিংনা সন্দে নুমিৎশিং অসি নোর্মেল ক্লাস নৎত্রগা এক্সট্রা ক্লাসশিং তৌবদা পীবিয়ু। মসিনা অঙাংশিংগী ক্লাস কয়া মাঙদুনা চহী অসিদা ফংগদবা নোলেজ কয়া মপূং ফানা ফংদনা মাঙখিবা অদু খরদা ওইরবসু মেনখৎপা ঙমগনি হায়না এসোসিএসন্না লৌই। লোয়ননা মমা–মপা ওইরিবা কয়ানসু থোক্লিবা লৈবাক অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী সিচু এসনশিং অসি য়েংবীদুনা অঙাংশিংনা মহৈ তম্বা চৎপা মতমদা খরা য়েংশিনবীদুনা মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা শিন্নমিন্ননবসু ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা তোঙান তোঙানবা স্কুল অমদি দিপার্টমেন্টশিংনসু য়ারিবমখৈ লন্নাই প্রোগ্রাম অমদি দিপার্টমেন্টশিংগী প্রোগ্রামশিংদা মহৈরোয়শিং শীজিন্নদনা টিচিং, লার্নিং প্রোসেসতা অকায়বা পীবিগনু হায়রি।

চাইনাগা অফবা মরী লৈনবা হোৎনরকখিবা হান্নগী জাপান প্রাইম মিনিষ্টর য়াসুৱো ফুকুদা মশাগী চহী ৯০ শুবদা লৈখিদ্রে

টোকিও, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সি):

চাইনাগা অফবা মরী লৈননবা হোৎনবগীদমক শকখঙনরবা হান্নগী জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়াসুৱো ফুকুদা মশাগী চহী ৯০ শুবদা লৈখিদ্রে হায়না লৈঙাক পায়বা পার্টিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ফুকুদানা ওক্টোবর ২২দা তাইবঙ থাদোকখি হায়না লিবরেল দেমোক্রেটিক পার্টিগী ওফিসিয়েল অদুনা এ এফ পিদা হায়খি।

শুন্নগী থা ১২ খক্কী মতুং মহাক্কী অহানবা টার্ম লোইশিনখিবা লৈখিদ্রবা প্রেমিয়র সিনজো আবেগী মহুৎ শিন্দুনা সেপ্টেম্বর ২০০৭তগী চহী অমগীদমক জপানবু মহাক্না লুচিংলমখি। মহাক্না লৈঙাক্কী শক্তি পায়রিঙৈ মতমদা চাইনাগা লৈনবা মরী ফগৎনবা হোৎনরমখি।

চাইনাদা লাকপীনবা মতম অদুগী চাইনাগী প্রসিদেন্ট হিয়ু জিনটাওদা ইনভাইট তৌখি।

চাইনাগী প্রসিদেন্ট অদুনা মে ২০০৮দা লাকখিবা অদুনা মহাকপু চহী ১০গী মনুংদা লৈবাক অদুদা লাকপা অহানবা চাইনিজ হেদ ওফ ষ্টেট অদু ওইহনখি।

লুচিংবা অনি অদুনা অনিমক্কী ওইবা মরুওইবা কান্নগদবা হিরমশিংদা য়ূমফম ওইবা অনিমক্কী কান্নগদবা মরী অমা থম্ননবা অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখি।

ফুকুদানা মাগী এপ্রুভেল রেটিংস হন্থরকখিবগা সেপ্টেম্বর ২০০৮দা রিজাইন তৌখি। মহাক ২০১২দা পোলিটিসিয়ান অমা ওইনা রিটয়ার তৌখি। অদুবু বৈজিংগা লৈনবা টোকিওগী মরীশিং অদু য়েৎনরিবা আইলেন্দ চেন অমা অমসুং অতৈ হিষ্টরিকেলগী হিরমশিংগী মতাংদা হেন্না ফৎচিল্লকখিদ্রে।

ফুকুদানা চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমসুং আবেগা মাগী অনিশুবা টার্ম মনুংদা সম্মিট অমা পাঙথোক্লবগী লম্বী অদু ফাৎতুনা প্রসিদেন্ট জিনপিংগা ৱারী শান্নবা ২০১৪দা চাইনাদা চৎখি। বৈজিংনা মহাকপু অরিবা মরুপ অমা ওইনা নিংশিংখি।

মিষ্টর য়াসুৱো ফুকুদা চাইনিজ মীয়ামগী অহল ওইরবা অরিবা মরুপ অমা ওইরমখি অমসুং চাইনা–জপান মরী ফগৎহন্নবা অফবা থবকশিং তৌরকখি হায়না চাইনাগী ফোরেন এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই গৌজি য়াকুন্না পাউগী মীফম অমদা হায়খি।

চাইনাগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ারসকী ৱাঙাঙলোই অদুনা জাপানিষ্ট ষ্টেটমেন্টশিংগী অরিবা মীরোলশিং অদুগী ইন্টিগ্রিটি অমসুং মথৌ মশক খঙবা অদুদা খুদোম্বী থিনখি হৌজিক্কী জাপানিজ লিদরসিপপু মদু হকচিন্না খঙনবা আপিল তৌখি।

বৈজিংনা মখোয় মশাগী লমগী শরুক্লি হায়না তাল্লিবা টাইৱানগী মথক্তা করিগুম্বা এটেক অমা চথরকপা তারবদি জপাননা মিলিটরিগী ওইনা খূৎ থিংজিনগনি হায়না জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেনৈ টকায়চিনা হৌখিবা চহীদা ফোঙদোকখিবা অদুগী মতুং লৈবাক অনি অসিগী মরক্তা লৈনবা মরীশিং ফৎনরকখিদে।

ক্রোসৱার্দ ১১৭৯ গী পাউখুম

R	O	A	D	■	T	A	R	T	■	A	D	O	R	E
E	Z	R	A	■	O	L	E	O	■	R	O	P	E	D
L	O	O	M	■	R	E	S	T	R	I	C	T	E	D
I	N	M	A	T	E	■	T	E	E	S	■	S	L	Y
C	E	A	S	E	■	S	A	D	D	E	N	■	■	■
■	■	■	K	N	E	L	T	■	S	N	E	E	R	S
U	P	S	■	S	L	E	E	T	■	■	E	X	I	T
S	U	P	R	E	M	E	■	R	A	T	R	A	C	E
E	R	I	E	■	■	P	R	O	B	E	■	M	E	W
R	E	N	A	M	E	■	A	L	E	R	T	■	■	■
■	■	■	D	E	R	A	I	L	■	S	E	A	R	S
I	R	A	■	L	O	I	N	■	A	E	R	I	A	L
C	O	N	F	E	S	S	I	O	N	■	E	D	G	E
E	D	D	I	E	■	L	E	N	T	■	S	E	E	D
R	E	S	T	S	■	E	R	A	S	■	A	D	D	S

ইন্দিয়ান ব্রুমেন'স লীগ–২:

ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংনা স্পোর্টস ওড়িষা থোয়খ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬, (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল লীগশিংগী মনুংদা অনীশুবা টয়রদা লৈরিবা ইন্দিয়ান ব্রুমেন'স লীগ–২ (২০২৬–২৭)দা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী ক্লব অমা ওইরিবা য়ুঠ ৱেলফিয়র ক্লব (ৱাই দব্লিউ সি) থম্বালখোং থংন থংননা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসি ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংগী অনীশুবা মেটচ ওইনা কেপিটেল ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা মেটচতা স্পোর্টস ওড়িষাবু গোল ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা মায়থিবা নঙদনা লাকপগী খোঙচৎ মখা শমথবা ঙমখি।

টিম অনীমক্কা লম্বা মান্না শান্নরকখ্রবা স্পোর্টস ওড়িষানা মেটচকী ২৫শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১০ মসিশানা নাইকনা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১–০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। গোল শোথরিবা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা হোৎন্দুনা শান্নরবগী গোল ওন্থোকপা ঙমদবদগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা স্পোর্টস ওড়িষানা ১–০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদদি ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংনা অহানবা হাল্ফতা মখোয়গী অশোয়বশিংদু মেনখৎতুনা শান্নরকপগী মহয় ওইনা মেটচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২৫ ফজৌবম অবেমানা গোল চন্দুনা ১–১দা মান্না থম্বা ঙমখি।

স্পোর্টস ওড়িষাগী মায়কৈদগীদু অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনরকপগী মহয় ওইনা মেটচকী ৭২শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৮ সত্যাবতি খাদাইনা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমদুনা অমুক হন্না ২–১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবসু মেটচকী ৭৪ শুবা মিনিটতা ৱাই দব্লিউ সিগী জর্সি নম্বর ১১ শঞ্জেবম অলভানা পীরকপা পাস অমদগী জর্সি নম্বর ৭ রোসিনা অশোয়বা অমত্তা য়াওহন্দনা গোল হন্দোক্তুনা ২–২দা মান্নহন্দুনা থমখি।

মেটচ অসিগী লোয়রমদাই মিনিটশিংদা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংগী শান্নরোইশিংনা স্পোর্টস ওড়িষাগী মায়কৈদা অকন্নবা প্রেসর পীশিনবগী মহয় ওইনা মেটচকী ৮৩শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৯ হেরিনা বসুমতিনা দি বোক্স মনুংদা ফংবা বোল অমা নীংথিনা কন্ত্রোল তৌরবা মতুং স্পোর্টস ওড়িষাগী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরল্লগা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা ৩–২দা মায় পাকপা ঙমখি।

মেটচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেটচতা হেরিনা বসুমতিনা তাখি। ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৮দা দি কে আর ফুটবোল একাদমিগা শান্নরগনি।

ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬, (এস এন এস)ঃ নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালনা শীন্দুনা খুম্পাক লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী থা অসিগী ২৮ ফাওবা চথ্খগদবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি থাঙ–তা (মেন এন্দ ব্রুমেন) চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচানা হায়, মণিপুরগী পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা থাঙ–তা খক্তনা লৈবাক অসিগী নিংতম্বা ঙাক্তুনা লাকখিবনি। থাঙ–তাগা লৈবাক অসিগী পুৱারীগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈ। অৱা লান, খোংজোম লান অসিনচিংবা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা ইপা–ইপুশিংনা থাঙ–তাবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নদুনা য়েক্নবশিংবু মায়থিবা পীদুনা লমদম অসিগী নিংতম্বা ঙাক্তুনা লাকখিবনি। অৱাশিংনা লান তারক্তুনা মণিপুরগী নিংতম্বা মাঙখ্রবা মতম অদুদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং অদুনা থাঙ অমদি তাবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নদুনা অৱাশিংগা লান থেংনখি। ১৮৯১গী খোংজোম লানদসু মপাঙ্গল লৈরবা বৃটিশ লান মীশিংগা লান শোক্নখিবদসু মায়থিরগনি খঙন খঙনা অথৌবা ইপা ইপুশিং অদুনা বৃটিশ লান্মীশিংগা অরোয়বা মীৎকুপ ফাওবা লানথেংনখি। ঐখোয় মখোয়গী মচা–মশুশিংনি।

মহাক্না মখা তারদুনা, ইন্টর দি দ্রাগোন হায়বা ফিল্ম অদুদা ব্রুস লীনা কাওবা কিক অদুদা ঙাওরুবদগী মণিপুর থাদোক্তুনা মহাক টাইক্কান্দো মশান্না অসি তম্বা মীরৈবাক্তা চৎখি। অদুবু লমদম অসিগী ইন্দিজিনস মার্সিয়েল আর্ট ফোম অমা ওইৎরবা থাঙ–তা অসি ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা মালেমগী প্লেটফোর্ম য়ৌনা মীয়াম্না শক খঙনরক্কনি হায়বা থাজরুদে। মালেমগী ফম্পাক্তা ঙসি থাঙ–তা অসিনা ঙাম্থোইবা ঙল্লক্লিবা অসি থাঙ–তাবু য়োখৎকচরিবা থাঙ–তাগী ওজাশিংবু অচৌবা কন্ত্রিব্যুসননি হায়নসু মহাক্না হায়খি।

মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) মায় পাকখ্রে

৩৯শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট:

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬, (এস এন এস)ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পোলো গ্রাউন্দদা চথ্খরিবা ৩৯শুবা এন হজারি এন্দ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি)না কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (এ)বু পাঞ্জল১৫–৩দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি)গী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা চকরদা জর্সি নম্বর ১ ঐচ অবুং খুমননা পাঞ্জল অনী, জর্সি নম্বর ৩ টি প্রদিপ কুমারনা পাঞ্জল ৩ অমদি জর্সি নম্বর ২ এস অবুংচানা পাঞ্জল অমা চনখি। অনীশুবা চকরদা জর্সি নম্বর ১ ঐচ অবুং খুমননা পাঞ্জল অমা, অহুমশুবা চকরদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ ভাইকিং সলাম, জর্সি নম্বর ৩ টি প্রদিপকুমার অমসুং ঐচ অবুং খুমননা অমমম চনখিবগা লোয়ননা মরিশুবা চকরদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা অবুং খুমননা ২, এস অবুংচানা ২ অমদি টি প্রদিপ কুমারনা অমা চনখি।

মায়থিরবা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (এ)গী পাঞ্জল অহুম অদুনা অহানবা চকরগী ০.৪৪শুবা সেকেন্দ অমসুং ১.৩১শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১ দব্লিউ খাম্বাতোননা অনী অমসুং জর্সি নম্বর ২ আই রাহুলনা অনীশুবা চকরগী ৫.০৭শুবা মিনিটতা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা তেকচম পোলো ক্লনা এম পি এস সি (সি)বু পাঞ্জল ১১–১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা তেকচম পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চকরদা জর্সি নম্বর ৪ ঐচ মুহিন্দ্রো, জর্সি নম্বর ১ এস সদানন্দা অমসুং জর্সি নম্বর ২ এম অভিগ্যাননা অমমম চনখি। অনীশুবা চকরদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা এস সদানন্দ অমসুং এম অভিগ্যাননা অমমম চনখি।

অহুমশুবা চকরদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৩ এস নাওবানা অনী অমদি ঐচ মুহিন্দ্রো অমসুং জর্সি নম্বর ৬ এম দোরেননা অমমম চনখি। মরিশুবা চকরদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৩ এস নাওবনা পাঞ্জল অনী চনখি। মায়থিরবা এম পি এস সি (সি)গী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ২ এম দেভনাথনা অনীশুবা চকরদা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খেনা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব (এ)বু পাঞ্জল ৯–২দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এক্স পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চকরদা জর্সি নম্বর ২ পি বিকাসনা, অনীশুবা চকরদা জর্সি নম্বর ৪ পি ওজিৎনা পাঞ্জল অনী, অহুমশুবা চকরদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২ পি বিকাসনা অনী অমদি জর্সি নম্বর ৫ কেঐচ য়াইখোম্বা, জর্সি নম্বর ৪ পি ওজিৎ অমসুং জর্সি নম্বর ১ টিঐচ জেকোবনা অমমম চনখিবগা লোয়ননা মরিশুবা চকরদা পি ওজিৎনা পাঞ্জল অমা চনখি।

মায়থিরবা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব (এ)গী পাঞ্জল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৫ ও লুখোইনা অহুমশুবা চকরগী ২.২৮শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৩ এল ধনেশ্বরনা মরিশুবা চকরগী ৫.৪৬শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমমম চনখি।

দি সি চান্দেল ট্রোফি সুপর দিভিজন হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬, (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা শীন্দুনা চান্দেল খৃষ্টিয়ানগী দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা টিম ৭দা গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্লগা ঙসিদগী দি সি চান্দেল ট্রোফি সুপর দিভিজন ২০২৬ হৌখ্রে।

ওপনিং মেটচ ওইনা শান্নখিবদনা জাফৌ ৱাই সিনা লম্খুং ৱাই সি সিবু গোল ১–০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাল্লবা জাফৌ ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু লাম্খুং ৱাই সি সিগী জর্সি নম্বর ১৭ এল ঐচ জেদিওননা ৩৩শুবা মিনিটতা আউন গোল ওইনা চঞ্জখি। মেটচ অসিদা জাফৌ ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১৫ ৱিসেফাইন রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতনা চান্দেল খুল্লেন ৱাই সি অমসুং খোংজেন ৱাই সি অপিবা মতম ফাওবা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎখ্রে।

হয়েং পুল–বিগী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১ তাবদা দামজোল ৱাই সি অমসুং চুৱাং এফ সিনা শান্নরগনি।

শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি লাম্খুং ৱাই সি সি, জাফৌ ৱাই সি, চান্দেল খুল্লেন ৱাই সি, খোংজোন ৱাই সি, দামজোল ৱাই সি, চুৱাং এফ সি অমসুং কপাম সি দিনি।

ক্রিপ্সা অমসুং বি এম এস সি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬, (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা কে ৱাই সি খুরখুল গ্রাউন্দদা চথ্খরিবা ৩১শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্রিপ্সা নাওরেমথোং অমসুং বিরচন্দ্র মেমোরিয়েল স্পোর্টিং ক্লব দ্রো চৎখিবগা লোয়ননা সেকমাই কাংজৈবুং য়ুঠ ক্লব মায় পাকখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (ক্রিপ্সা) অমসুং বিরাচন্দ্র মেমোরিয়েল স্পোর্টিং ক্লব (বি এম এস সি) অপিবা মতম ফাওবা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা সেকমাই কাংজৈবুং য়ুঠ ক্লব (এস কে ৱাই সি)না য়ুনাইটেদ স্পোর্টীং ক্লব (য়ু এস সি) ফয়েংবু গোল ২–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাল্লবা এস কে ৱাই সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২০ এ বি মাইরিলুংবৌনা মেটচকী ৭১শুবা অমসুং জর্সি নমবর ৯ খাঙেম্বম সিতলজিৎ মৈতৈনা মেটচকী ৭৩শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

অর্বিন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬, (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ২৪দগী ২৫ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা এ জে প্রোফেসনেল বোক্সিং প্রমোসন সিজন–২দা ষ্টেটকী প্রো বোক্সর চনম্বম অর্বিননা উট্টর প্রদেশকী বোক্সর কার্তিক মায়থিবা পীদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি চনম্বম অর্বিন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ফৌবাকচাও ইথাই ময়াই লৈকাইদগী চনাম্বম ইবোল অমদি চনম্বম দেবলাগী মচানুপানি। মহাক অসি এজেট ফাইট ষ্টদিওগী ইন্টরনেসনেল প্রো বোক্সর কোচ দীপ লাইশ্রমগী লমজিং মখাদা ত্রেনিং তৌরিবা শান্নরোইনি।

অমরোমদা হন্দক ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট এ জে ফ্রোফেসনেল বোক্সিং প্রমোসন সিজন–২দা চনম্বম অর্বিননা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকপদা ষ্টদিওগী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙাদোরক্লি।

ষ্টেটকী সেনিয়র সেপাক তাক্রো নুপা অমসুং নুপী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬, (এস এন এস)ঃ মধ্যা প্রদেশকী গ্বালিয়রদা থা অসিগী ৩০দগী নবেম্বর ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬শুবা সেনিয়র নেসনেল সেপাক তাক্রো চেম্পিয়ন্সিপ ফোর মেন এন্দ ব্রুমেন ২০২৬ দা শরুক য়াগদবা প্লেয়র, কোচ, মেনেজর, রেফরি অমসুং ওফিসিয়েল য়াওনা মণিপুরগী কন্তিজেন্ট ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী নুপা ১৫ অমসুং নুপী ১৫না শাবা কন্তিজেন্ট অসিনা টিম, রেগু অমসুং ক্বাদ ইভেন্টশিংদা শরুক য়াগদৌরি।

নুপাগী টিম অসিগী কোচশিং অদুদি পাঙম্বম দুরজিৎ অমসুং হিরোম কিরনকুমারনি। চিঙাংবম রোজেন মৈতৈনা মেনেজর ওইনা শরুক য়ারি। নুপী টিমগী কোচনা ঙাশেপম রাধাকিশ্বর অমসুং থৌদাম মেমি দেবীনি। মুতুম সোমোর্জিৎনা মেনেজর ওইনা শরুক য়ারি।

ঙসি খোঙশানখিবা কন্তিনজেন্ট অদুদা শরুক য়ারিবা রেফরিশিং অদুদি প্রয়ানন্দ নোংমাইথেম, সোইবম রিকারদো, শোরেনশাংবম সঞ্জিৎ অমসুং অথোকপম সন্ধ্যরানিনি। টিম অসিদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম জিতেন অমসুং জেনরেল সেক্রেটরী চীঙাংবম গেসকান্তসু খোঙচৎ অদুদা য়াওখি।

ꯍꯥꯏꯌꯔꯤꯡ ꯈꯣꯏꯔꯥ
UNACCO GROUP
WE ARE HIRING !
SOCIAL MEDIA MANAGER - 1
Requirements:
- 2+ years experience in Social Media Management
- Skilled in content creation, video editing (Canva/Photoshop), & graphic design
- Proven track record in audience growth & campaign analytics
- Excellent copywriting & communication skills
- Preferably Degree in Mass Communication
MIS ASSISTANT - 1
Requirements:
- Any graduate with at least 2–3 years of experience in the relevant field.
To Apply: Send your Resume to
unacco.hrmanipur@gmail.com
on or before 30th October, 2026 . Phone : 8974202164
CORPORATE HR UNACCO SCHOOL, MEITRAM

COMBINED TUTORIALS FOR CBSE
Estd. 2007
The Largest CBSE & COHSEM Tutorial Centre in Manipur.
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK MACHIN, PARKING IMPHAL.
CONGRATULATIONS TO ALL OURS 90%+ SCORERS
96.6% N. Henthoiba S/o N. Ashokumar
96% Th. Priston Singh S/o Th. Priyobrata
93.8% Philan Rajkumar S/o Rk. Jiten Singh
93.4% A. Lanthoiba Singh S/o A. Manyai Singh
92% Lineysha Maisnam D/o Roshen M.
91.8% Y. Holyson S/o Y. Homendro
91.4% Darwin Ayekpam S/o A. Debai Singh
91% Nancy Kh. D/o Kh. Satyajit
91% Ph. Krishakumar S/o Ph. Dinachandra
3 MONTHS REVISION COURSE FOR CLASS 12 Sc./ARTS (CBSE / COHSEM)
3 MONTHS REVISION COURSE FOR CLASS 9 & 10 CBSE
Class Starting from 2nd November, 2026 | Morning: 5:00 am to 7:00 am | Evening: 4:30 pm to 7:30 pm
Van Service
Hostel Available for Boys & Girls
LAST DATE OF ADMISSION 30th October 2026
Please Contact: 9436800790

EDUCCON 2.0
POWERED BY UNACCO GROUP OF INSTITUTES
EDUCATION BEYOND BOUNDARIES
14th & 15th November, 2026
EDUCCON Powered by UNACCO Group Of Institutes
For More Information:
+91 - 90773 52953
www.educcon.in
Venue:
Chumthang Sanapung

EVENT HIGHLIGHTS

01 PAINTING COMPETITION
Category 1: Class III to V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
(Theme: The theme will be announced on the spot)
Date: 14th Nov. 2026, Time: 11:15 AM to 02:15PM

02 MULTICULTURAL GROUP DANCE COMPETITION
Category 1: Class I to Class V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
(Theme: My culture, My identity)
Date: 14th Nov. 2026, Time: 10:00AM to 01:00PM

03 DEBATE COMPETITION
Category 1: Class IX to XII
(Topic : AI is a Greater Threat to Humanity Than an Opportunity)
Date: 14th Nov. 2026, Time: 11:00 AM to 02:00PM

04 STORY WRITING COMPETITION
Category 1: Class VI to VIII
Category 2: Class IX to XII
(Theme: The theme will be announced on the spot)
Date: 14th Nov. 2026, Time: 10:30 AM to 11:15AM

05 OPEN REELS COMPETITION
All Age Group (Education Beyond Boundaries)
Last date of submission 30th Oct. 2026

06 WRITTEN QUIZ COMPETITION
Category 1: Class III to V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
Date: 14th Nov. 2026, Time: 10:00 AM to 10:30AM

07 SCIENCE / INNOVATION EXHIBITION
Eligible Classes: Class VI to XII (Theme : SCIENCE FOR A BETTER FUTURE)
(Innovation • Discovery • Sustainability • Human Progress)
Date: 14th Nov. 2026, Time: 11:15 AM to 12:00PM

08 MISS TEEN EDUCCON
Age Group: 13 to 18 years
(Theme: Beauty With Purpose)
Date: 15th Nov. 2026, Time: 01:30PM to 06:00PM

09 MANIPURI MODERN SONG COMPETITION
Category 1: Pre Nur to KG (Rhymes only in group)
Category 2: Class I to V
Category 3: Class VI to VIII
Category 4: Class IX to XII
Date: 14th Nov. 2026
Time: 01:30PM to 03:30PM

REGISTRATION DETAILS
Rs. 100/- per participant for Event
Rs. 500/- per participant for Miss Teen
Rs. 100/- per head for group with minimum of 5 members in a group
FORM SUBMISSION CAN BE DONE OFFLINE AT UNACCO SCHOOL KHONGMAN, UNACCO SCHOOL MEITRAM, UNACCO SCHOOL CHANUNG, UNACCO SCHOOL CHANURA
SCAN OR VISIT WWW.EDUCCON.IN FOR ONLINE REGISTRATION
LAST DATE OF FORM SUBMISSION 30TH OCTOBER 2026.

THE BEST CBSE COACHING CENTRE IN IMPHAL
SAPE TUTORIALS, IMPHAL
SAGOLBAND KANGABAM LEIKAI, NEAR YUMJAO LAIREMBI, LANE NO. 6
96.2% JEWEL NINGTHOUJAM RAMKRISNA MISSION SCHOOL
ACHIEVEMENTS
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSE (X) - 2026
95.2% UC TAMNGANBI SHISHU NISTHA NIKETAN
94.8% KOIJAM HEEYAISANA KV LAMPHEL
91.4% SUNAINA SAIKHOM KV LAMPHEL
91% SATYAM LAISHRAM KV LAMPHEL
90% TRISSIE MAYANGLAMBAM UNACCO SCHOOL
89.2% NAVELEE THIYAM KV LAMPHEL
89% CHARANGA SHORTHANG KV LAMPHEL
86.6% ANGEL SINAM SHISHU NISTHA NIKETAN
86% SEONA SAMURAILATPAM KV LAMPHEL
85.6% TH. SASHIKANTA LUWANG RAMSRISHNA MISSION SCHOOL
85.4% KSH. CHINGLENSANA KV LAMPHEL
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSCE (XII)- 2026
XII ARTS
98.2% THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
98.2% SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
95.6% BRAINY LAIKHURAM KV LAMPHEL
94.2% SHOAIB ABID KHULEIBAM KV LAMPHEL
93% HAOBIJAM MAYALUXMI KV LAMPHEL
92% SAPAM DEVSHREE KV LAMPHEL
92% SANIA MOIRANGTHEM KV LAMPHEL
92% SIMRAN NINGTHOUJAM KV LAMPHEL
XII SCIENCE
92.6% LEIMAPOKPAM NELSON KV LAMPHEL
90.8% KHUNDRAKPAM TAIBANGANBA KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
89.6% MEHEK KHAN IPHAM KV LAMPHEL
87.2% RIYA THANGJAM RK SANATOMBI DEVI VIDYALAYA
86.4% GHANAR KHONGBANTABAM KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
100% PASS PERCENTAGE
Achieved the lagacy of academic excellence and assurance 100% guaranteed success.
SUBJECT TOPPERS
POLITICAL SCIENCE 100/100 THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
HISTORY 100/100 SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
HOSTEL FACILITIES AVAILABLE
ADMISSION OPEN ONLY CBSE
REVISION COURSE FOR CLASSES IX, X, XI & XII (SCIENCE & ARTS)
CLASS COMMENCEMENT FROM 22nd October 2026)
For more details please contact : 9863055737 | 7005958928 9402797965 | 8414930010
Sape Tuorials Imphal
SL/B/4(alt)15days

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com